[illegible]

সুপ্‌চীল্লব মীতৈ লোন্‌মীত্‌ অমসুং লোন্‌চত্‌ পথাপ্‌

A SHORT MEETEI LINGUISTICS & GRAMMAR

১। লোন অমসুং মাগী সাগৈ-সলাইগী মরমদ নৈনব।
২। খোন্‌থোক্‌লোন্‌ অমসুং মীতৈ ইয়েক্‌ পুথোক্‌প।
৩। মীতৈ ইয়েক্‌ অমসুং মাগী রাঙ্‌উলোন্‌ নৈনব।
৪। অতৈ চাইহুন লৈরীব মীতৈ ময়েক্‌সীঙ্‌গী সক্‌তম্‌ উত্‌প
৫। মীতৈ চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌ অমসুং মাগী রাঙ্‌উলোন্‌ নৈনব।
৬। মরুওইন মীতৈ লোনচত্‌ পথাপ্‌কী মরমদ নৈনব।
৭। মীতৈলোনগী বনান্‌গী কাঙ্‌লোন্‌।

অইব ঃ
অকোইজাম্‌ব নারেন্‌

কংলৈ ই.নাত. থীজীন.ব লুপ., নীঙোমবম।

ꯁꯨꯞꯆꯤꯜꯂꯕ ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯣꯟꯃꯤꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯣꯟꯆꯠ ꯄꯊꯥꯞ

সুপ্চীল্লব মীতৈ লোন্মীত্ অমসু লোন্চত্ পথাপ্

A SHORT MEETEI LINGUISTICS & GRAMMAR

অইব ঃ

অকোইজাম্ব নারেন্

এম্ঃ এঃ, এম্ঃ ফীল্ঃ

মালোম্ মেঘ হাই. স্কুল্গী ওঝা অম।

কংলৈ ই.নাত্ থীজীন্ব লুপ্, নীঙোম্বম্।

ইম্ফাল্ এয়ার পোয়ত, মমাঙ্।

ফোঙ্দোবপ :
ক.লৈ ই.নাত থৌজীনব লুপ.., নীঙোম্বম্
ইম্ফাল্ এয়ার পোরত, মমাঙ্।

অহানব থুতনম্ — লাইরীক্ মসীঙ ১০০০

5780/Mani

পাল্চা কুম্সীঙ্ — ৩৩৯০
খঃগী চহী — মে, ১৯৯৫

7.6.93

Printed at
ROHINDU PRINTING PRESS
MOIRANGKHOM SOUGAIJAM LEIKAI IMPHAL

খুদোল্ তম্জব

ইমা! পোকৃনফম্ লম্দম, ম্নুঙ্সীবী,
নচাসীঙ্গী খন্বীবদ কোক চাউরবী ·······

লৈখোঙ্ সেঙ্বীনব লৈতরব, উরী-ৱারীসীঙ্ন কুপ্সীললব,
লীরব ইমাগী লৈকোনন্নুঙ্গী, উরী-ৱারী খরদং থদত্চল্লুন,
থমোইগী যেনদাই শাইল্লুন, মীত্ন উব, খুত্ন লানব ফংজব,
মীংঙেন খবদং হেব্চরগ, লৈবাক্ পরেঙ্ অমত্তং লেঙ্জল্লুন,
তমজবা ইমাগী খুদোল্ :
লৈচন্ মুদে, লৈখন চাদে হাইবীগন্নু ইমা,
ইরোনদ মীরোন্ যানসিংলীবমখৈ ফজবনী খনজব,
মীগী মযেক্-মসোন্ চংনবীবু শাইবীবমখৈ লেমজবনী খনজব,
মীগী চত্নবী সনা অল্লুদ ইরোনন তমফা থীললুবদী ···
ফজবদী হেনগত্প যাই তুবু এগী তম্ফাদী মাঙলেদো !!
অসীগুম্ব অখং-অহৈ ইথক্থোঙ্বসীঙ্গী মমাঙদ,
হৈত-হৈত তবী-তবী চোঙথোকচবনী।
এগী অসীবু উরগ, অল্লুদী অসুম তৌসী হাইত্রন
মংফাউবীরক্লবদা হোত্নজমন্গী মহৈ যাললে খনজগেকো ইমা!

—অইব

অখং-অহৈসীঙ্গী মীতয়েঙ

থৌগৎ ৱাহৈ খর

অকোইজাম্ব নাবেনগী "স্থপচীংলব মীতৈ লোনমীত, অমস্থু লোনচত্ পথাপ" হায়ব লাইরিক অসি পারে। অইবগী অনৌব চাংয়েংনি। মখল অসিগী লাইরিক য়াম্ন তাঙ্ন লৈরি। কংলৈ লোয়ন-সিলোন্দ অনৌব লাইরিক অমাদ মসীং চল্লে। লোলগী সাগৈ খায়বদ অনৌব মিংয়েং খর হাপ্প ঙম্বতা নত্তুন অনৌব ৱাহৈ খরস্থু অইবন থৌনা ফনা পুথোক্লব হোৎনরি। খুদোংথিব কয়া সীংনত্তুন অনৌব চাংয়েং খর লৌব ঙম্বাসিমক য়াম্ন থাগৎনংঙাইনি। চাংয়েং অসিন ৱাৎলিব লোল আসিগী পুক্কে সেমগৎপদ অমদি লৈত্রিব কংলৈলোল অসিগী লোলগী পথাপসিং পুথোকপদ খবমখৈদ মতেং পাংলগনি হায়নসিদি খুৎহই অসি পাবদ খঙই।

কংলৈলোলগী অক্লম অয়' মচা খায়বদ, ইংলোল খুন্নুংলোনগী ৱাহয়োক্ত, চৈনা' ঈয়েক্কী হৌরকফম তাকপদ, মীতৈ ময়েক্কী হৌরকফম থোলকফম পিননব হোৎনবদ ৱাহং খর লাক্লিঙাই লৈরি। অদুব থৌনা ফন চাংয়েং অমদি তৌব ঙম্লকপ অসিন লৈনবগী মচাক খবাদি লোলাসিগী লৈনৱোয়াসংদ থোঙ্ হাংদোক্লে। মসিমক অইবগী মায পাক্প অমা'ন।

য়েলহৌতৈগী ময়েক ১৮ অসগী মথক্ত হাপকংলকপ ময়েক ৯ আসগী থোরকপগী লোলানৎ পিবন ৱাহং খর লৈগনি। অদুবু হৌরকপদ লৈবম্ব ময়েক ১৮ দগী মতমগী হাওল লাক্লন লোমথবকপ ময়েক ৯ থোরকপানি হায়ব ৱা মপুং অদুদি নাখৈ সেংন উংপ ঙম্লে। লোয়নন খ্রি: চৈসীং ১৯৫৮ গী ময়েক লুপতিন্দ পুথোক্লবকপ ময়েকাসংগী মান্নদব সক্তম কয়াদু নৌন হৌবকপ থিজিন্লোৱসিংদ খুদোং চাননব, মিৎন উব ফংনবা খংকক অম য়াঙবিবাসগু কংলৈ ইয়েক্কী লুপাত্তন কয়া লৈপাক্কী থাক্ত পাংথোকাখবাসিংদ য়াওহৌদব থিজিন্লোয় কয়াগী মফমদ মতেং য়াম্ন পইগনি।

অরোইবদ পনজানিংবাদ চাংয়েং অসিগী মমল আসনি। অনৌব চানব ৱাহৈ পাথোকপ লৈত্রব অৎপন থোকপ লৈনব ৱাৎলব কংলৈলোলগুম্বগী লোলামৎ ইনব হোৎনব, লোলাগী কাংলোন লৈনব হায়বসি ঙসেংন খুদোং থিব কয়া লৈ। খুদোংথিব, হোৎনব চঙ্ব, য়াম্ন থিজিন চঙ্ব তাংককসিং অসিদ খৎ থানব হোৎনরকপ অমদি চাংয়ে কয়া তৌনব হোৎনরকপগী লুমাংমল অদুদ খক মাঙলোই। লৈনফম হিরম কয়াদ থোঙ্ হাংলকপনী মমল অদুদি ংসেংন য়াম্মী। থৌনা অসিবু লোলবু লুসিব থিজিন্লোয় পুন্নমক্ল থাগংফম থোবই। মখা তান অতবগী লাইরিক কয়াস্থু থোরকথিগনি হায়বগী থাজব থমজারি।

— ঙাসিংম্বমচা কাংজীয়া মঙাং

হেদ অফ দিপার্তমেন্ত ওফ ফিলোসোফি, ওরিয়েন্তেল কলেজ;

মেম্বর, মীতৈ ময়েক এরাপার্ত কমিতি, গোভঃ ওফ মনিপুর;

দাইরেক্তর, ইন্তরনেসনেল মীতৈ ময়েক রিসার্স এন্দ ত্রেনিং ইন্সতিত্যুৎ, ইম্ফাল;

রিসোর্স পার্সন, মীতৈ ময়েক ওরিয়েন্তেসন কম ত্রেনিং কোর্স, দিপার্তমেন্ত ওফ ইদুকেসন, গোভঃ ওফ মনিপুর;

সলাই পুরেল, সনামহী লাইনিং অমসুং পুন্সিরোন খুফম (সলাই পুন্সিফম), ইম্ফাল।

ৱারোল্ খর

ইনাউ অকোইজামৱ নারেন্গী "সুপ্সীললৱ মীতৈ লোনমীত্ অমসু লোন্চত্-পথাপ্" মীঙ্থোন্ৱ লাইরীক্ মচা অসী লোইনমক্ পাজরে। মীতৈলোনগী পুক্কৈদ অনৌব মচল্ অম হাপ্কত্লে খন্বদ মুঙাইজে। পীকলৱ মচল্ অসীগী মনুঙ্দ অইবন হীরম্ তরেত্ লৌখত্তুন নৈনবী :–(১) লোন্ অমসু মাগী সাগৈ-সলাই, (২) খোন্থোক্ লোন্ অমসু মীতৈ ইয়েক্; (৩) মীতৈ ইয়েক অমসু মাগী ৱাঙ্উলোন্; (৪) অতৈ চাইচুন লৈরীব মীতৈ ময়েকসীঙ্; (৫) মীতৈ চৈসীঙ্ ইয়েক্; (৬) মীতৈ লোনচত্ পথাপ্ (Grammar); (৭) মীতৈলোনগী বনান্গী কাঙ্লোন্। হীরম্ খুদীঙ্মক্ত অইবগী অনৌব মীত য়েঙ্ য়াউই, মরুওইব খর মথাগী অসুম্ন পন্ৱ যাই :-

(১) লোন্গী সাগৈ-সলাইসীঙ্গী মৰমদ নৈনবগী মতাঙ্দ মীতৈলোন্বু কুকী চীন্ নত্তরগ তীবেতো-বর্মাগী লোনসীঙ্গী মসা অম ওইন থম্বদু য়ানীঙ্দৱ উত্তুন অইবন অসুমন মাগী ৱাযেত্ পীরী :— (লমাই ৪) "অথঙ্ অহৈসাঙ্ন হাইরী, মীতৈলোন্ অসী তীবেতো-বৰমনগী সাগৈ মনুঙ্ চললী। মতাঙ্ অসীদ ৱায়েত্নীঙাই ওইবীবদী বর্মাদগীদী কঙ্লৈপাক্ অসীনা খুনদা-লৈতাব য়ামন্ হাললী লোইনন তীবেত্তগীসু হাল্লী হাইবসী লৈসেংলোন খুনদা-লৈতারোন্ পুযান যজন তাক্লী। তীবেতো-বর্মন্ সাগৈগী লোন্ অসীন চীনলোনগ হেনন নক্সীননৈ হাইনবসু মখোই অনী অসীন থোবক্তনাইদ মীতৈ লোনগ চীন্ লোন্গদী হানন মনী লৈনরম্লে। কোনন তীবেতো-বর্মন হাইব সাগৈ অম চোঙ্থোক্চরবসু মীতৈলোন্দ কংলৈ-চীন্ সাগৈগী লোন্ ওইচন লৈরম্লবনী।"

(লমাই ৭) "মীতৈলোন্ অসী কুকী লোনগী লোন্থৈ মসা অমনী হাইবসী কনানসু যানীঙলোই। কুকী লোন অসী মীতৈলোন্গী লোন্থৈ অমনী হাইবদী যাই। অমুবসু যেঙ্সী তীবত্ হাইব অসী [illegible] য়াম্ন নৌবীবনী ······ · ঙসীদী মতু ওইথোক্তরে।"

মতৌ অসুমন তীবেতো অমসু কুকীগী মতঙ্ কঙ্লৈ (মনীপুৰ)-চীন হাইফম থোবহ [illegible] অসৈগী [illegible] অসীন অদোৱগীঙ্দ অনৌব ইত্তা অম সোহদনমক্ পীরগনী নঙ্ঙা। ৱাজ লোন্ অসীন ভোলানাথ্ তা নাবীজমৱ হৗন্দীগী অইদস্ [illegible] বাখলগী চেথেঙ্ অম সোহদন [illegible] । নঙ্সাঙ্ৱ য়াবদী—মতম্ অমগী অফাউব অইব গ্রাযাৰ্সন্ সাহেবন মঙাক্ন 'Linguistics Survey of India' হাইব লাইরীক্ অদুগী 'Assam-Burmese-Branch' মতাঙদ হাইবনৱ মতুঙ ইনন তীবেতো-বর্মনগী মনুঙ্ চৎলীব মীতৈলোন্ অনী মক ওইন কোইগী লোনসীঙ্না হাইন [illegible] অমসু [illegible]। [illegible] লোন্সীঙন কঙ্লৈপাক চঙ্লক্ত্রীবদ মীতৈলোন্ অসী লৈবম্লে হাইন মাগী [illegible] মরম্ অসীন অইবন ঐখোইবু অমুবইন ৱাখল্ খনথহল্লী।

(২) ৱাক্লোন্ থালেন্গী মতাংদ [illegible] মীতৈ মতেং [illegible] চক্চাঙ্গী কাযাত সীঙ্গ [illegible] মরীসীঙ্ ফজন য়েক্থোক্তুন তাকলী মক্তন য, অ, স, ই [illegible] যাই। [illegible] নারান পলেম্ ইমাগী পীবুক মুঙ্দ [illegible] থাজ তরাগী মৰ [illegible] থমদুন ফজন ৱাখললোন্ অম পীরী। মতৌ অসুমন মসাঙ্ পীব, থা ফেরানীথোকপী মীঙ্চৈ থোন্বনচঙ্ব [illegible] লৈব ৱাফম্ কয়াগুক্ পীবীরী।

(৩) চাইচন লৈরৱ মীতৈ ময়েক্সীঙ্ কৌব হীরমদ নৈনবদ কান্নৱৱ মচাক [illegible] থেঙ্নবীগনী। পীরম্লীব অচাইব ময়েক্সীঙ অসাগী মতেঙ্ন মনল্ কয়াগী [illegible] হাইবদ হাইমন্ব থোক্লোই।

(৪) লোন.চত. পথাপ. নৈনবগী মতাঙদ অতোপ.প লোন.গী রাহৈ-রাত্তা লৌদনব ঙম্ব মথৈ হোৎনবগী মহৈ খরমথৈদী য়াল.লে নাঙ.ই। তৌইগুম্বস্থ য়ারা মখল.গী নৈনবদ অইবন English Grammar বু য়ুম্ফম. ওইন লৌই। মরম. অদুন মীতৈলোন.দ লৈতব Relative Pronoun নচাঙ.ব হাপ.চন.ব, Clause Phrase খাইদোক.প, Voice নৈনব অমস্থ Narration খাইদোক.প থেঙ.নৈ। মতাঙ.সীঙ. অসীদস্থ মীতৈলোন.গী পথাপ. মতুঙ. ইন.ন নৈনবীরবদী খর হেন.ন অচুম.ব ফঙ.গদর খল.লী।

(৫) বনান.গী মতাঙ.দ অইবগী রাখল. থাগত.নাঙাইনী। বংগলা ময়েক. রাইকবগী মহৈ ওইন ঙসী ঐথোইন ইরোল.গী খোন.থোক. মতুঙ. ইন.ন ময়েক.ত ইথোক.প ঙম.দবগী অরাব অম মাইয়োক.নরী। বংগলাগী অতেন.ব অমস্থ অসাঙ.ব খোন.থোক. ইনব হোত.নরীব ঐথোই কবুই কৈওইব তাডুন লৈহৌরে হাইবসী থংনরবনী। রাথোক. অসী তাইসন.নব অইবন অয়াঙ.ব, ময়াইওইব অমস্থ অরুম্ব খোন.থোক.-কীদমক. খুদম. অহুম. পুথোক.লক.প অসীন অপাবদ মতেঙ. য়াম্ন পীরগনী খল.লী।

হযেঙ. তুঙ.দ মীতৈ ইয়েক.ন বংগলা ময়েক.কী মহুত সীল.লক.প কান.দ ওইরক.কদবসীঙ. অহু য়েঙ.ডুন লাইরীক. অসীদ নৌন হৌদোক.চরীব বনান. অসীদ অখঙ.-অহৈসীঙ.গী মীত.য়েঙ. চাঁঙ.সীন.জরী।

লোন.মীৎ-লোন.চত.পু থরাই য়াউন নৈনবীব ইবুঙো নারেন.গী লাইরীক. মচা অসীদগী লোন. নৈনবীব অখঙ.-অহৈসীঙ.ন কান.নব ফংব ওইসনু। অইবদ তুঙ.গী থাজব কয়া থম্বগ লোইনন মপুগী খুয়াদ ইমালোন.গী য়াইফব নীজবী।

ডা: কুন.জকীসোর
Principal,
Govt Hindi Teachers' Training College, Imphal

12. 5. 93

[illegible]

[illegible]

[illegible]
MEETEI MAYEK RESORCE PERSON

অইবগী ৱাহৈ খরদং

লাইরীক, অসী অহান্‌বগী ওইন মীতৈ ইয়েক্ অসী পাক্‌-সনন খংনদরীব ওইন তৌবসীদ মীযাম্‌গী খুদোঙ, চাননব বংগলা ময়েকত ফোঙ্‌জবনী। মসীদ মীতৈ ইয়েক, অসীবুস্থু তঙাইফদব অম ওইন মীপুম্ তীঙ্‌ন খংনহৌনব মীতৈ ইয়েক, তম্‌নবগী মওংদ মসাগী ৱাঙ্‌উলোন্‌নচীঙ্‌বগ কোন্‌নন হাপ্‌চীন্‌জহন মীতৈ ইয়েক, তম্‌ননব মপী লাইরীক, অমমুক, তোঙানন লৈরুদরবস্থু যাননব থোৱাঙ্‌স্থু তৌজবনী। অসীগীস্থু মথক্‌ত নৌন ইথোক্‌পীরম্‌লব মীখুত্‌স্থু চংলবগী মওং ফংলব অরীব পুয়া কয়া লাইরীক, কয়া মতম্ মতম্‌গী চত্‌নহল্লব ময়েক্‌ত নুঙ্‌দ হক্‌তুন ইবমব ৱারোল, কয়া সরকারন সক্‌খংলীব ইয়েক, ২৭ অসীন পাব যাদে হাইদুন নুঙ্‌নাঙ্‌লীব অসীগীস্থু কোক্‌ননব মীখুত্ চংলব চাইদুন লৈবীব মীতৈ ময়েক মযাম্ অসীবুস্থু মীওম্ সাদুন লামাই ৩১/১ দা হাপ্‌চীন্‌জরী। য়ানসীল্লম্‌লীব ময়েক্‌সীঙ, অসীবু ঐখোইগী ইযেক, ওইন লৌসীন্‌বদী ঐখোইগী চত্‌নবী পানদম্‌দ যাম্‌ন অকাইব লৈ। ৱাফম্ অসী লাইবীক্‌কী মতাঙ, মতাঙ্‌দ নৈনজরী। মসীন তাকপদী লাইরীক, অসীমতং পাইরগ লোনগী চাওবাক্‌প সক্‌তম্, ইযেক্‌কী ৱাফম মরুওইন মীতৈ লোনচত্ পথাপ্‌কী মসাগী তোপ্‌তোপ্‌প সক্‌তম মযাম্ অসীবু পুনন খংব ঙম্‌ননব মীতৈ ৱাহৈদ—'পাইরে খুদাপ, ফা, সনদোব্‌লে সবা সন' হাইবগী মওংদ মচী ওইব, মচং ওইবমথৈতং খনগত্‌তুন ঙপ্‌চীন্‌ব মওংদ ইরগ ফোঙ্‌দোক্‌চবনী। মসীনবু হোত্‌নজমন্‌গী মহৈ খরদং ফংজরবদী মতুঙ্‌দদী শোখাই-তোখাই, অমদী সনদোবন লাইরীক্ কয়া ফোঙ্‌দোক্‌নবগী পান্‌দম্ থমজরী।

লাইরীক, অসী বংগলা মযেক্‌ন ইজরবস্থু বনান্‌গী মতাঙ্‌দদী মনীপুর সরকারন সক্‌খংলব No. 1/2/78-SS/E dated Imphal the 16th April '80 গী মীতৈ ইযেক, ২৭, লোনসুম ৮, চৈতেপ ইয়েব্ ৮ অদুমক্‌ও যুমফম ওইরগ ইজব মরম্‌ন অতৈ বংগলা মযেক্‌ন ইব লাইরীক সাঙ্‌গী বনান-সীঙ্‌গ মান্‌নদব কয়া য়াওব মসাগী তোপ্‌তোপ্‌প বনান, অম লৈজে। মসী ঐন পামজব বনান, অম হেক্‌তে ইসীন্‌জব নত্‌তে। মসাগী ময়েক্‌ন তাজব হাইবদি মীতৈ ইয়েক্‌ত লেতব ময়েক মথৈবু সীজীন্‌-নদব, মাঙ্‌লম্‌চত্‌ত চত্‌নজরম্‌ব বনান্‌গী মওংনী খংবীগনী।

লোন, অমগী বনান, ইব হাইবসী লোন, মসা মসাগী লৈজব মযেক, অমদী লোন্ মসাগী লৈজবীব খোন্‌থোক্‌লোন, অদুগ চানব মসান তাজব অকক্‌নব পান্‌দম, লৈজবনী। মীগী চত্‌নবী পুসীলগুবদগী মরুওইন বংগলা ময়েক্‌ন বনান, ইবদ মখোইগী ময়েক, য়াম্‌মন্‌খীডুন চুঙ্‌সীন্‌নফম, খংদদুন ঐখোইরোম্‌দ খোন্‌থোক, লৈতব ময়েক্‌পুস্থু সীজীন্‌ননব হোত্‌নব অসী অঙক্‌প মওং অমনী। মীগীদী খোন্‌থোক, যাম্‌ন নক্‌নব ময়েক, য়াম্‌ন লৈ মদু ঐখোইরোম্‌দদী অমন অদুম, মদুত সীন্‌ব য়াব ময়েক, য়াম্‌ন লৈ। চৈতপ্‌কী মতাঙ্‌দস্থু অসী মঙাহু। মখোইগী ময়েক্‌সীঙ, অমদী চৈতপ্‌সীঙ, মযাম, অদুগী খোন্‌থোক সীঙ অদু য়াদ-ঙৌদ ; কোক্‌ত-খৌয়ীদ , নাতোন্-নাকোঙ্‌দ , চান্‌বান্‌-লৈদ করীদ সোক্‌প থেঙব হাইবগী মসাগী মতাইফদব চত্‌নজব লৈজে। মখোইসীঙ, অদু লোইনমক, ঐখোইরোম্‌দ পুসীল্লক্‌তুন লৈ কোন্‌ব, নাতোন্-নাকোঙ, খোঙ্‌তুন ঙংদুন ঙাঙ্‌ননব হোত্‌নগদব নত্‌তে হাইবসী কাউনহুসী। অদুম ন বনান্‌দ করীদ মীগী চত্‌নবী পুসীল্লক্‌প অসী যাম্‌ন চুম্‌দব থবক্‌নী থংবীগনী।

লাইরীক, অসী ইজবগী মরুওইব পান্‌দম্‌দী মনীপুরী হাইন খংনরীব মীতৈলোন, অসী ভারত, লৈঙাক্‌লোন্‌গী নীপালস্থুব তাঙ্‌কক্‌ত চন্‌সীল্লব ফাউবদ লোন, অসীগী ময়েক, মীতৈ ইয়েক, অসী

মরী লৈনদবদৌন থৌ-ৰা ইসা সানদব, মীতৈ ইয়েক, পুথোক্লব, সরকাব্নস্থ সবখংলে হাইত্নন গেজেত্ত ফোঙখরব লোইননা তরুক্সুব ক্লাস্ত তম্ব হৌহন্খরব অসীবু ইন্থোক্তুন থম্লগ ইয়েক্ লৈজ-ফোঙখরব লোইনন তরুক্সুব ক্লাস্ত তম্ব হৌহন্খরব অসীবু ইন্থোক্তুন থম্লগ ইয়েক্ লৈজ-দবগুম, বংগলা ময়েক্পু ইয়েক্নী হাইকবদ মীগী মমাঙদ চোপ্প কয়া নংলব ফাউবদ ইকাইবস্থ খংনদব অহোইনন স্কুল-কলেজসীঙ্দ বংগলা ময়েক, অত্তম, সীজীন্নতুন লৈব, মনীপুরী (মীতৈলোন্) অসীদ এম. এ, পাস্ তৌবব ফাউবদ মীতৈ ময়েক্ খংদবন অয়াম্ব ওইব ..... । বংগলা ময়েক্পু মীতৈ ইয়েক্ন সীন্দোক্পগী মতুত্ত মীরা চানত্নন নাকোইনন ইয়েক, অসী সৌগত্প সারগ মসী চত্হনখীদনব অমগ অমগ ঐথোই মসেল্ থত্নহন্তুন মসান অত্তম, যেত্নত্নন লৈননব সরৌ সীন্বগুম, তৌব মওং কয়া অসীবু খরদংত ওইরবস্থ কোক্হন্ব ঙম্গদর খন্জদন লাইরীক, অসী ফোঙজবনী। খং-হৈত্নন ফোঙব নত্চদে। লাইবীক, অসীবু উরগ হেন্ন ফব লাইরীক, কয়া পুথোক্পীরবনব সীঙেন্ লৈত্নন্ তম্জবনী।

তানীস্থব মরুওইব পান্দম অমন য়াম্দরবদ মীতৈলোন্গীস্থ মসাগী ওইব অথন্নব লৈ পবেঙ, অমতং লেঙ্তুন ..... মীতৈলোন্, হাইব লৈরাঙ, পাম্বী অম ভারত্কী লৈকোন্গুঙদ থাগদবনী। মসীন তোখাই লৈগদব নত্তে ভারত, লৈকোন্গী ফজব হেন্গত হন্গদবনী। লৈকোন্, অসীদ কুচু সেঙ্দব ফুরাউনব, অরাঙ্ব মচুগী পাম্বী থাগদব নত্তে, মচু সেঙ্ব পীক্লবস্থ চম্পবা মতীক, লৈব হৈনী হাইবগুম, পীক্ন মঙান, চাউন লৈজব মসাগী লোন্, অমস্থ ময়েক, লৈজব মীতৈ হাইব স্বরূপ, অম ভারত্ত লৈ হাইবসী সক্তাক্কদবনী। নত্তরবদী মীতৈলোন্বু ভারত, লৈত্তাক্লোন্গী নাপান্স্থব তাঙকক্ত চল্হন্নব রান কনীগী হোত্নরীবনো ! নত্তরবদী ভাবংকা কৈথেলসীঙ্দ পুথোক্পীরগ ইরোল, অসীবু মসক্-মচু লৈতব, সাগৈ-সলাই খংদব, ময়েক্-মসোন্, চত্নলোন, পথাপ লৈজদব অম ওাহন্তুন মীমাঙ্দ খোঙগোইনবীগে থৌরাঙ্বীববা ! ইসাগী ইরোন্বু, ইসাগী ইয়েক্পু ইসান চাদ-খত্হন্নব হোত্নদরগ কনা লাক্তুন হোত্নবীবগনা ! ঐস্থ সেন্তান, লম্বীগী লাইবীক, কয়া ইব যাই অত্তবু মীতৈ অম ওইন ঐথোইগী রাত্লীব অসী হান্ন মেন্খংলন চুম্গনী মসী ইথৌনা খন্তুন লাইবীক, অসী ফোঙজবনী। খং-হৈত্নন ফোঙব নত্চদে। লাইবীক অসীবু উবগ হেন্ন ফব লাই-রীক, কয়া পুথোক্পীরক্নবনী হাইজবীব অসীনা।

মহৌসান লম্য়ান্ব হাইব অসী খুদোঙ, থীব খরদী নংই হাইনবগুম্ লোন্দ, ময়েক্ত লোন্চত্ পথাপকী মতাঙ্দ লোইনন বনান্গী মতাঙ, কয়াদ অমী-অনৌ অনীগী লাঙতাই ওইব লাইরীক, ওইবন অনৌব মসাগী যীবেপ, লৌরক্পদ মীয়াম্দ ওইওইনব ওইন থোক্প, অইবদস্থ চানব চুঙসীন্নব হোত্-নবদ অনাব অম ওইব খর ইয়েত, য়েত্নব অসীগী মথক্ত পুরুপ, কক্পদ রাত্হৌব খরস্থ অত্তম, যাউখরে। মখংগী খুত নমদদী মীয়াম্ন তাক্পীবক্প পাউতাক খরগ লোইনন অবান্-অহুই পুম্নমক, চুম্থোক্চনব যাথং নীজরী। অয়োল্-অরাল, পুম্নমক, ঙাক্পীগনী নীঙজে।

চৈচত্ ১-৫-১৯৯৩ ইং
কালেন্ ১৫, পাল্চা কুমসীঙ্ ৩৫৯০

নোলুক্চরীব—
অকোইজাম ব নারেন্

য়াউফম্ তাক্প

য়াউফম্		লামাই
	(অহানবা তাঙকক্)	
১।	লোন্ অমসুং মাগী সাগৈ-সলাই	— ১
২।	লোনগী মখল	— ১
৩।	লোনচত্ পথাপ্কী নৈনফম্	— ১
৪।	লোনমীৎকী মকুন্থইব নৈনফম্	— ২
৫।	লোনগী কাঙ্লুপ্ অমসুং মাগী সাগৈ-সলাই	— ২
৬।	য়ুরোপীয়াগী কাঙ্লুপ্	— ২
৭।	চীন্ সাগৈ সলাই	— ৩
৮।	অফরীকা (অফ্রীকা) গী কাঙ্লুপ	— ৪
৯।	পরসান্ত মহাসাগরগী কাঙ্লুপ্	— ৫
১০।	আমেরীকাগী কাঙ্লুপ্	— ৫
১১।	মীতৈলোন্গী মখল্	— ৫
১২।	মীতৈলোনগী সাগৈ-সলাই	— [illegible]
১৩।	লোনচত্ পথাপ্কী থালেল্ অহুম্	— ৭
১৪।	বাঙালোন্ থালোল্ : (ময়েককী মরম্দা নৈনব)	— ৯
১৫।	মীতৈলোন্গী খোনজেলগী খুজীঙ্ পুথোক্প	— ১০
১৬।	মীতৈ ইনুঙয়েক অমসুং খুনুঙয়েক পুথোক্প	— ১১
১৭।	মীতৈ ইয়েক্ ২৭	— ১৩
১৮।	মীতৈ ইয়েক্ পুথোক্পগী কাঙ্লোন্	— ১৭
১৯।	মীতৈ ইয়েক্ ২৭ কী নাঙউলোন্	[illegible]
২০।	লোন্সুম ইয়েক ৮	- [illegible]
২১।	চৈতাপ্ ইয়েক্ ৮	— [illegible]
২২।	খুদম্ ইয়েক	— ১৬
২৩।	চৈসাঙ্ ইয়েক্ অমসুং মাগী নাঙউলোন্	— ২৭
২৪।	মীতৈ চৈসাঙগী তৌরবফম বারা	- [illegible]
২৫।	খুন্গী রারা রাখোঙ্	— [illegible]
২৬।	থা তরানাথোইগী মমীঙ্ থোন্খীব	— [illegible]
২৭।	খোন্থোক্কী খুজীঙ্ অমসুং তাঙ্কক্	— [illegible]
২৮।	ইনুঙয়েক্ অমসুং খুনুঙয়েক্কী খোন্থোক্	৩৯
২৯।	চাইহুন লৈরীব মীতৈ ময়েকসীঙ্	৪৩/
৩০।	চাইহুন লৈরীব চৈসাঙ্ ময়েকসীঙ্	-- ৪৩/১

য়াউফম্		লামাই
	(অনীস্ুব তাঙ্কক্)	
৩১ । রাপোক্লোন্ থীলেল : য়ারাগী মরম্দ নৈনব	—	৩৩
৩২ । যারাগী কাঙ্লুপ্	—	৩৩
৩৩ । রাতপ্	—	৩৪
৩৪ । রাতপ্কী মখল	—	৩৫
৩৫ । খোন্তীন্নব	—	৩৫
৩৬ । খোনতীন্নবগী মখল্	—	৩৫
৩৭ । ইন্নুঙ্য়েক্ মসেল্ তীন্নব খং	—	৩৬
৩৮ । খুন্নুঙ্যেক্ তীন্নব খন	—	৩৬
৩৯ । রাতীননব	—	৩৭
৪০ । রাতীননবগী মখল্	—	৩৮
৪১ । য়ারাগী মখল্	—	৪০
৪২ । মীঙ্তাক্কী মখল্	—	৪১
৪৩ । মীঙ্তুত্কী মখল্	—	৪১
৪৪ । মতেক্ ময়াই তাক্পগী মখল	—	৪২
৪৫ । থোৌতাক্কী মখল্	—	৪২
৪৬ । থৌওঙ্ তাকপগী মখল্	—	৪২
৪৭ । মীঙ্তাক্কী পা-পী	—	৪২
৪৮ । মীঙ্তাক্ অমসুং মীঙ্তুত্কী মসীং	—	৪৪
৪৯ । না-পু তাক্প	—	৪৫
৫০ । থৌতাক্কী মতম		৪৫
৫১ । রাহৈ কোলোই থীলেল্	—	৪৬
৫২ । যারা চবুন্ অমসুং মথাপোনব রাবেং	—	৪৬
৫৩ । য়ারা চবুনগী মখল্	—	৪৭
৫৪ । মথাপোনব রারেঙ্	—	৪৮
৫৫ । রাহৈ পবেঙ্	—	৪৯
৫৬ । রাহৈ পবেঙ্গী মখল্	—	৫০
৫৭ । রাবেঙ্গী রাঙাঙ্	—	৫২
৫৮ । পাউদমব বাবেঙ্	—	৫৩
৫৯ । রাহৈ পবেঙ্গী রাইনলোন	—	৫৫
৬০ । যাবা মসক্ তাক্প	—	৫৬
৬১ । লেপ্তাক্ খুদম	—	৫৭
৬২ । পান্থৈ-পানদম্ অমসুং পান্থৈ-পাউবো	—	৫৮
৬৩ । বনান্গী কাঙ্লোন্	—	৬১

—□—

ওনৃনখীব চুম্থোক্প

লামাই	নম্থরব		ওইগদব
৯	আসত্রীক,	—	আস,তরীক্ (আস্ত্রীক্)
৪	অসত্রেলীযাগী	—	অস,তরেলীয়াগী (অস্ট্রেলিয়াগী)
৭	ভাপ,	—	রাখল্
৭	মীতৈরোন্	—	মীহৌলোন্
১০	চাব	—	চ+আ+ব+(অ)
১১	ꯆꯖꯔ	—	ꯆꯖꯔ
১৪	ꯆꯁꯄꯥꯡꯥꯍꯤ	—	ꯆꯁꯄꯥꯡꯥꯍꯤ
২২	লৌগন্নী	—	লৌগনী
২৫	তমলোই	—	তপ,লোই
২৫	ꯄꯟ	—	ꯐꯟ
২৯	ইঙা	—	ইঙেন্
৩২	Wine	—	Wind
৩১	(মখাগী) ꯀ	—	ꯁ
[illegible]	ময়েঙ,সীঙ,	—	ময়েক্সীঙ,
[illegible]	ব,গালা	-	বংগলা
[illegible]	মাচ•,র্স ঙ	—	মচেত,সীঙ
[illegible]	মফক্	-	তফক্ (ত+ফ+ক)
[illegible]	Mix	–	Mixed
[illegible]	লাই-লেল	--	লাই-লেন
৩৬	পামমৈ	—	পাম্জৈ
[illegible]	পাব,নী	—	পাম্বী
৪০	মতীক্ ময়াই তাক্প	—	মীঙ,তাক্কী সক্ওং তাক প
৪১/৪২	Kind	—	Kinds
৪২	মসী, মচু	—	অসী, অচু
৪৭	Kind	—	Kinds
৫০	মখাপোন্ব	—	মকওইব
৫১	তেঙ বাঙ,ব	—	মকওইব

—☆—

(অহানবা তাঙ্কক)

লোন্ অমস্তু মাগী সাগৈ-সলাই

লোন্ (LANGUAGE)

মীওইব কাঙ্লুপ্ন মসা-মসাগী পুক্নিঙ্গী ইচ্ছাসীঙ অমসুং অতোপ্প অমগী মফমদ চৎনবা ভাঙ্ডনবা কয়ীগুম্ব পামবৈ অমগী মতেঙ্না ফোঙ্দোক্লীব অসুবু লোন হাইনি কৌই।

লোন্গী মখল্

(১)	(২)	(৩)
মখোন্, থোক্নবা ভাঙ্ব (ঐখোইন ভাঙ্নবীব লোনসীঙ্)	খোন্থোক্ য়াউদব (মীৎনা ঙকন, খুৎনা ফোঙদোকপ)	অইব লোন্ (ইৎনা ফোঙ দোক্পা)

লোনচৎ পথাপ্ (GRAMMAR)

কয়ীগুমব লোন্ (লোল) অমগী অচুম-অবান্, লোন্ অসুম সীজীন্নরীব য়ারাসীঙ, বাহৈ পরেঙ্সীঙ্গী মসক-মওং, লোইনন সীজীন্নবগী অচুম্-অবান্গী য়াথং, অমসুং তাক্ই। অসুম্নদী ওইরগ য়ারাসীঙ, অমসুং কমদৌনা কদাইদগী লাক্পনো কয়ী কম্দৌনা ওইরক্পনো হাইব অসিগী পাউখুম, পীদে, মসিগী মরম্দ নৈনদে। মসু নৈনবদী লোন্মীৎকী থবক্নি।

লোন চৎ-পথাপ, অসি চৎনলোনগী মখা পোললী, হাইবগী রাহনথোক্তা লোনচৎ পথাপ্না পামব মওঙ্ইন্না চৎনলোন্বু হোঙ্দোক, হোঙ্জীন, তৌব ঙম্দে। মবম, অসীন অকক্নব পান্দম লাক্সীন্ব যাদব হাইব বাফম কয়া লাকই।

লোন্চৎ পথাপ্কী নৈনফম্

(১)	(২)	(৩)
মযেক কী মরম্দ নৈনব (Orthography)	য়ারাগী মরম্দ নৈনব (Etymology)	য়াহৈ পরেঙ্গী মরম্দ নৈনব (Syntex)

লোন মীৎ —(LINGUISTIC)

কয়ীগুম্ব লোন অমগী মচাক-মচল, লৈবাব য়ারাসীঙ, অসু কয়নন কদাইদগী কমদৌনা ওইরকপনো কয়াগী ওইরক্পনো হাইব অসু মচা থাইন তাক্প অসুবু লোন্মীৎ কৌই। মচাক্না লোন অসিগী ওইরমব অমদী ওইবক্লীবগী মরম্ লোইনন মাগী পুরারীগী মরম্দ সনদোক্নু নৈনৈ।

লোন.গী হৌরক.ফম., সাগত.লক.প-সেম.গত.লক.পগী সক.ওঙ.সীঙ, চাউখত.লক.লীব সক.লোম, লোইনন লোন.থৈ কয়া পোক.লক.লীব, অনৌ-অনৌব লোন.পোক, কয়া লোন, অমগ অতোপ.প লোন, অমগ চাঙ.তমনত্নন নৈনব থীলেন অতুবু লোনমীত. হাইন কৌই।

লোন.মীত.কী মরুওইব নৈনফম্—(১)

(১) ---------- (২) ---------- (৩) ---------- (৪)

(১)	(২)	(৩)	(৪)
খোন.থোক.লোন. (Phonology)	রা-য়াবা নৈনলোন. (Morphology)	রাটৈ পরেঙ. নৈনলোন. (Syntex)	রাহনথোক্ নৈনলোন (Semantics)

অতৈ নৈনফম্ খর--(২)

(৫) লোন গী হৌরক.ফম. –(Origine of Language)
(৬) লোন.গী সাগৈ সলাই—(Group of Language)
(৭) লোন.গী পাক. সনব. ফীবম.—(Linguistic Geography)
(৮) মযেক.—(Script)

লোন.গী কাঙ.লুপ. অমসু মাগী সাগৈ-সলাই

লোন.গী মসীঙ, থীব কাঙ.বুসীঙ.ন মালেম. অপুম.ব অসীদ লৈবীব লোলসীঙ.গী মসীঙ, অসী চাউরাক.ন ২৭৯৬ লোম. সুই হাইন হৈরী। মসীদ অমুক. লোন.পোক., লোনথৈ কযাদগী অনৌব লোন মচা-মচাসীঙ, পুল.লপ.ন পুন.সীল.লবদী ৩০০০ লোম. সুরম.ব য়াই হাইন থাজনৈ।

লোন.সীঙ, অসী লৈমাইগী ফীবম. য়েঙ.লগ সরুক. মরী থোক.ন খাইদোক ই। মচুদী :—

(১) য়ুরেসীয়াগী কাঙ লুপ.   (৩) পবসান.• মহাসাগরগী কাঙ লুপ
(২) অফরীকাগী কাঙ.লুপ.   (৪) আমেরাকাগী কাঙ.লুপ।

(১) য়ুরেসীয়াগী কাঙ.লুপ.

খা-য়ুরোপ. অমসু এসীযাগী লম.সীঙ.দ ভাঙ.নব লোন.সীঙ.নী। কাঙ.লুপ. অসীদ সাগৈ তরেত. অমসু সাগৈ লেপ.তরীব লোন. খরসু লৈ।

১। সেমীতীক. সাগৈ–সাগৈ অসী এসীযাগী খা-নোঙ.চুপ. অমসু অরাঙ. অফরীকাগী মফম্সীঙ.দ ভাঙ.নৈ।


২। কাকেসস. সাগৈ–সাগৈ অসী ব্লেক্ সী-দগী কাসপীয়ন্ সী-গী মরক কাকেসস. চীঙ.দ তাব মীসীঙ.ন ভাঙ.নৈ। সাগৈ অসী চীঙ.গী লম.দম.গী লোন. ওইবন লোন.থৈ কয়ামরুম. লৈ। সাগৈ অসীগী মরুওইব লোনদী নারজীয়ন্ হাইবসীনী।

মুপ্‌চীললবা মীতৈ লোন্মীত্, অমসু লোন্চত-পথাপ,

(৩) যুরল্-অল্তাই সাগৈ -সাগৈ অসী য়ুরোপ্কী য়ুরল, অল্তাই ফীনলেন, আবতীক্‌ ওব্‌সন, মেদীতরনেল, সীদগী নোরত, সী ফাউবগী মীসীঙ্‌ন ভাঙ্‌নৈ।

(৪) চীন সাগৈ—সাগৈ অসী মরুওইন চীন, তীবত, বর্‌মা, স্যাম্, কংলৈপাক (মনীপুর) অসাম্‌গী মফমসীঙ্‌দ ভাঙ নৈ।

চীন সাগৈ সলাই অসীদ ঐখোইগী মীতৈলোন অসি য়াউই।



চীন সাগৈ-সলাই অসী হীন্দী লোন্দ "এরাক্‌সর পরীবার" হাইনস্থ খংনৈ। সাগৈ-সলাই অসীগী খাইদগী মরুওইব লোন্ অসী চীন্ লোন ওইবন চীন্ সাগৈ-সলাই হাইনৈ। সাগৈ অসী ইনদো-য়ুরোপীয়ন্ সাগৈগী মথংদ খাইদগী মসীঙ, য়াম্ন ভাঙ.নৈ।

মালেম অপুম্বদ ভাঙ.নরীব লোনসীঙ, অসী অয়ামবন চৈতপ.ন মপুঙ, ওইব মীয়োন্দ হাইরগ 'জোগাতমক্' ওইবনী অদুবু চীন সাগৈগী লোনসীঙ, অসীদী চৈতপ, য়াউদন রাহন্থোক্ ফজনা পীবা মীয়োন.দ হাইরগ 'অজোগাদমক্' ওইব লোন.সীঙনী।

মতুদী :—চৈতপ, য়াউদব —এ চাক্ চাই।

চৈতপ, য়াউব —এনা চাক.তু চাই।

মথক.কী অসীদ চৈতপ, য়াউদব লোন, অসীন চুমব, ফজবা তেললী অতুম ওইনমক, হৌজীক.কী মতম্‌দদী লোন, অতৈগী তেম্‌থেঙ.দগী চীন, লোন, নত.তন অতৈ লোন.সীঙ.দী চৈতপ, য়ামন সীজীন.-নরে। করীগুম্বদ চৈতপ, য়াউদরবদী রাহন.থোক, নুঙ.ঙাইতবগুম্ নাকোইনবগুম তৌরে।

মতুদী :—কনানা কনাদা করীগী রাহু হাইরীবনো ?

অসীগুমব ময়াম্ অসীদগী অখং-অহৈসীঙ.ন পুথোক.পীরক.পদ খর চনৈনব, চয়েত.নব লৈরে। মখোইন হাইরী মীতৈলোন, অসী "তীবেতো-বরমন" (তীবত.-বর্‌মা) গী সাগৈ মন্নুঙ, চল্লী। মতাঙ, অসীদ রায়েত.নীঙাই ওইরীবদী বর্‌মাদগী কংলৈপাক, অসীন খুন.দা-লৈতাব হাল.লী লোইনন তীবত্.ংগীস্ত য়ামন হাল.লী হাইবসী লৈসেম্‌লোন্, খুন.দা-লৈতারোল্ পুয়ান ফজনা তাক.লী। তীবেতো বরমন সাগৈগী লোন, অসীন চীন লোন.গ হেন্.ন নক.সীন.নৈ হাইরবস্ত মখোই অসী থোরক.তবীদৈ মতমদ মীতৈলোন.গ কংলৈ-চীন.গ হান.ন মরী লৈরম্লে। কোন.ন তীবেতো-বর্‌মন, হাইব সাগৈ অম চোঙ-থোক.চরবস্ত মীতৈলোন.দী কংলৈ-চীন, সাগৈগী লোন, ওইদুন লৈরমলবনী।

৫। দ্রাবীর (তামীল.) গী সাগৈ :—সাগৈ অসী খা-ভারত.কী মফম্‌সীঙ., অরাঙ, লংকা, বেলু-চীসতান., ময়াই অমস্ত অরাঙ, ভারত.কী মফম, খরদ ভাঙ.নৈ।

৬। আসত্রীক, (খা-থংবগী) কী সাগৈ :—সাগৈ অসী অসত্রেলীয়াগী মফম খর, পেসীফীক, ওক.সন.গী ইথত, খর, স্যাম., বর্‌মা অসম.গী চীঙ.গী লম.সীঙ, খরদ ভাঙ.নৈ।

৭। ইন.দো য়ুরোপ.কী সাগৈ :—সাগৈ অসী য়ুরোপ, অমস্ত ভারত.কী মফম.সীঙদ ভাঙ.নৈ।

সাগৈ লেপ.তরীব লোন.সীঙ, :—স্থমেরীয়ন্, বাক্‌স, কোরীয়াই, জপানী অসীনচীঙব লোনসীঙ.গীদী সাগৈ লেপ.তরী।

(২) অফরীকা (অফ্রীকা) গী কাঙ.লুপ.

কাঙ.লুপ, অসীদ সাগৈ মঙা লৈ :—

১। বুসমৈন.গী সাগৈ—সাগৈ অসী খা-অফরীকা ওরেন.জ তুরেন., নগামী পাত, ফাউবগী মন্নুঙ.দ ভাঙ.নৈ।

২। বন.তুগী সাগৈ—সাগৈ অসী ময়াই থংব অফরীকা, খা-অফরীকাগী অচৌব সরুক.ত ভাঙ.নৈ।

৩। সুদান্‌গী সাগৈ—সাগৈ অসী অরাঙ্‌, অফরীকা, খা-অফরীকাগী অতৈ মফম্‌ খরদ ডাঙনৈ।

৪। হৈমেতীক্‌কী সাগৈ—সাগৈ অসী অরাঙ্‌, অফরীকাগী মফম্‌ পুম্‌নমক্‌ত সন্‌দোক্‌ন লৈ। ময়াই-থংব অমদী খা-অফরীকা ফাউব সন্‌দোক্‌ই।

৫। সেমীতীব্‌কী সাগৈ—সাগৈ অসী মোবোক্‌কোদগী সুয়েজ কেনেন্‌ ফাউব সন্‌দোক্‌ই। মসী এসীয়াদ মপুঙ ওইন ডাঙ্‌নৈ অতুন য়ুবেনীয়াগী কাঙ্‌লুপ্‌ত য়েঙ্‌বীয়ু।

(৩) পরসান্‌ত মহাসাগরগী কাঙ্‌লুপ্‌

কাঙ্‌লুপ্‌ অসীদ সাগৈ মঙা লৈ :—

(১) ইনদোনেসীয়ন (মালায়ন্‌) গী সাগৈ—সাগৈ অসী মালই ইথত্‌, মপৈ সুমাত্রাগী সকক্‌ খব, রোনীয়োগী মপান্‌দ ডাঙ্‌নৈ।

(২) মালেনীসীয়ানগী সাগৈ—সাগৈ অসী ফীজীনচীঙ্‌ব ইথত্‌, মচা মচাসীঙ্‌দ ডাঙ্‌নৈ।

(৩) পালীনেসীয়ানগী সাগৈ—সাগৈ অসী মালেনেসীয়ান্‌গী খা নোঙ্‌পোক্‌ত ডাঙনৈ।

(৪) পাপুআগী সাগৈ—সাগৈ অসী নিয়ুগুইনীয়াগী অপাক্‌-অপাক্‌প ইথত সীঙ্‌দ ডাঙ্‌নৈ।

(৫) অসত্রেলীয়াগী সাগৈ—সাগৈ অসী অসত্রেলীয়া অমসু •মসেনীয়াদ ডাঙ্‌নৈ।

(৪) আমেরীকাগী কাঙ্‌লুপ্‌

কাঙ্‌লুপ্‌ অসীদ চাউবাকন সাগৈ খর লৈ। সাগৈ লেপ্‌প ঙমদরাব লোন খরসু লৈ।

(১) এস্‌কীমোগী সাগৈ—সাগৈ অসী এস্‌কীমোসীঙ্‌ন ডাঙনৈ।

(২) কনাদাগী সাগৈ—সাগৈ অসী কানাদাদ লৈব মীসিং ন ডাঙনৈ।

(৩) মথাহথ্‌ব আমেরীকাগী সাগৈ—সাগৈ অসী মথাহথ ব আমেরীকাদ ডাঙনৈ।

(৪) মেক্‌সীকোগী সাগৈ—সাগৈ অসী মেকসীকোগী লমসীঙ্‌দ ডাঙনৈ।

(৫) খা-আমেরীকাগী সাগৈ—সাগৈ অসী খা-আমেরীকাগী নথমসীঙ্‌দ ডাঙ্‌নৈ।

কাঙ্‌লুপ্‌ অসীদ লোন্‌গী সাগৈ কুন্‌মুক, লোন্‌ মসীঙ ন চামদ্রুক লৈ হাইরী। ..ঙৌজীক, থৌজীনলাবন অরেপ্‌প হাইব ঙমজদবী।


<u>নীঙ্‌সীঙ্‌জব</u> :—মথক কী লোন্‌গী কাঙ্‌লুপ মরীগী সাগৈ কন নীথোই অসীগী সলাই কয়ামুক্‌ খাইড়ন লৈরী। মখোইসীঙ অতৃ মওং চাদবন মফম অসীদ নৈনজদরে।

মীতৈলোন্‌গী মখল্‌

মীতৈলোন্‌ অসী মনীপুর অপুমবগী কাঙ্‌লুপ, য়ুকপ্‌ পুমনমক্‌কী লাঙ্‌ থাই ওইব লোন অমনী হাইড়ন মনীপুরী হাইন সক্‌খংলী। কুপ্‌ন নৈনরবদী মসী মনীপুরদ লৈনীব কাঙ্‌লুপ্‌ পুম্‌নমক্‌কী ওইব লোন্‌ ওইদব, মীতৈগী লোন্‌ ওইবনীন মীতৈলোন্‌ কৌগনা।

মীতৈগী অথং-অহৈসীঙ.ন অকনব রাফম্ অম হাইরী মতুদী :—তমদ লৈরীব ঐখোই অসী তমমীনী, চীঙ.দ লৈরীব মখোইসী চীঙ.মীনী, চীঙ.মী-তম্মীগী অপুন.ব মমীঙ. 'মীতৈ' কৌই। মতাঙ. চাদবন রাফম অসী নৈনজ্জদবে।

মীতৈলোন.গী মখল্.



(১) ইন্নুঙ.লোন. :—লোন. অসী য়েলহৌভৈদগী সাগোন.নরক.লব খুঙ.-পান অমামক.কী রাঙন লোন. লৈব মতীক.-মযাম লৈব অবীব লোন.নী।

খুদম্ :—হবী মীঙথৈপু অতীঙ.কোক., যোইরেপ পুদাল নঙম সা, চীঙ.উ নখোঙ থাদ সরী লীচ.ন পুনেম্জৈ।

(২) খুন্নুঙ.লোন —খুঙ.গংদ মীয়ামন পাক্-সনন ঙাদ.নরীব, খোলৈ-খোনদা থর সেঙ.ফাত.ত্রব না পু তাব থর রাত.প. থোগল্লোন্ থর নাত.লব খুঙ.গংগী শৈব লোন্দান"।

খুদম : হাই ইবুঙঙো নপা লৈবর হায় ; লৈতে করীগীনো ? কদাই চৎ.থবীজাত নোনে ! নং থংদবাউ ?

(৩) চক্পলোন্ : -চক্প-ফয়েঙ., অনদরোনচীঙ.ব ফুরুপ, খবন ঙাঙ নরীব লোনথৈ অমনী। অসুম থৈথীগন অতোপ.প লোন.পোক্ ওনথীব যাউদুন রাঙনথোব্ খংদব কযাস্থ য়াউই।

খুদম :— হকাহখাঙ. অমকা, খোঙ.নোই অমকা য়াক.কী পীযো ইপা। হাইপা নপা সারেতো ! নং ঙমবরা হা ?

(৪) রাঙ.উলোন্ :—মসাগী ওইন নুঙ.গী ফজব রাহন লৈব, মপান্দ ইচম্ চমবস্থ মানব, মীতোপ.ন পাবদ ইচম্ চম্ব রাহন্ লৈব অতুগ মাগী ওইব নীদ অকব পোমীত. তাক.প মতীক. মযাই লৈব লোন্নী।

খুদম্ :—উচী চী-চী থাং.মৈতত., থকঙ. মপান. খৌসাব, সেঙ তাক. লাক.ই ফরং।

উরুম্ লৈম চ.সীললো. নুঙ.সা লৈম থোরক.লো.
হাউরেবীগী ইঙ.খোল.দ লসীঙ পোলাঙ. অম থনম্বনী
সান-ঙান সোক.কনী স্না স্না তান.থোক.লো।

(৫) কংলৈলোন্‌ :— থাক্‌ খর ৱাঙ্‌ব কংলৈ ময়োল্‌গী ওইব লোন্‌, (ওফীসীয়েল্‌ ওইব লোন্‌) চত্‌নলোন্‌, থৌগল্‌লোন্‌, ফজন য়াউরব ফজব লোন্‌বু কংলৈলোন্‌ হাইন কৌই।

খুদম্‌ :— ইনীঙ্‌থৌবু ননাই ইপু সনা কংলা কাজরক্‌লে নীঙ্‌থেম ইপু ইবুঙ্‌ঙো লেঙ্‌সীন্‌বীসী খুদারোম্‌দ।

(৬) চত্‌নলোন্‌ :— কংলৈলোন্‌দগীসু খর থৈথব, খুনুঙ্‌ লোন্‌দগীসু থাক্‌ খর হাইগত্‌লব ময়াই ওইরপ্‌ন অমসু অমসু য়ানব লৈবাক্‌ অপুম্‌বগী ওইব চত্‌নলোন্‌ অহুবুনী।

খুদম্‌:— হৌজীক্‌কী মতম্‌ অসী য়াম্‌নদী চাউখত্‌লে হাইনৈ, অদুবু অমন অমবু সেত্‌তুন চানরে, কদাইদ করম্‌ চাউখত্‌লীবনো ভাপ্‌ তাদে।

(৭) খোরীলোন্‌ :— অথোত্‌-অনৌ, লৈসী-লৈথোন্‌ব অমেঙ্‌ব খোরীলোন্‌ (সাহীত্য) গী ওইব ৱারেঙ্‌ সৈরেঙ্‌গী লোন্‌দা-পুদা অদুবু খোরীলোন্‌ হাইন খংনৈ।

খুদম্‌:— মালং সাহুম ফংবদ, ইথক্‌ন ভগোই সারক্‌পে,
নুমীদাঙ্‌ৱাইরম্‌ ওইরক্‌লে, পাক্‌প কোরৌহন্‌বন চীঙ্‌য়া তম্‌যা পাঙ্‌খরে।

মীতৈলোন্‌গী সাগৈ-সলাই ঃ

হৌজীক্‌ মীতৈলোন্‌ অসীগী মরম্‌দ ইনরীব লাইরীক্‌সীঙ্‌ অসী মীতৈলোন্‌ মসাগী ওইব সক্‌তম্‌, মওং-মতৌ অমদী খোন্‌থোক্‌ ইৱাই-ইনীল্‌ লোইনন লোন্‌ অসীগী পারী-পুরী, মসাগী মীতৈরোন্‌, পুনারীনচাঙ্‌বগী ৱাফম্‌ ইয়েঙ্‌ য়েঙ্‌বীদন মীতৈলোন্‌ খংদব অতোপ্‌প মীন হাইবগী ৱাফমদ যুম্‌ফম ওইদুন লৈনরীবসী লাইবক্‌ থীবনী।

লৈবাক্‌ অসীগী অথং-অহৈনী হাইদুন লৈরীব ওৱাসীঙ্‌ন দাক্তর গ্রীয়ারসেনগী ৱাফমদ যুমফম্‌ ওইদুন মীতৈলোন অসী 'তীবেতো বর্‌মন্‌' গী সাগৈ সলাইনী হাইন নৈনরী। নৈনরীব অসীদ লোন অসীগী মনুঙ্‌গী ওইব ৱাফম্‌দী থয়াইনন থম্‌লগ 'তীবেতো বর্‌মন্‌' সাগৈগী অতৈ লোনসীঙ্‌ন মপুঙ্‌ ওইন নৈনরী। অমবোমদ অমুক দাক্তর ভোলানাথ তীৱারীগী মতুঙ ইন্‌ন মীতৈলোন্‌ অসী হাইরীব তীবেতো বর্‌মন্‌ অসীগী মনুঙ্‌দ লৈব কুকী-চীন্‌ হাইব মসা অমনী হাইত্তন মপুঙ ওইন লৈরীব মীতৈলোন্‌ অসী মচেত ওইন লৈরীব কুকী লোন্‌গী লোন্‌থৈ অম ওইহন্‌লী। কুকী-চীন হাইরবদী যাম্‌নসু চাউরে। তীবেতো বর্‌মন্‌ হাইরবদী পীক্‌পসু পীকই। অপীক্‌পদগী অচৌব থাইদোক্‌প য়াব হৌনদে।

অমুক্‌ত হন দানন খন্‌বীসী—মীতৈ লোন্‌ অসী কুকী লোন্‌গী লোন্‌থৈ মসা অমনী হাইবসী কনানসু য়ানীঙ্‌দে। কুকী লোন্‌ অসী মীতৈলোন্‌গী লোন্‌থৈ অমনী হাইবদী য়াই। অমুকসু য়েঙসী তীবত্‌ হাইব অসী খুন্‌দাব য়াম্‌ন নৌরিবনী লোইনন বর্‌মাদগী এরথোইগী কংলৈপাক্‌ অসীন খুন্‌দা-লৈতাব য়াম্‌ন হান্‌বগী ৱারী-ৱাখোঙ্‌ কয়া মীহৌরোল্‌ পুৱারীগী ৱারী ৱাখোঙ্‌ কযান তাক্‌তুন লৈরী।

হান্‌ন খুন্‌দাদুন লৈরব মপুঙ্‌ ফাব লৈবাক্‌ অমগী মসাগী তোঙান ব মযেক্‌সু লৈজবব মপুঙ্‌ ফাব লোন্‌ অমবু কোন্‌ন খুন্‌দারক্‌প কাঙলুপ্‌কী মসাগী ময়েক্‌ ফাউব লৈজদব লোন্‌ মচা অমগী লোন্‌গী মসা অমনী হাইবসী ৱাথল্‌ খল্‌হৌদবদগী য়ারুবনী। ভসীদী মতু ওইথোক্‌তরে।

সম.ন হাইজরবদ এসীয়াগী লম দ য়াম ন লীরব লৈবাক, অসী চীন, অসীনী। কংলৈপাক, অসীসু য়াম.ন লীবব লৈবাক্নী হাইবসীসু পুয়ান হাইবদ নত.তন অথং-অহৈসীঙ.ন খেবু চীঙ.নচীঙ.বগী লৈবাক, অসী কয়াম, লীরবগে হাইতুন চাঙ.য়েঙ, তৌবদগীসু য়ানখরে। নক.ন-নক.নব লৈবাক, মসেন, অসী লোন্.দ, ময়েক.ত করীদ খর খর মান.নব মতৌ লৌনব-হাইবসী হৌনবনী। কংলৈপাক, অসীদী মমাঙ.ঙৈদ নোঙ.পোক, লম.দম.গ মরী লৈনরক পনী নোঙ চুপ, লম দম.গ মরা লৈনরক.পদী পংকুই কুইদরীবনী।

চীন.গী লোন অসী য়ারা অমত.তদ খোন.থোক খেত নবগী মতুঙ, ইন ন তোঙান-তোঙান.ব রাহন.থোক, কয়া লৈ মতুদী:—'তাও' হাইবসী—লম.বী, ফীরান,, ঙক.সম, থক.খন রাহন, মরী লৈ। মীতৈলোন, অসীসু য়ারা অমত.তদ খোন.থোক্ অরুম্ অয়াঙ.গী মতুঙ, ইন.ন তোঙান, তোঙান.ব রাহন.থোক্ থোকহল.লী মতুদী—চাব—ইসীঙ.দ ভা চাব; চাব—ফা ইচা-চাথোক.প; চাব—চাক, চাব।

চীন.গী লোন, অসী চৈতপ, সীজীন.নদবগুম্ মসা মথন.ত না-পু তাজে। ফম.ফম, খেত নবগী মতুঙ, ইন.ন রাহন.থোক, তোঙান, তোঙান.হল.লী। মতুদী—

লুআ পও মীন,—কন.বীরে নীঙ.থৌন মীয়াম.বু।

মীন, পও লুআ—ময়াম.ন নীঙথৌবু কনবীরে।

মীতৈলোন.গীদী মমাঙ.ঙৈদদী চৈতপ, কয়া য়াউনম.দবগী খুদম, ফংই অতুবু হৌজীক.তী ভার•.কী লোন.-সীঙ.গী তেম.থেঙ.দগী চৈতপ, অসী য়াউবরোম.দ নক.সীল.লকলে। মতাদ—

(ঐ চাক, চাই; ঐ চাক, চাব এই) ঐনা চাক.তু চাই;

ময়েক.কী সক.তম.সু চীন, লোন.গী ময়েক.ক থুত.ই মওঙ, মান.নবগুম উই। মরম.সীঙ, অসীন মথক.ত কুকী-চীন, হাইবতুগী মতুত.ত কংলৈ-চীন, হাইতুন মীতৈলোন, অসী কংলৈ-চীন সাগৈগী লোন, অমনী। অতুগ তীবেতো-বর্মন, হাইব অতু কংলৈ-চীন, সাগৈগী সলাই মচা অমনী অতুগী মথক.ত কুকী-লোন, অসী মীতৈলোন.গী লোন.থৈ মচা অমনী অতুন কুকী-চীন, হাইবগী মতুত.তে মীতৈলোন, অসী কংলৈ-চীন, সাগৈগী লোন, অমনী হাইগনী।

লোন.চত, পথাপ.কী থীলেল্ অহুম্

লোন্.চত, পথাপ.—

লোন্চত, পথাপ, কদাইবু কৌই হাইবগী রারোল, অতু মমাঙ.গী রাহৌদোক.কী মতাঙ.দ নৈনখরে। মহৌসান লোন্.চত, পথাপ, হাইব অসী থীলেল, অহুম.গী পংখৈদ নৈনব ভাক.তনী মতুদী:—

লোন.চত, পথাপ, (GRAMMAR)

(১)	(২)	(৩)
রাকোক.লোন, থীলেল,	রাপোক.লোন, থীলেল,	রাহৈ কোলোই থীলেল,
(Orthography)	(Etymology)	(Syntex)
(ময়েক.কী মরম.দ নৈনব)	(য়ারাগী মরম.দ নৈনব)	(রাহৈ পরেঙ.গী মরম.দ নৈনব)

১। রাকোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌

থীলেল্‌ অসী ময়েক্‌কী মরম্‌দ নৈনবনী। ময়েক্‌কী মসক্‌ মওং, হৌরক্‌ফম্‌ অমদী পান্‌দম্‌ তাক্‌প লোইনন খোন্‌থোক্‌লোন নৈনব, চৈসীং, ময়েক্‌সীং‌গী মরমদ রাং‌উলোননচীং‌ব নৈনদুন তাক্‌ই। ময়েক্‌ হাইবসী খোন্‌জেল্‌গী পীক্‌ল-পীক্‌লব মচেত্‌সীংগী মসক্‌ লাক্‌তুন রা-য়ারাবু সেম্‌গত্‌-সাগত্‌পগী য়ামন মরুওইব তঙাইফদরব মচাক্‌ অমনী। ময়েক্‌কী মরম্‌দ নৈনব থীলেল্‌ অদুবু রাকোক্‌লোন থীলেল্‌ কৌই।

২। রাপোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌

থীলেল অসী ময়েক্‌ন সাগত্‌লক্‌তুন সেমলক্‌প য়ারা অদুগী মরমদ নৈনবনী। য়ারা হাইবগ রাহৈ হাইবগ খেত্‌নব লৈ। য়ারা হাইনসী ইংগরেজীগী 'রারদ' হাইব অদুনা; রাহৈ হাইবসীদী রা হাইবদী য়ারা, হৈ হাইবদী মহৈ য়াল্‌লব হাইবদী মহৈ যাল্‌লব রাফম্‌ অদুবু তাক্‌ই। অদুনদী মহৈ য়াল্‌লব, মপুং ফাব রাহনথোক্‌ লৈব অদুবু রাহৈ কৌই। মপুং ফাব রাহনথোক্‌ লৈরবদী মদুবু রাহৈ-পরেং কৌই। অদুন য়ারা হাইবনী। হাইরীব রাপোক্‌লোন থীলেল্‌ অসাদ য়ারা সেমব, য়ারাগী মথল্‌, য়ারাগী তোঙান্‌ তোঙানব সক্‌লোন অমদী মথল্‌নচীংবগী মরম্‌দ নৈনদুন রাহৈ পরেং সাগত্‌নবগী তঙাইফদব মচাক্‌-মথল্‌ ওই। য়ারাগী মরম্‌দ নৈনব থীলেল্‌ অদুবু রাপোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌ কৌই।

৩। রাহৈ কোলোই থীলেল্‌

থীলেল্‌ অসীদ যারা পরেং, লেং‌সীনদুন রাহৈ পরেং সেম্‌গত্‌পগী মরম্‌দ নৈনৈ। থীলেল্‌ অসীদ রাহৈ পরেংগী মসক্‌-মওং, অমদী মথল্‌ লোইনন রাহৈ পরেং সাগত্‌প অমদী থুগাইদুন নৈনব চত্‌নলোনগী অচুম-অবান অমদী রারেংগী রাহন্‌থোক্‌নচীংবগী মরম্‌দ নৈনৈ। রাহৈ পরেংগী মরম্‌দ নৈনব থীলেল্‌ অদুবু রাহৈ কোলোই থীলেল্‌ কৌই।

(১) রাকোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌
(ORTHOGRAPHY)

ময়েক্‌কী মরম্‌দ নৈনব :—

রা—যারাগী রাকোক্‌ অসী খোন্‌জেল্‌নী, হাইবগী রাহন্‌থোক্‌তী খোন্‌জেল্‌ মচেত্‌ মচেত্‌ন পুন্‌সীল্‌লগ যারা সেম্‌ই। রানী হৌবক্‌ফম ওইবীব ময়েক্‌কী হৌরক্‌ফম, খোন্‌থোক্‌নচীংবগী মরম্‌দ নৈনব থীলেল্‌ অদুবু রাকোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌ কৌই। খোন্‌জেল্‌ মচেত্‌ মচেত্‌সীংগী মসক্‌ লৌরীব ময়েক্‌ অদুগী মতেং‌ন য়ারা সেম্‌ই। মা অদুবু য়েক্‌ই হাইদুন ময়েক্‌ কৌই।

ময়েক্‌ হাইবসী খোন্‌জেল্‌গী পীক্‌ল-পীক্‌লব খোন্‌থোক্‌কী সরুক্‌ মচেত্‌ মচেত্‌সীংগী তোঙান তোঙাল্‌লব খুদম্‌সীংনী।

মালেম অপুম্‌বসীদ লৈরীব ময়েক্‌সীং অসী ময়েক্‌ অমদ খোন্‌জেল্‌গী খুজীং অমমম্‌ত লৈব কাংলুপ্‌ অম অদুগ খুজীং অমদগী হেন্‌ন লৈব হাইদুন অনী থোক্‌ন থাইদোক্‌ই। খুদম্‌ ওইন হাইরবদ 'অ' হাইব ময়েক্‌ অসী হাইদোক্‌পদ খোন্‌জেল্‌গী খুজীং অমমম্‌ত লৈ হাইবদী খোন্‌জেল্‌গী

খ,রাইদগী অতেনব সরুক অমত,তনী। 'ঐ' হাইব ময়েক, অসী অ+ই=ঐ হাইদোকপদ খোনজেল,গী খুজীঙ, অনী লৈ, হাইবদী খোনজেল,গী তাঙ,কক মচেত, অনী লৈ। অসুমন ময়েক হাইবসী কাঙ,লুপ, অনী সুই।

(১) খোনজেলগী খুজীঙ, অমত,ত লৈব ময়েক (Alphabetic)
(২) খোনজেল,গী খুজীঙ, অমদগী হেনব ময়েক (Syllabic)

খোনজেলগী খুজীঙ, অমত,ত লৈব ময়েক হাইবসী 'ক' হাইব ময়েক অসীদ (ক+অ) 'অ' গী খোনথোক য়াউদব; 'খ' হাইবসীদ (খ+অ) 'অ' গী খোনথোক য়াউদব হাইবনী। খুদম ওইন 'ই' হাইব ময়েক অসীগী খোনথোকত 'অ' গুম্ব খোন,থোক, য়াউদে, ইংগরেজ'দ হাইরগ ফোনীম অমত,তমক, লৈব ময়েক, হাইবনী।

ইংগরেজী ময়েক, হাইন খংনরীব রোমান, ময়েক, অমদী মীতৈ ময়েক, অনী অসী খোন,জেম,গী খুজীঙ, অমত,ত লৈব ময়েক, ঙাক,তনী।

খোন,জেল,গী খুজীঙ, অমদগী হেন,ব ময়েক, হাইবসী 'ঐ' হাইবসীদ অ+ই=ঐ; 'ক' হাইবসীদ ক+অ=ক হাইডুন খোন,জেল,গী খুজীঙ, অনী-অনী সুই। অসুমব ময়েক, কাঙ,লুপ,পু খোন,জেল,গী খুজীঙ, অমদগী হেন,ব ময়েক কৌই। অরবী, ফারসী, বংগলা, গুজরাতী, উরীয়া, তামীল, অমদী তেলগু-নচাঙ,বগী ময়েক,সীঙ, অসী খোন,জেন,গী খুজীঙ, অমদগী হেন,ব ময়েক, ঙাক,তনী।

মীতৈ ময়েক,তী খোন,জেল,গী খুজীঙ, অমত,ত লৈব ওইবন বংগলা ময়েক,কুমব খোন,জেল,গী তাঙ,কক অমদগী হেন,ব ময়েকসীঙ,গ চাঙ,দম,নডুন ইব অমসুং তম্বদ চুঙ,সীন্নদব, খুদোঙ, চাদব য়াম্ন লৈ। অডুন মীতৈ ময়েক তম্ব মতম্দ ইংগরেজী ময়েক,কা চাঙ,দম,নডুন তম্ব খুদোঙ, চাই।

খোন,থোক,লোন, হাইব্দী ফোনোলোজীগী লোসীঙ, লৈতব মীন ময়েক,কী মরমদ নৈনবদী মওঙ, তাব ঙম্দে, অহোইনন মহাক,ন খংলীব অডুগ মান,নদে হাইডুন মীগী ময়েক,পু মবাল, পীসাল,লী।

নীঙ,সীঙ,জব:—মীতৈলোন, অমসুং মীতৈ ময়েক,কী থোবুদী মীতৈন ওইগনী। অতোপ,পসীঙ,দগী লোসীঙ, লোবদা য়াই, অডুম, ওইনমক, মখোইবু মপু ওইহন,ব (হাইবদী মখোইবু ওথোরাতীনা হাইবদী) য়াদে।

মীতৈলোন,গী খোনজেল,গী খুজীঙ, পুথোক,প

খোন,জেল,গী খুজীঙ, (Phoneme)

রাহন,থোক, পীনবগী মচাক, ওইব খোন,জেল,গী খরাইদগী পীক,থব মচেত, অডুবু খোন,জেল,গী খুজীঙ, কৌই। খুদম:— চাব হাইব য়ারা অসীগী খরাইদগী পীক,থব খোন,জেল,গী খুজীঙ,দী চ+অ+ব+অ=চাব অসীনী মচেত, মচেত, খাইদোক,লীব অসীদগী অমুক, পীক,থহন,ব য়াদরে। অসীগুম,ব খোন,জেল,গী খ,রাইদগী পীক,থব সরুক,কা মহুৎ,সীন,ব খুদম, অসীবু ময়েক, হাইবদা মা অডুবু য়েক,সীন ডুন থম,ই হাইডুন ময়েক, কৌনবতনী।

খোন জেল,গী পীক,ল পীক,লব সরুক, মচেত,কী মহুত,সীন,ব খুদম, অডুবু ময়েক, কৌই।

অদুম্‌ ওইনমক্‌ ময়েক্‌ হাইবগ খোনজেল্‌গী খুজীঙ্‌ হাইবগ খেত্‌নব লৈ হাইবগী খুদম্‌ মথক্‌ত ওত্‌খরে। হাইবদী খোন্‌জেল্‌গী খুজীঙ্‌ অমত্‌তমক্‌ লৈব ময়েক্‌কী কাঙ্‌লুপ্‌ অদুগ খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্‌ অমদগী হেন্‌ব কাঙ্‌লুপ্‌ অদুগ অনী মথক্‌ত উত্‌খরে।

ইংগবেজীগী 'খ' লৈতে kh. না সাই; মসীদ 'k' ময়েক্‌নী. 'h' ময়েক্‌নী, kh. হাইব ময়েক্‌ লৈতে; অমুক্‌সু 'র' হাইব ময়েক্‌ অসী র+আ+ই=রাই, পাবদ খোন্‌জেল গী খুজীঙ্‌ অহুম্‌ লৈরে। অদুবু বনান্‌ তৌবদ লৌরাবদী 'র' গী লোনসুমগুম্‌ খোনথোক্‌কী খ্‌বাইদগী পীক্‌প খুজীঙ্‌ (phoneme) অদুতবু লৌগনী অদুন 'করী' হাইববু কোরী হাইন পারোই. কক্‌চেঙ্‌ হাইববু কোক্‌চেং হাইন পারোই, অসুমন king হাইববু কেইঙ্‌ হাইন পারোই কীঙ্‌ হাইন পাগনী।

ময়েক্‌ অমদ খোন্‌জেলগী খুজীঙ্‌ অমত্‌ত লৈবসু লৈ, অমদগী হেন্‌বসু লৈ হাইবসী মথক্‌ত উত্‌খরে, অদুন খোন্‌জেল্‌গী খুজীঙ্‌ হাইবসীদী খোন্‌থোক্‌ অদুগী খ্‌রাইদগী পীক্‌থব সন্দক, অমুক্‌ পীক্‌থন খোন্‌থোক্‌ তৌনীঙ্‌ঙাই লৈতবব অদুবু খংনৈ। ইংগবেজদ মসীবু ফোনীম্‌ কৌই।

মীতৈ ইনুঙ্‌য়েক্‌ অমসুং খুনুঙ্‌য়েক্‌ পুথোক্‌প

নীঙ্‌সাগী ইচেল্‌ অতীঙ্‌ব ইনুঙ্‌য়েক্‌ (Vowel)—৩

ꯑꯇꯤꯌꯥ—'ꯑ' (অ); ꯏꯌꯥꯅꯛ—'ꯏ' (ই); ꯎꯅꯥꯞ—'ꯎ' (উ)

অতৈ খোনথোক্‌কী খুজীঙ্‌সীঙ্‌দী 'অ' ইয়েক্‌ত চৈতপ্‌, চৈনপ তপসীনদুন অমদী নপ্‌সীনদুন পুথোক্‌ই মদুদী অ+া=আ, অ+ে=এ, অ+ৈ=ঐ, অ+ো=ও, অ+ৌ=ঔ, অ+ং=অং অসুমন (অ), আ, (ই), (উ), এ, ঐ, ও, ঔ, অং নচীঙ্‌ব কয়া সেম্‌ব য়াই অদুবু অ, ই, উ অহুম অসীতন পুথোকপ যাব মরমন পোত্‌লুম হেনগত্‌নব অতৈ ইনুঙ্‌য়েক্‌ পুথোক্‌লুবগী মথৌ তাদে।

অদুন মীতৈ ময়েক্‌কী ইনুঙ্‌য়েক্‌ অহুম ওনী হাইন লৌগনা। মসীবু ইংগবেজীদ ভৌরেল্‌ কৌই।

নীঙ্‌সাগী ইচেল্‌ তৌঙ্‌দব মীতৈ খুনুঙ্‌য়েক (Consonant)--২৪

ꯀꯣꯛ—ꯀ (ক);	ꯁꯝ—ꯁ (স);	ꯂꯥꯏ—ꯂ (ল).
ꯃꯤꯠ—ꯃ (ম).	ꯄꯥ—ꯄ (প);	ꯅꯥ—ꯅ (ন),
ꯆꯤꯜ—ꯆ (চ):	ꯇꯤꯜ—ꯇ (ত);	ꯈꯧ—ꯈ (খ);
ꯉꯧ—ꯉ (ঙ):	ꯊꯧ—ꯊ (থ);	ꯋꯥꯏ—ꯋ (ৱ),
ꯌꯥꯡ—ꯌ (য):	ꯍꯨꯛ—ꯍ (হ);	ꯐꯝ—ꯐ (ফ)
ꯒꯣꯛ—ꯒ (গ);	ꯓꯝ—ꯓ (ঝ);	ꯔꯥꯏ—ꯔ (র),
ꯕꯥ—ꯕ (ব):	ꯖꯤꯜ—ꯖ (জ):	ꯗꯤꯜ—ꯗ (দ),
ꯘꯧ—ꯘ (ঘ);	ꯙꯧ—ꯙ (ধ);	ꯚꯝ—ꯚ (ভ):

মীতৈ ইয়েক্‌কী ইনুঙ্‌য়েক্‌ অহুম, খুনুঙ্‌য়েক্‌ কুনমরী পুন্‌ন ইয়েক্‌ ২৭ লৈ। মখোইসীঙ্‌ অসী খোনজেল্‌গী খুজীঙ্‌ অমমমত্‌ লৈব ফোনীম (Phoneme) তাক্‌তনী।

অকম্‌-অয়াঙ্‌গী খুজীঙগী খুদম্‌ অহুম্‌ :—

মীতৈলোন্‌ অসী খোনথোক্‌ অয়াঙ্‌-অরুম্‌গী মতুঙ্‌ ইনন হাইনথোক্‌ তোঙান্‌ তোঙান্‌ থোক্‌প লোন্‌ অমনা। লোন অসিগী খোন্‌থোক্‌ অযাঙ্‌ব অম, খোন্‌থোক্‌ অরুম্‌ব অম করীগুম্‌বদন ময়াই ওইব খোন্‌থোক্‌ অমগ পুন্‌ন খোন্‌থোক্‌ অহুম লৈ। মকুওইবদী খোন্‌থোক্‌ অয়াঙ্‌ব অমগ খোন্‌থোক্‌ অকম্‌ব অমগ অনী অসীতনী।

বনান্‌ চপ্‌ মান্‌নব য়াবা অত্থ খোন্‌থোক্‌ অযাঙ্‌-অরুম্‌গী মতুঙ্‌ইন্‌ন হাইনথোক্‌ তোঙান্‌ তোঙান্‌ পীরী :—

(১) অয়াঙ্‌ব খোন্‌থোক্‌ (/)	(২) ময়াইওইব খোন্‌থোক্‌ (—)	(৩) অরুম্‌ব খোন্‌থোক্‌ (.)
কা´ম্‌ব (নীঙ্‌সা কাম্‌ব)	কাম্‌ব (পোঙ্‌খত্‌প)	ক.াম্‌ব (লু-নান্‌দব)
চা´ব (ইসীঙ্‌দ ঙা চাব)	চাব (ইচা চাথোক্‌প)	চ.াব (চাক্‌ চাব)
চু´ম্‌ব (খোইদব)	চুম্‌ব (লানদব)	চু.ম্‌ব (মরীব্‌ চুম্‌ব)
তু´ম্‌ব (মসক্‌ উদরব)	তুম্‌ব (মতোন্‌ তুম্‌ব)	তু.ম্‌ব (মতুম্‌ তাব)
পা´নব (উহৈ পান্‌ব)	পানব (উচন্‌ পান্‌সীন্‌ব)	প.ান্‌ব (মচু থোক্‌প)
ম´তোন্‌ (মথক্‌কী মতোন্‌)	মতোন্‌ (মখুরা)	ম.তোন্‌ (ময়োন চোঙ্‌ব)
মী´ (ফক্‌লাঙ্‌দ লৈব মী)	মী (ইসাগী ইমী)	ম.ী (তাইবং মী)
ম´পান্‌ (মপান্‌ সাত্‌প)	মপান্‌ (পুখরী মপান্‌)	ম.পান্‌ (মউ)
স´ম্‌ব (খুত্‌ সম্‌তুন চীঙ্‌ব)	সম্‌ব (তত্‌পচ সম্‌ব)	স.ম্‌ব (লমদা সম • ত্‌প)
সী´ব (পয়া সীব)	সীব (মী সীব)	স.ীব (লেপাক সীজীন্‌ব)

মথক্‌কী খুদম্‌ অহুম্‌ (/) (—) (.) অসিগী মনুঙ্‌দ খুদম অনী ফাউবসিদা মালেম্‌ অপুন্‌বগা ওইন চত্‌নব খুদম্‌নী অতুগ অহুম্‌সুব খুদম্‌ (.) অসীদা মীতৈলোন্‌গী ওইব খোন্‌থোক লুম্‌থব থংনব মতাঙ্‌দ সীজীননবনী। মসীবু লুম্‌ (.) কৌই। লুম নম্‌দব ময়েক্‌সিঙ্‌গী খোন্‌থোক্‌সিঙ্‌দা অয়াঙ্‌ব খোন্‌থোক্‌ ওইন পাগনী।

বংগলা ময়েক্‌কী স্‌রর ময়েক্‌ত হ্রস্‌ব হাইবত্থ অতেনব খোন্‌থোক্‌ হাইবনী। অয়াঙ্‌ব খোন্‌থোক্‌ হাইব নত্‌তে; দীরঘ হাইব অতুস্থ খোন্‌থোক অসাঙ্‌ব হাইবনী অকম্‌ব খোন্‌থোক্‌ হাইব নত্‌তে। ঐখোইন মীগী খোন্‌থোক্‌ অতেল অসাঙ্‌ অতুবু ঐখোইগী অকম্‌ অযাঙ ওইন সীজীন্‌নৈ অতুবু মখোইগী অসাঙ্‌ব খোন্‌থোক অতুন ঐখোইগী অরুম্‌ব খোন্‌থোক্‌ পীব ঙমদব কয়া য়াউরী। অতু-গুম্‌বথু রাবেঙ্‌ন তাক্‌প তাই অতুম্‌ ওইনমক্‌ রাযেঙ্‌ন তাক্‌লব ফাউবদ খোন্‌থোক্‌ লুন্‌থবগী বনান্‌ তৌব ঙম্‌দব কয়া য়াউরী।

মতুদী :—(১) মফম্‌ অসীদ 'কৈ' অম লৈ। (কৈ হাইব সা)
মফম্‌ অসীদ 'কৈ' অম লৈ। (ফৌ থম্‌নব সং)
(২) 'তল' য়াম্‌ন হৌই। (মসীঙ্‌ য়াম্‌ন)
'তল' য়াম্‌ন হৌই। (য়াম্‌ মকুপ্‌ন)

বনান চপ, মাননব য়ান্নাবু খোনথোক, মাননদন পাব লাইবসী চুমদে। হবোন, ওইবন ঐখোইন নম,তুন খংনজবনী, অতোপ পন পান্নবদী খোন,থোক, চপ মান,নদ্রনী। খোন,থোক চপ মান নন্নবদী মাগী ন্নাহন,থোক,সু মসান মান,নব তাবনি। অতুন মসীঙ, য়াম,জন্নবসু বংগলা ময়েক,ন মীতৈলোন,গী বনান, শুন ইব ভম,দব যাম,ন লৈন্নী। মীতৈ ইযেক,ন ইববদী (•) ল্লুম, হাইব অম নন,লগ খোন,থোক, লুমথন পাগনা অতুন অন্নাত,প লৈতে।

মতুদী .—কৈ - কৈ হাইব সা; কৈ• ফো-চেঙ থমনন স

যাম,ন - মস'ঙ যামন• ব•াম,ন যাম মগুপ।

বংগলা অমদা নাগনী ময়েক,ত লৈব খোন,জেংগী পুজীঙ, অমদা খোনথোক, হাহবনা মখোইগী ময়েক, অবব মখৈ কোহগী থুতুন ঐখোইন মীতৈ ইয়েক,ত হাপ,চীন,গদব নত তে। খান,থোক তড়াই-ফদব লাক,তুন ময়েকত হাপ,চৌন,নবদী মযাম,গী ওইনসু চংনব লে। অতবু মনা মনাগী ৈজব পান,দম, কাইহন,বদী যাদে।

ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ ꯱꯸

ꯀ K (ক) ꯀꯣꯛ (কোক)	ꯁ - S (স) ꯁꯝ (সম)	ꯂ L (ল) ꯂꯥꯏ (লাই)
ꯃ M (ম) ꯃꯤꯠ (ম •)	ꯄ = P (পা) ꯄꯥ (পা)	ꯅ N (না) ꯅꯥ (না)
ꯆ CH (চ) ꯆꯤꯜ ( )	ꯇ T (•) ꯇꯤꯜ (• •)	ꯈ KH (খ) ꯈꯧ ( )
ꯉ NG (ঙ) ꯉꯧ (ঙৌ)	ꯊ TH (থ) ꯊꯧ (থৌ)	ꯋ W (ৱাই) ꯋꯥꯏ (ৱাই)
ꯌ Y (য) ꯌꯥꯡ (যাঙ)	ꯍ H (হ) (ꯍꯨꯛ), ꯍꯨ (হু)	ꯎ U (উ) ꯎꯟ (উন)
ꯏ - I (ই) ꯏ (ই)	ꯐ PH (ফ) ꯐꯝ (ফম)	ꯑ A (অ) ꯑꯇꯤꯌꯥ (অতিযা)

ꯒ = G (গ)	ꯓ = JH (ঝ)	ꯔ = R (র)
ꯒꯣꯛ (গোক)	ꯓꯝ (ঝম)	ꯔꯥꯏ (রাই)
ꯕ = B (ব)	ꯖ = J (জ)	ꯗ = D (দ)
ꯕꯥ (বা)	ꯖꯤꯜ (জীল্‌)	ꯗꯤꯜ (দীল)
ꯘ = GH (ঘ)	ꯙ = DH (ধ)	ꯚ = V (ভ)
ꯘꯧ (ঘৌ)	ꯙꯧ (ধৌ)	ꯚꯝ (ভম্‌)

[illegible]

'ꯀ' তগী 'ꯑ' ফাওব ইকেক্ ১৮ অসি য়েলহৌঙৈদগী সাগোননবলব ইয়েকনে,

'ꯒ' তগী 'ꯚ' ফাওব ইয়েক্ ৯ অসি খোনথোক লোমথবক্‌পদগী পুথোকপাবন ইয়েক্‌নে।

পুনন ১৮+৯= ২৭ ময়েক্ কুন্‌তরেত্‌, অসি মীতৈগী মপুঙ্‌ ইয়েক ন [illegible]। (অৈ থরম্‌ চাইচন লৈরী মখোই অদু এখোইগীর মীগীব হাইবদু থীজীন্‌নরী।)

[illegible]

[illegible]

ꯀ

ꯁ

ꯂ

ꯃ

ꯄ

ꯅ

ꯆ

ꯇ

ꯈ

ꯉ

ꯊ

ꯋ

ꯌ ꯍ ꯎ

ꯏ ꯐ ꯑ

ꯀ
|
ꯒ

ꯁꯥꯀꯣꯟꯗꯒꯤ ꯁꯥꯒꯣꯟ
(সাকোন্দগী সাগোন্)

ꯁ
|
ꯓ

ꯎꯁꯥꯗꯒꯤ ꯑꯣꯓꯥ
(উসাদগী ওঝা)

ꯂ
|
ꯔ

ꯐꯣꯂꯦꯟꯗꯒꯤ ꯐꯣꯔꯦꯟ
(ফোলেনদগী ফোরেন)

ꯄ
|
ꯕ

ꯏꯄꯥꯑꯅꯤꯗꯒꯤ ꯏꯕꯥꯅꯤ
(ইপাঅনীদগী ইবানী)

ꯆ
|
ꯖ

ꯍꯥꯏꯆꯄꯗꯒꯤ ꯍꯥꯏꯖꯕ
(হাইচপদগী হাইজব)

ꯇ
|
ꯗ

ꯇꯥꯡꯇꯥꯡꯄꯗꯒꯤ
ꯇꯥꯡꯗꯥꯡꯕ
(তাঙতাঙপদগী তাঙদাঙব)

ꯈ
|
ꯘ

ꯈꯔꯤꯗꯒꯤ ꯘꯔꯤ
(খরীদগী ঘরী)

ꯊ
|
ꯙ

ꯏꯄꯨꯊꯣꯗꯒꯤ ꯏꯕꯨꯙꯣ
(ইপুথোদগী ইবুধো)

ꯐ
|
ꯚ

ꯐꯥꯂꯪꯇꯒꯤ ꯚꯥꯕꯇ
(ফালংতগী ভাবত)

মীতৈ ইয়েক্ ২৭কী য়াঙ.উলোন্

মীতৈ ইযেক. ২৭ অসী লাইওইথরব মীতৈ ইপা-ইপু ইপুথৌসিঁঙ ন পুথোব.তুন কংলৈপাকক্ অসীদ চত.নবমলব কংলৈ মীতৈ ইযেক.নী।


মসীগী মগ্নঙ.দ 'ক' ইযেক্ অসীদগী 'অ' ফাউব ইযেক. ১৮ দা যেলহৈ ঙৈদগী সাগোননবকলব তাইবঙ. হক্চাঙ.গী কযাত.তগী ফীদম. লৌতুন পুথোকপীরমলব কংলৈ মীতৈ ইযেকনী হাইবগী পান্দম্ অদু য়াকোব্লোন. থীলেল. পুকোক পুয়ান মযেক. সেঙ.ন শাব্লী।

মমৈগী 'গ' তগী 'ভ' যাউব ইযেক্ ৯ অসীন ক, স, ল, প, চ, ত, খ, থ, ফ ইযেক. মাপল. অসীদগী খোন্থোক. থৈথরক.প. লোমথরব্প লোম. ইয়েক. ওইন লৈ। মখোই মাপল. অসী কোনন পুক্োক.প ওইন উরবসু মীঙোনদগী য়াইব নত.তে। মসা মসাগী ওইব তোপ.-তোপ.প খোন্থোক. ইবাই ইনীল্ লৈজে।

ইযেক ২। অসা ন.ন.তব মযেব মযাম অম মীতৈ মাযক.নী হাইতুন চাহতুন যেত.নতুন লৈবী। মখোইসাঙ. অদু মসা মসাগী তোঙানব খোনথোক. লৈজদে, বংগলা মযেক.তগী খোনথোক. য়াইনত নত.নন মখোইদগী পানদম. লাক.তুন সেমবগুম. মসক.-মওঙ., মওৌ ওমবগী খুদম. কযা উব ফংই। মকওতুন মখ ইসাঙ অদু মীতৈ ইয়োনসাঙ.গী বনানদ চন.নফম্ লৈতে। মখোইসঙ অসা যান.সীন.তুন পুনসিলনুবদ এখোইগী হান.নগী ইযেক.কী পান.দম পুম্নমক্ মাঙ.ই। মওঙ. ওাদব পান.দম লৈওব ওাহ, মীগুন চঙ.বগী খুদম ফংই। যোত.চাবান যোত. ন.ন.তবমখ ইলাই লাইন খন দোকপগুম মীতৈ-লোনগী মতেঙ.দগী মখোই অদ মীতৈ ইযেক নততে হাইতুন খন দোকই।

মীখুন চলব সনদোক্হোব মীতৈ পুযাসাঙ.দ যানসীলনল ব মযেকসাঙ অসা মসন্ খংদাকপদা খাজীলনব মওই খরগী ওইন থমলগা এখোইগী ওইনদা মসাগী খোনথোক ইবাই হনীল তোঙানন লেজব লোইনন মসাগী তোপ.-তোপ প য়াঙ.উলোন লেজব ইযেক. ২৭ অসা মীতৈ ইযেক.নী হাইন লৌব তাই। এখোইগী সরকারনস সক খংবগ লোইনন মনীপুরগী লেজেং ত ফোঙ.তুন শনবয়গী মহৈ লোইসসঙদ ওকবসুব ওলাস তগী ওাব লৌইনখবন। মস দ খুবা থাঙ.বদা মগী চাক-কুও খুজাও থাঙ জীনবনী।


-- হযেক্ অসা হয়েক য়াকোনপুচ ওহ ব কোব.ন ম দ.খোক নব তোরীব থৌরী পানদন লাক.তুন যেক.প হযেক নে এখোইগী কোক. অসগী থবক অস মওঙ. অওমনী — (১) কোক.ক নমাদ হ ব সকক্, সকক্ অসীন বাখন লৌসীঙ লৌসিল-লব.প বাখন. খন.বগী থবক তৌই। (২) কোককী মহ হ থংব সকক্ সাক অসীন মাহ থংব সকক.ন ... লকপীব, লৌসিল.লকপব মখন্ অদু পেসনব. তুঙ.সান.তুন থম্ই। (৩) তুঙ. থংব সকক্, সকক্ অসীন লৌসীল লক.লাব, পৈস .. লৌসস মথাং থবক. ওইন হক চাঙ. সীনব থুঙ ন সনদোক.হনতুন পাঙ.থোক.হ। উত.লীব অসা কোককী নাকল লোমনী সকক.নী। মরক ত লাইপক তগী লুখম্ যাউন লৈই অম চাঙ.লী, লৈই অসীন কোক.ক সকক অওমল সম.নহন.তুন লৌসীঙগী মৈবা থানবগুম. পুম.ঙান ঙাল্হল.লী হাইব তাক.লী। অদুন সেন্দ্রসব মৈলা (মৈবা) চাঙ কৌই হাইন য়াকোকলোন. থলেল. পুকোক. পুযান তাকনী।



ꯃ—ইয়েক্ অসী হক্চাঙ্গী সীঙ্লী নাউরী পুম্নমক্কী মতোন্দ হৌরীব কোক্ত হৌরীব সম্ অসীন য়েত্-ওই নাকল্ অনীদ থাইদোক্তুন লৈরীব মওঙ্ অসী লৌতুন য়েক্পনে। তাইবঙ্ হক্চাঙ্গ অহাঙ্ব আতোয়া নোঙথৌ অসীগ অর্নবু সমনহললী হাইতুন কোক্ত হৌরীব অর্সবু সম কৌই। সম্গী মসক্ লৌই হাইতুন ইয়েক্ অসীগী মমীঙ্বু সম্ হাইহন কৌই। সম্গী মথক্ত অতৈ অম লৈতবে হাইতুন 'স' ইয়েক্তী ইব মতম্দ মকোক্ চীঙদে।




ꯄ—ইয়েক্ অসী য়েত্লোম্ ওনতুন য়েক্লীব মাইওনদ উরীব লাইপক্কী তাথ-রকপ থারোম্দ মীত্কী সরুন কোত্তুন লৈরীব লাইপক্কী মসক্ লৌতুন য়েক্প ইয়েক্নে। মসীদ মীত্কী উফম্ অম কোততুন হাপ্লীবসীদী লাইপক্কী মফম্ তাক্নব হাপ্পনে। লাইপক্কী ফংদম লৌই হাইতুন ইয়েক্ অসাগী মমীঙ্ লাই কৌই।



ꯅ—ইয়েক্ অসী নাকচেপ্নন মাই ওনতুন য়েক্লীব মীত্কী মসক্ অমসুং মীত্ন তৌরীব থবক্কী থৌওঙ্ য়াউন য়েক্লব ইয়েক্নে। মতোন্দ কোন্লীব অসী মীত্ফমনী অতুগ মথুঙ্ ফাউন চিঙলীব লাই অসীন মীত্কী সীঙ্লী ওইন কোককী সরুক্ অতম্ ফাউন লুখম্ কাকুপ্ ফাউতুন মপানদগী উরীব পুম্নমক্কী পাউ তাক্লীব লম্বী মওঙ্তু য়াউন য়েক্প ইয়েক্নে।



ꯆ—ইয়েক্ অসী পাস্নুম্গী মথা মীত্ মপান্দ ময়াইদন তাঙ্ন তাঙ্ন অতগ মতাইদন কোন্তক্ সাঙ্ন হৌরীব (মাত্পানদ হৌরীব) পাগী মসক লৌতুন য়েক্প ইয়েক্নে।




ꯇ—ইয়েক্ অসী য়েত্ওইনন নাকল্লোম্দ লৈরীব নাকোঙ্গী মসক্ লৌতুন য়েক্প ইয়েক্নে।



ꯈ—ইয়েক অসী চীনবান্ উম্সীন্তুন লৈব অতুগ নাকল্ য়েত্লোম্ ওইরোম্ অনীদ চুবাগী সরুন কোন্থোক্ কোন্থোক্ন লৈরীব চীন্বান্গী মসক্ লৌতুন য়েক্প ইয়েক্নে।




১৮—ইযেক, অসী ঈলাড্ থোক,হনলীব সীড্,লী নাউরীসীড্,গী মসক, মওড্ লৌতুন যেক প ইয়েক নে।




৮ —ইযেক, অসী খোনাউগী মথেক, মথেক, চত,লীব লেতোন লেয়াই লৈখোঙ, অহুমগী হৌবক ফম্ ওইনীব খোনাউ অচেঙ,ববু যেত থংব নাকংলোমগী মসক, মওঙ লৌতুন যেকপ ইযেব নে।



ꯃ- ইয়েক অসা ভৌপাক,কী মহক, মহক প অমদী খোনাউ লেঙনবগী নাকল লোমদগী চব চৌগী সক,তম লৌতুন যেক,প ইযেক,নে।



ꯇ—ইযেক, অসী মাঙংবগী থৌপাক,কী (থবাক,কী) সক পোলোঙ অসনবা তালাম-ওইবোম কোনতব কোনশক, থেকং,লীব সরুগী সক,তম, লাক,তুন যেক প ইযেক নে।



ꯈ— ইযেব অসী সীদব মপুন খোঙ,-মী, সাডা, তীন,-কাঙ, অসীনচি ঙ,ব পরাই থানব পুমনমক,কা থনাই মলেনবু থমোই লকাদ থামজন থমই, মফম, অনী লাইগী যুমনী হাইদুন থমোই নাযুম কৌই মসীবু পুথাগী লোনদ মপুগী কোনসীদা থানব লৈযে হাইপকী থাঙ,সং কৌযে। অনীগুম্ব থৱাই মীলেনগী মেঘমবু থবাক্কা ময়াইদ লৈবাব থৌপাক,কী সক সাদানদ থীনতুন থৱাইগী লেফম, ভাকপগী মওঙ লৌতুন যেক,প ইযেব,নে।



ꯉ ইযেক, অসী মীওইবগী কোক,তগী হাইথরক,প য়াঙ লোন নাক্লাউ হাইবর প অমদা যাঙলেন,গী মওঙ, মতৌ লৌতুন যেক,প ইয়েক,নে।




ক—ইয়েক অসী সক্ত অমগ অমগ তুকচীননবগী সরু-কোচা অহুগী সকতমদগী মতৌ লৌতুন য়েক্‌প ইয়েবনে।



ঙ—ইয়েক অসী তুংগাউন মবী-মরা তান হৌরিব হক্‌চাঙ, সীনব থুঙ্‌ন কুপ্‌লীব উন্‌সাগী মখাথংব সরুক্তগী মথক্‌ থংব সরুক্‌ ফাউরব লৈরিব উন্‌সাগী সক্তম্‌ অহুদগী মসক্‌ লৌতুন য়েক্‌প ইয়েব্‌নে।



চ—ইয়েক্‌ অসী হক্‌চাঙ্‌ সীনব থুঙ্‌ন চেললীব ই হাইবদী সীঙ্‌লী নাউবীগী মকোক্‌-মমৈ হাইন লৈরীব অসী 'ই' গী লম্‌বীনী মমীগী মসক মতৌ লৌতুন য়েক প ইয়েক নে।



E—ইয়েক্‌ অসী হক্‌চাঙ্‌গী খোইদৌ মখাদ লৈব ফম্‌দ্‌কান্‌ শারোন্দ হৈথংব লৈবতুগী মঙঙ্‌ লৌতুন য়েক্‌প ইয়েক্‌নে।



ত—ইয়েক্‌ অসী পলেম ইমাগী হাঙ্‌তুন লৈনব খোঙ্‌দগী নাউফম ফাউবগী সক তম্‌ লৌতুন য়েক্‌প ইয়েক্‌নে।

য়াকোক্‌লোন্‌ থীলেল্‌ ··· পুয়াগী য়ারোন্‌ খরা ঃ-

"ইপুঙ্‌লোই অপক্‌পন সুঙ্‌পুঙ্‌ য়াখন্‌ তৌতুন চক্‌পলোন পুন্নমক্‌কী সীতপকী কয়াত্‌ লাঙ্‌পুম্‌কী ইয়েক্‌ ইনুঙ্‌লোন খুমুঙ লোন্‌ খৈগীক্‌পু ইপুলোই অপক্‌পন সাইন্নতুন লেপখীপ ইয়েক্‌ ইপী ইয়েক্‌ অসীপু থাক্‌প লৈতন ইপু ইথোপ কোন্‌জীল তুথোক্‌প পাখংপাপু য়েঙ্‌তুন লীপীয়ে।

ইপুঙ্‌লোই অপক্‌পকী সাইরোন্‌কী ইনুঙ লোন্‌কী মীঙ্‌থৈ মলুতী হা হুঙ, হৈ হে হীঙ কোপ অসীন রাকোনকী মীঙ্‌থৈ ওইলতুন মৈনে, ইসীঙ্‌নে, নুঙ্‌সীত্‌নে, লৈপাক্‌নে, নোঙ্‌থৌনে, নুমীত্‌নে, থানে, থৌরাইমীচাক্‌ নীঙ্‌থৌ সীতপনে, চৈয়োন ৭ নে, সচীক্‌নে, থাপানে, খোঙ্‌চোঙ্‌নুপীনে, সচুঙ্‌তীল্‌হৈপনে, মোঙ্‌ক সলংকানে, রোক্‌পুলোই তাউহুইলেঙ্‌নে, লৈচীন্‌নে, চুম্‌থাঙ্‌নে, নোঙ্‌থাঙ, কুপ্‌ন খোঙ্‌পনে স্থপ্‌ন ফাইন তীনতুন তলং ইপুঙ্‌লোইনপ অপকপন ইয়েক, ১৮ অমতী সীঙ্‌থালোন চৈসীঙ্‌ ইয়েক, ঃ (অমত) লেপ্‌ন সাইরোনতুন অতীআ সীতপ হাইন কৌখলে।

ইযেক, অসীপু ইনুঙ্‌লোনন (১) অম বৌযে, খুনুঙ্‌লোল খোনথোক, ইরাই ইনীনন অতীআ হাইন কৌখলে। আতীআকী ইয়েক্‌তী অসীনে (ꯒ) লেপ্‌ন থংপীরো"।

ꯒ—'ক' (কোক্‌) ইযেক্‌কী খোন্‌থোক্‌তগী 'গ' (গোক্‌) হাইব খোন্‌থোক তেথরক্‌ই লোমথরক্‌ই মতুদী :— সাকোন, দগী সগোন, খাকোক্‌ তগী খাগোক হাইতুন অনৌব খোন্‌থোক লাকখী।

ꯒ

ꯓ—'স' (সম) ইয়েক কী খোন থোক তগী 'ঝ' (ঝম) হাইব খোন্‌থোক লাক্‌ই মতুদী :— (উসা)/ৎসা দগী ৎঝা, সান দগী ঝান, হাইতুন অনৌব খোন্‌থোক, থোক লকখী।

ꯁ ↓ ꯓ

ꯔ—'ল' (লাই) ইযেক্‌কী খোন্‌থোক তগী 'র' (রাই) হাইব খোন্‌থোক লাক্‌ই মতুদী যৌলেন দগী রৌবেন, লাইলেন, দগী লাইবেন, হাইতুন অনৌব খোনথোক্‌ লোথোক্‌ই

ꯂ ↓ ꯔ

ꯕ—'প' (পা) হাইব খোন থোক্‌ তগী 'ব' (বা) হাইব খোন থোক লৈরকই মতুদী : হাইপ দগী হাইব, ৬ম্‌প দগী ৬মব হাইতুন খোন থোক অনৌব লৈরক্‌ই।

ꯄ ↓ ꯕ

ꯖ—'চ' (চীল্‌) হাইব খোন্‌থোক তগী 'জ' (জীল্‌) হাইব খোন্‌থোক্‌ লাক্‌ই, মতুদী :— হাইচপ দগী হাইজব, ৬ম্‌চপ দগী ৬মজব হাইতুন খোন্‌থোক অনৌব লাক্‌ই

ꯆ ↓ ꯖ

ꯗ—'ত' (তীল্‌) হাইব খোন্‌থোক্‌তগী 'দ' (দীল) হাইব খোন্‌থোক্‌, অনৌব চংসীল লক্‌ই মতুদী :—তাঙ্‌তাঙ্‌বদগী তাঙ্‌দাঙ্‌ব, পাতত্‌-পীততপ দগী পাদত্‌-পীদতপ হাইব অনৌব খোন্‌থোক্‌ চংসীল্‌লক্‌ই।

ꯇ ↓ ꯗ

ꯈ
↓
ꯘ

ক—'খ' (খৌ) হাইব খোন্‌থোক্‌তগী 'ঘ' (ঘৌ) হাইব অনৌব খোন্‌থোক্‌ লোম্‌থরক্‌ই মতুদী :—খরী দগী ঘরী, খাত্‌-পাত্‌ তগী ঘাত্‌-পাত্‌ হাইব অনৌব খোন্‌থোক্‌ লোম্‌থরকই।

ꯊ
↓
ꯙ

ঘ—'থ' (থৌ) হাইব খোন্‌থোক্‌তগী 'ধ' (ধৌ) হাইব খোন্‌থোক্‌ থোক্‌লক্‌ই মতুদী :—ইপুথৌ দগী ইবুধৌ, মাথপী দগী মাধবী হাইব খোন্‌থোক্‌ অনৌব থোক্‌লক্‌ই।

ꯐ
↓
ꯚ

গ—'ফ' (ফম্‌) হাইব খোন্‌থোক্‌তগী 'ভ' (ভম্‌) হাইব খোন্‌থোক্‌ লোম্‌থবকই মতুদী :—ফালত্‌ তগী ভারত, ফীম্‌ দগী ভীম্‌ হাইব অনৌব খোন্‌থোক্‌ লোম্‌থরক্‌ই।

'ক' তগী 'অ' ফাউব ইয়েক্‌ ১৮ অসীদী য়েন্‌থোকৈদগী সাগোন্‌নবক্‌লব ইয়েক্‌নী হাইবসী মথক্‌ত পনজখরে। হাইরীব ইয়েক্‌ ১৮ অসীন বনান্‌ তৌব য়াব মীতৈলোন্‌ অদু অসেঙ্‌ব মীগী খোন্‌থোক্‌ চংদরীব তসেঙ্‌ তসেঙ্‌ব মীতৈলোন্‌নী। অদুগ মখোয় ১৮ অসীন বনান তৌদব অতৈ ময়েক্‌ যান্‌-সীল্‌লবদী মীতৈলোন্‌ ওইববসু মসাগী অসেঙ্‌ব খোন্‌থোক্‌ মাঙ্‌খরবনি হায়না লৌগনি।

হাইবদী 'গ' তগী 'ভ' ফাউব ইয়েক্‌ মাপল্‌ অসী যাউনা বনান্‌ ইববদা য়াব্রা অদুগী মসাগী সাগোন্‌নরক্‌প খোন্‌থোক্‌ মাঙ্‌লবনা হায়না লৌগনি। মকুওইনা ইয়েক্‌ মাপল্‌ অসী মরোন্‌গী বনান্‌ ইননব খোন্‌থোক্‌ হাপ্‌চীল্‌লক্‌প ওইনা লৈ। কাইনথংদদা মীতৈলোনদ হাইবাব খোন্‌থোক্‌ মাপল্‌ অসী তোইন সীজীন্‌নরে। ইয়েক্‌ মাপল্‌ অসী যান্‌সীন্‌দুনা খোন্‌থোক্‌ তৌরবদা ইরোন্‌ অসীগী রাহন্‌থোক্‌ মাঙব য়াম্‌ন লৈ। মতাঙ্‌ অদুদা ইয়েক মপা ১৮ অসীদ য়ুম্‌ফম্‌ ওইদুনা বনান্‌ তৌগনি অদু ওইরবদী রাহনথোক্‌ মাঙ্‌ব লৈতে।

খদম্‌ ওইনা হাইরবদ ফৌগে হায়বসীদ ফৌগী গৈ, 'গৈ' হায়বগী রাহন্‌থোক্‌ লৈতে; ফৌকৈ-হাইরবদা ফৌগী কৈ- হাইবনী মসীগী রাহনদী ফৌ থমনব সঙ্‌ হাইবনী। অমুকসু লাইরেন্‌ হাইবসীদ লাই+রেন্‌ রেনগী রাহন্‌থোক্‌ লৈতে লাইরেন্‌ হাইরবদী লাই।রেন্‌; রেন হাইবদী থ্‌বাইদগী অথোইব হাইবনি লাই অথোইব (অফব) গী রাহন্‌থোক্‌ পীরী।

মীরোনগী বনান্‌ ইবদ শুঙাইফদব য়াউবগী থরমথৈ খোন্‌থোক্‌ বাইব য়াউজবদী য়াদবগীনী থন্‌দোক্‌তুনা পেন্‌থোক্‌লবসু মীগী খোন্‌থোক্‌ পংরাই রাইদুনা খুদোঙ্‌থীরীব অসগী মতাঙ্‌দ ঐথোই মীত্‌-না সীঙ্‌ন লৈব তাই। মসী খংদবদগী মথক্‌ত চং্‌নবীন নম্‌দুনা পুরক্‌পনী থরন অমুক্‌ অচুম্‌বরোম্‌দ চত্‌নব হৌরবদী অচুম্‌বন অদুম্‌ চংনবী ওইজরব্‌কনী। ঐতন খংহোঙ্‌ হেক্‌ হোঙ্‌দোক্‌পদী লনাইগী রাফম্‌ নত্‌তবনীন ঐসু থর থর ইন্‌জবত্তনী থর খুত্‌লোইজরব মতম্‌দ অকক্‌নব পান্‌দম লাক্‌সীন্‌জগে।

মথক্‌কী সন্‌লপ্‌প রারোন্‌ অসীন তাক্‌পদী গ, ঝ, র, ব, জ, দ, ঘ, ধ, ভ ময়েক্‌ মাপল্‌ অসী কোন্‌না হাপ্‌চীন্‌লক্‌প ইয়েক্‌নী হাইবগী খুদম ফংলে। অদুম্‌ ওইনমক্‌ ময়েক্‌সীঙ্‌ অসী মথক্‌ত হাইখাব রারোন্‌সীঙ্‌গী মতুঙ্‌ ইন্‌না মীতৈ ইয়েক্‌না হায়ন লৌগনী।

ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ-৮

(চম্‌ব খংনব ইয়েক্‌—৮)

ꯛ = ক্‌ ꯀꯣꯛ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :—ꯀꯛꯆꯤꯡ, ꯀꯥꯛꯀꯩ, ꯀꯪꯂꯩꯄꯥꯛ ॥
(কোক্‌ লোন্সুম্‌ :— কক্‌চীঙ্‌, কাক্‌কৈ, কংলৈপাক্‌)

ꯜ — ল্‌ ꯂꯥꯏ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :—ꯂꯥꯜꯂꯨꯀꯣꯛ, ꯃꯄꯥꯜꯂꯣꯝꯗ, ꯄꯥꯜꯂꯤ ॥
(লাই লোন্সুম্‌ :— লাল্লুকোক্‌, মপাল্লোম্দ, পাল্লী)

ꯝ = ম্‌ ꯃꯤꯠ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :—ꯃꯥꯝꯃ, ꯃꯀꯝ, ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯃꯃꯜ ।
(মীত লোন্সুম :— মাম্ম, মকম্‌, মতম্গী মমল্‌)

ꯞ - প্‌ ꯄꯥ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :—ꯀꯥꯞꯂꯛꯄ, ꯆꯞꯁꯤꯟꯕ, ꯈꯣꯞꯆꯤꯟꯕ ॥
(পা লোন্সুম্‌ :— কাপ্‌লক্‌প, চপ্‌সীন্‌ব, খোপ চীন ব)

ꯟ ন্‌ ꯅꯥ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :—ꯅꯥꯟꯁꯤꯟꯕ, ꯅꯥꯟꯊꯕ, ꯂꯥꯟꯅꯕ ॥
(না লোন্সুম্‌ :— নান্সীন্‌ব, নান্থব, লান নব)

ꯠ - ত্‌ ꯇꯤꯜ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :--ꯇꯠꯇꯅ, ꯃꯇꯠ ꯃꯇꯠ, ꯇꯠꯂꯕꯦ ॥
(তিল্‌ লোন্সুম্‌ :— তত্‌তনা, মতত মতত্‌, তত্‌লবে)

ꯡ — ঙ্‌ ꯉꯧ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :—ꯑꯉꯥꯡꯕ, ꯃꯉꯥꯡ, ꯇꯥꯡꯗꯥꯡꯕ ॥
(ঙৌ লোন্সুম্‌ :— অঙাঙ ব, মঙাঙ্‌, তাঙ্‌দাঙ্‌ব)

ꯢ - ই ꯏ ꯂꯣꯟꯁꯨꯝ :—ꯍꯥꯢꯔꯛꯢ, ꯀꯥꯢꯅꯔꯝꯗꯥꯢ, ꯎꯔꯝꯢ ॥
(ই লোন্সুম্‌ :— হাইরক্‌ই, কাইনরম্‌দাই, উরম ই)

'ꯏ' লোন্সুম্‌দী ইমুঙ্‌য়েক্‌ (স্বর ময়েক্‌) ওইবন মপুঙ্‌ ইয়েক ক চপ্‌ মান্‌নৈ। বাংলা ময়েক্‌ন ইরবসু ই, অমসুং উ শুম ব ইমুঙ্‌য়েক্‌ন চম্‌বদা চম্‌বগী খুদম্‌, (হাসন ·) তম্‌লোই।

ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ [illegible]

মথক্কী লোনসুম্ নীপান অমদী 'উ' অসী নত্তব অতৈ ময়েক্না চম্বগী থবক্ তৌব তারবদী মপুঙ্ ইয়েক্ মসা মসান অহুম চম্বগী থবক্ তৌগনী। মখোইসীঙ্ অহু মীতৈলোন্ নত্‌নে হাইন খংগনী। মরমদী মীতৈলোন্ খুদীঙ্মক্ মথক্কী লোনসুম্সীঙ্ অসীন চম্বগী বনান ইব যাদব লৈতে।

ꯆꯩꯇꯥꯞ ꯏꯌꯦꯛ-৮ (চৈতপ্ ইয়েক্—৮)

ꯣ —ꯑꯣꯅꯥꯞ :—ꯀꯣ, ꯈꯣꯡ ;

(ো—ওনপ্ :— কো, খোঙ :)

ꯥ —ꯑꯥꯇꯥꯞ :—ꯀꯥ, ꯈꯥꯡ ;

(া—আতপ্ :— কা, খাঙ্ :)

ꯧ —ꯁꯧꯅꯥꯞ :—ꯀꯧ, ꯊꯧꯔꯤ ;

(ৌ—সৌনপ্ :—কৌ, থৌরী ;)

ꯩ —ꯆꯩꯅꯥꯞ :—ꯀꯩ, ꯇꯩꯕ ;

(ৈ—চৈনপ্ :— কৈ, তৈব ;)

ꯤ —ꯏꯅꯥꯞ :—ꯀꯤ, ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕ ;

(ী—ইনপ :— (কি) কী, করীগুম্ব ;)

ꯦ —ꯌꯦꯅꯥꯞ :—ꯀꯦ, ꯈꯦꯡꯕ ;

(ে—য়েনপ্ :— কে, খেঙ্ব ;)

ꯨ —ꯎꯅꯥꯞ :—ꯀꯨ, ꯈꯨꯜ ;

(ু—উনপ্ :— কু, স্কুল ;)

ꯪ —ꯅꯨꯡ :—ꯀꯪ, ꯈꯪꯕ ;

(ং—নুঙ্ :— কং, খংনব)।

মপুঙ্ ময়েক্ অমদ চৈতপ্ অনী তপ্সীনব যাদে। মরম্ অসীন চৈতপ্ অম তপ্খবব মতুঙ্দ লাক্প গুঙ্ অহু ভো লোনসুম 'ꯑ' না মহুত্ সীনগনী। চৈতপ্ অনী তপ্তব মতাঙ্ খুদীঙ্দদী গুঙ্ অহুম তপ্কনী। ভো লোনসুমদী লোনসুম্ ওইবন চৈতপ্ চীঙ্দে। মহাক্তা খোনথোক্ অকন অয়াঙ্গী রাফম্ লৈতে, চুম্নতগী চৈতপ্ অনী তপ্তনব চৈতপ্ অম তপ্খববগী মতুঙ্দ লাকপ গুঙ্ অহুগী মহুত্ সীনবতনী। মহুদী—কক্চীঙ্, কাঙ্চুপ্, খোঙ্, অসীনচীঙ্‌ব।

ꯈꯨꯗꯝ ꯏꯌꯦꯛ (খুদম্ ইয়েক্)

॥—ꯆꯩꯈꯩ ; ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯅꯥ ꯂꯦꯞꯄ ꯈꯪꯅꯕ॥

(।—চৈখৈ ; মপুঙ্ফানা লেপ্প খংনব)

অতৈ খুদম্সীঙ্দা International Symbols গী মতুঙ্ ইন্গনী। ঐখোইন খুদম্ অতৈ লৈজরম্লবসু ॥ (চৈখৈ) অসীত লৌতুন সীজীন্নগনী হাইন লেপ্নখরে।

ꯂꯨꯝ ; [illegible]

লুম্ : খোন্‌থোক্ লুম্‌থন পাগদব মযেক্‌কী য়েত্‌থংব মখা ওইরপ্‌ন নমগনী।
(মসী মীতৈলোন্‌গী খোন্‌থোক্ লুম্‌থবদ সীজীন্নব য়ামন মকওইব খুদম্‌নী থংবীগনী)

ꯑꯄꯨꯟ ꯏꯌꯦꯛ ; [illegible]

অপুন্‌ ইয়েক্ ; মযেক অনী তপ্‌সীন্নরে থংনব অনীতুগী মথাদ চীঙ্‌ব লৈই অমনী।
(খুদম্‌ অসী য়েলহৌঙৈদ লৈরম্‌বগী খুদম্‌ ফংদে অতুবু কন্নীগুম্‌ব খোনথোক পুনসীন্‌বদ ঙাওন-দনবগী খুদম্‌ অম ওইন চত্‌নবে)

মীতৈ মযেক্‌ত খোনথোক্ : -

মযেকত অকম্‌ব মযেক অমদী অযাঙ্‌ব মযেক্‌ থাইব লৈতে। বংগলা মযেকতদি খোন্‌থোক অতোনব অমদী অসাঙ্‌ব হাইবদী লৈ। এখোইন বংগলা মযেকন বনান ইবদ অকম অযাঙ ওইন সীজিন্নবনী; অতুবু মতুনসু খোন্‌থোক্ অকম্‌বগী বনান্‌ ঙম্‌দবসু য়াম্‌ন লৈ। মতাঙ্‌সী অরোইবদ বনান্‌ ইবগী পরাদ যেঙ্‌বীগনী। মীতৈ ইযেক্‌কী বনানদী লুম্‌ নম্‌দবদি খোনথোক যাঙ্‌ন অতেম্‌ পাগনী। মথক্তা খোন্‌থোক্‌ অকম্‌-অয়াঙ্‌গী খুদম্‌ অতুম্‌ হাইব পবা অতু যেঙ্‌বীগনী।

চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌ অমসুং মাগী ৱাঙ্‌উলোন্

চৈসীঙ্‌ ইযেক—

চৈ থেক্‌থেক্‌তুন মসীঙ্‌ থাই হাইতুন মসীঙ্‌ অসীবু চৈসীঙ্‌ হাইন কৌই। মসীঙ্‌ থীংববু চেথাব (মসীঙ্‌ থেক্‌তুন থাব) কৌই। চৈসীঙ্‌ ইযেক্ তরানী, মতুদী : -

꯱ — ꯑꯃ, ꯲ — ꯑꯅꯤ, ꯳ — ꯑꯍꯨꯝ, ꯴ — ꯃꯔꯤ, ꯵ — ꯃꯉꯥ, ꯶ — ꯇꯔꯨꯛ,
(অম) (অনী) (অহুম্‌) (মরী) (মঙা) (তরুক্)

꯷ — ꯇꯔꯦꯠ, ꯸ — ꯅꯤꯄꯥꯜ, ꯹ — ꯃꯥꯄꯜ, ꯱꯰ — ꯑꯃꯗ ꯌꯨꯝ ꯇꯔꯥ।
(তরেত্‌) (নীপাল) (মাপল) (অমদ যুন তরা)।

০—অসী যুন কৌই, সুন্য নত্‌তে, জেরো নত্‌তে। সুন্য অমদী জেরো হাইবসী অহাঙ্‌ব হাইবনী। মসী অহাঙ্‌ব নত্‌তে হাঙদবনী, অরৈবনী, যুন তাব হাইবনী। যুন্‌ তাব হাইবসী মপুঙ অম ফাইনব হাইবনী। মসী মপুঙ্‌ ফাব হাইব মরম্‌ন হান্‌ন অহৌবদ ইব য়াদে কবীগুম্‌ব মসীঙ্‌ থরগী মতুঙ্‌দ ইগনী। মপুঙ্‌ ফাইনব হাইবগী ৱাহন্‌দগী যুন অসীবু হেক য়াউবদ মসীঙ্‌ মসাঙ্‌ অতুগী চানব যেঙ্‌তুন তরাদ চাদ লীসীঙ্‌দ থংহেন্‌ হেন গঙ্‌লীবনী। ০ যুন্‌গী ৱাফম্ থরসু মথাদ নৈনর।

মীতৈ চৈসীঙ্‌গী হৌরক্‌ফম্‌ ৱারী

মীতৈগী ইয়েক্‌ন হক্‌চাঙ্‌গী কয়াত্‌তগী ফীদম্‌ লৌতুন য়েক্‌খীবগুম্‌ মীতৈগী চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌সীঙ্‌ অসী পলেম্‌ ইমাগী পীবুক্‌মুঙ্‌দ নাৱা ওইন লৈরক্‌প থাজ তরা নাউপুরক্‌প নৱা অদুগী ওইবক্‌লীব তোঙান্‌ তোঙান্‌ব সক্‌তম্‌ তরা অদুগী ফীদম লৌতুন য়েক্‌লম্‌ব চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌নে। মদুদী :—

১—অম। পলেমগী পীবুক্‌মুঙ্‌দ মীরোনব মতমগী খ্‌বাইদগী অহানবদ লৈব তীন্‌ মানব, মকোক্‌ চাউরপ্‌ মমৈ হুইথরক্‌প কোন্‌তক্‌ তৌব নৱাগী থরাই মীতম্‌ অহানব অদুগী মসক্‌ লৌতুন পুথোক্‌প অম হাইব চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌নে।

২—অনী। পলেম্‌ ইমাগী পীবুক্‌মুঙ্‌গী মীতম্‌ অদু থা অনী হেক্‌ সুরক্‌পদ অসাইগী মমৈ হুইথন কোন্‌তঙ্‌ তৌরীব মমৈ-মতোন্‌ অদু খব যেতসীললক্‌ই ; মদুগী ফীদম্‌ লৌতুন অনী হাইব চৈসীঙ্‌ অসী পুথোক্‌ই।

৩—অহুম্‌। অসাইগী নৱা মীতম অদু থা অহুম্‌ সুরক্‌পদ থা অনী সুবদ মতোন যেত্‌সীললীব অদুদগী অমুক্‌ হেনন য়েত্‌সীনদুন কোন্‌সীল্‌লী। অদুগুমব মীতম অদুগী মসক্‌ লৌতুন অহুম হাইব চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌ অসী পুথোক্‌ই।

৪—মরী। থা মরী সুরক্‌পদ অসাইগী নৱা মীতম্‌ অদু হান্‌নগী মকোক চাউব অদুনে, মমৈলোম্‌-দগী য়েত্‌সীল্‌লকতুন কোন্‌সীললীব অদুনে ময়াই চেঙ্‌সীল্‌লগ কোক্‌-তোন্‌ অনী চনা মান্‌নরে ; মদুগী মতৌ তম্‌দুন মরী হাইব চৈসীঙ্‌ ইয়েক অসী পুথোক্‌ই।

৫—মঙা। থা মঙা সুরক্‌পদ অসাইগী মীতম্‌ অদুগী মাইথন্‌ অদু থল্‌লক্‌লে লেঙ্‌লক্‌লে। কোন-সীল্‌লুব মতোন্‌ অদু তীঙ্‌থোরক্‌লে মদুগী মতৌ লৌতুন মঙাসুব চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌ অসী পুথোক্‌ই।

৬—তরুক্‌। থা তরুক্‌ সুরক্‌পদ অসাইগী নৱা মীতম অদুগী তীঙ্‌থোরক্‌লীব মতোন মখোঙ্‌ অদু মাঙ্‌লোম্‌দ ওন্‌সীল্‌লক্‌লে। মদুগী মসক্‌ লৌতুন তরুক্‌সুব চৈসীঙ্‌ ইয়েক পুথোক্‌ই।

৭—তরেত্‌। থা তরেত্‌ সুরক্‌পদ অসাইগী নৱা মীতম্‌ অদুগী হক্‌চাঙ্‌গী সরুক্‌ খুদীঙ্‌মক্‌ অমগ অমগ লোইন সৌজীন্‌নরে ; মপুঙ্‌ মরৈ পুম্‌ফা ফারে। অদুন থা তরেত্‌ত পোক্‌প অঙাঙ্‌দী ঈঙ্‌লে। মদুগী মতৌ লৌতুন তরেত্‌সুব চৈসীঙ্‌ পুথোক্‌ই।

৮—নীপাল্‌। থা নীপাল্‌ সুরক্‌পদ মুঙ্‌লোম্‌দ চীঙ্‌সীল্‌লী কোন্‌সীললী অদুন থা নীপাল্‌দ পোক্‌প অঙাঙ্‌দী ঈঙ্‌দে। অসীগী মতৌ তমদুন নীপাল্‌সুব চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌ পুথোক্‌ই।

৯—মাপল্‌। থা মাপল্‌ সুরক্‌পদ মুঙ্‌দ চীঙ্‌সীল্‌লুব কোন্‌সীললুব অদু অমুক্‌ চীঙ্‌থোরক্‌ই। মসীগী মতৌ লৌতুন মাপল্‌ হাইব চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌ পুথোক্‌ই।

১০—অমদ ফুন্‌ তরা। থা তরা হেক্‌ সুবদ মপুঙ্‌ মরৈ ফারে। মসী অমদগী অহুম্‌ অহুম্‌ চাউ-থক্‌লক্‌তুন মপুঙ্‌ ফারক্‌তুন ফুন্‌ তারে। অমদগী সাগত্‌লক্‌ই থংনব ফুন্‌ ইব মতম্‌দ অমদ ফুন্‌ ১০ (তরা) হাইন তরাসুব চৈসীঙ্‌ পুথোক্‌ই।

০—ফুন্‌গী ৱারী ৱাখোঙ্‌

ফুন অসী নাগরী অংকদ শুন্য হাইন, অদুগ ইংগরেজীদন জেরো হাইন মমীঙ্‌ থোল্লী। ইংগরেজী ময়েক্‌ হাইন খংনরীব রোমান্‌ ময়েক্‌ অসী রোমানগী মসীঙ্‌ ইবদ ঙসী ফাউবদ 0 (zero) গী অংক ময়েক্‌ লৈতরী মদুদী I, II, III, IV, V, VI, VII, VIII, IX, X অসীনী 1, 2, 3, 4, 5, 6, 7, 8, 9, 10 হাইন সীজিন্নরীব অসীদী ভারত্‌তগী ৱাইদুন সীজিন্নবনী। অদুন ঙসী ভারত্‌ন মীগী ওইখীব তাবে হাইদুন নাগরীগী অংক ময়েক্‌ত 1—10 অসী সীজিন্নরে।

অখং-অহৈ ওঝাসীঙ্‌ন তাবপীরকপগী মতুঙ্‌ ইনন তাব্লীব, মসীগী কাননব উত্‌লীবসী গ্রীক্‌ মচাসীঙ্‌ন সনদোব্‌পনী। অহান্‌বদ মসীগী লৌসীঙ্‌ অসী লৈবমদে অদুন অংক খোং-পনচীঙ্‌বদ য়াম্ন খুদোঙ্‌চানরম্‌দে। অদুবু 0 (zero) অসী গ্রীক্‌ মচাসীঙ্‌ন পুথোব্‌পনা হাইদে। গ্রীক্‌ মচাসীঙ্‌ন হাইবদী মসী ইনদীয়াগী নোংপোকথংব চীঙ্‌গী লম্‌দম্‌ অমদ ☆ হাইন ইব খুদম্‌ অমগ লৈরমব থেঙ্‌নদুন পৃথীবীগী মফম খুদীঙ্‌দ মসীগী কাননব অসী উতখীবনী। অদু ওইববদী 0 (zero) অসী ভারত্‌ন পুথোকপ লাবে। বাফম অসী পৃথীবীগী লৈবাক্‌ অতৈনসু যানবে।

মখাদ্‌ অসীদ লৱাবদী 0 (zero) অসী সীজিন্নব হৌখীবদী অখ-অহৈ থীজিল্লবসীঙ্‌গী ৱাফম্‌ মতুঙ্‌ ইনন মখদ পীজরি :—

0 (zero) অসী মেসোপতেমীয়াদ 500 B.C. দগী 500 A.D. ফাউবদ মসক্‌ খংখী অমসুং সীজিন্নখী হায়রি।

মায়াকথংব আমেরীকাদ 100 B.C. দগী 100 A.D ফাউবগী মতুংদ সীজিন্নব হৌই হায়রী।

ভারত্‌ন 500 A.D. ফাউবদগী সাজিন্নব হৌই হায়রী। ভারত্‌ন পুথোকই হায়রগ মসীবু সীজিন্নবদী ভারত্‌ন কোনলে। অদুগী মথক্‌ত সুন্য অমদী জেরো হাইবসী মসীগী চপ্‌চাব ৱাহন্‌থোক নংঙে হাইবসী মসীবু সীজিন্নরীব মওঙ্‌ অসীনসু তাকলে, হাইবগী ৱাহনথোক্‌তী মসী অহাঙ্‌ব নত্তে মপুঙ্‌ ফানবপনী হাইদুন মথক্‌ত হাইজখরে।

অমুবসু নৈনসী ☆ হাইরীব খুদম্‌ অসী কনাগীনো থীরসী। মসী কংলৈপাক্‌কী পল্‌লান্‌দবী লৈই হাইব লাই তীন্‌ চংসীল্লকপ ঙমদে হাইরীব এখোইগী ইপা-ইপুসীঙ্‌ন সীজিন্নরমব খুদমনী।

অমুক্‌সু য়েঙ্‌বীয়ু 0 অসী মীরোন্নদা ফুন্‌ হাইন কৌই। মসী অহাঙ্‌ব নংঙে অমদগী চৌরগ তরা মপুঙ্‌ ফাবক্‌প অদুদগী অসুম, অসুম, চাউখতখীব মথৈ অমদগী তরা তরাদগী চাম্‌ চামদগী লীসীঙ্‌ হাইদুন মসীঙ্‌ খংহেন্‌ হেন্‌গৎপনচীঙ্‌ব মসীগী ৱারা ৱাখোঙ্‌ অসী চৈসীঙ ১—১০ ফাউব ওইরকপগী ৱারী মথক্‌ত পনজখীব অদু হংগত্‌না য়েঙ্‌বীয়ু।

0 ফুন্‌ সীজিন্নব হৌবগী ৱার্সী কংলৈপাক্‌কী ওইনদী চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌ লেক, পুথোক্লকপ অসীগ সাগোন্নবক্‌পগী খুদম্‌ ফংই।

সম্‌ন হাইজরবদ 0 ফুনগী চপ্‌চাব ৱাহনথোক্‌ পীব ঙমব লোইনন মাগী চৌরকপগী ৱারী-ৱাখোঙ্‌ ফজন পীব ঙমবসী কংলৈপাক্‌ মথন্‌তনী হাইবসীগী খুদম্‌ চাঙ্‌দম্‌ অমদী পান্‌দম্‌ ফলে। মরমসীঙ্‌ অসীন তাক্‌পদী 0 ফুন্‌ অসী কংলৈপাক্‌ অসীন্‌ পুথোক্‌পনা। মরমসীন সুন্য জেরো হাইবগী মহুত্‌ত ফুন্‌ হাইগনী। মীবোনদ ৱাহন্‌ পীগে হাইরবসু ফুনগ চানব পুরন হাইগেবা FULL হাইগেরা হাইব ঙাই।

ঙসীগী কংলৈপাক্‌, অসী মীগী থুত্‌চোই চাত্নন হীঙ্‌বগুম, তৌরীব অসী উরুরগ মাঙ্‌লমচত্‌সু হুন্‌থন লৈরম্‌গনী হেক্‌ খন্‌বীবদী লানগনী। মসী খংবীগে হ'ইরবদী কংলৈপাক্‌কী মীহৌরোন্‌, পুরারী নৈনবীয়ু।

চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌ সীজীননব :—

অমদ য়ুন্‌, ১০ নী তরা অসী তংখাইনী।
১০ দা ২ না ফুল্লগ = ২০ কুন্‌ ওই।
২০ দা ২ না ফুল্লগ = ৪০ নীফু ওই।
২০ দা ৩ না ফুল্লগ = ৬০ হুমফু ওই
২০ দা ৪ না ফুল্লগ = ৮০ মরীফু ওই
২০ দা ৫ না ফুল্লগ = ১০০ চাম ওই।

৫০ যাঙ্‌খৈ অসী ১০০ গী তঙ্‌খাইনী। যাঙ্‌ ওইন তংখাহ খাংদোকই হাইজুন যাঙ্‌খৈ কৌই।

অহান্‌বদ খুজীন্‌নব হাইবদগী মমৈদ হুনীব, মমৈংদ পুবব হাইন কৌনখী।
চৈ থেক্‌ থেব্‌তুন মসাঙ্‌ থাই হাইবগী চৈসীঙ্‌ কৌই হ'ইখবে।
চৈ তরেত্‌ তরেত্‌না সাব অজুবু চৈঙন্‌ (চৈযোন্‌) অম কৌই।
সুমীত্‌ ৩৬৫ নীন চহী অম কৌই।

চৈ মপুন্‌ তরেত্‌ তরেত্‌ন সাব অজু স্থম্‌ চাদনব লীন মজুত, সীনখী লী মকক্‌ মকক্‌ কক্‌তুনা সীজননে।
লী মকক্‌ লীসীঙ্‌ অম ফাবদ মপুন্‌ পুন্‌সীন্‌জুন মজুবু লীসীঙ অম কৌখী।

লীসীঙ্‌দগী লাখ ফাউবগী মসীঙ্‌তমক্‌ লৈবমই।
লাখ অমদগী হেন্‌ব চৈসীঙ্‌ সীজীন্‌নবমবগী খুদম লৈবননে।

অসুম্‌ন চৈসীঙ্‌সীঙ্‌গী মতেঙ্‌ন তীন্‌সীন্‌ব, থাইদোক্‌প, পুবীব অমদা য়েন্‌নব অসীনচীঙ্‌ব অংকগী থবক কয়া পাঙ্‌থোক্‌খী।

থা তরানীথোইগী মমীঙ্‌ থোন্‌খীব

মথক্‌ত পলেম ইমান থা তরা নাউপুবগী, নরাগী মীতমলন্‌পগী তোঙান্‌ তোঙানব সক্‌তম্‌ লৌজুন চৈসীঙ্‌ ইয়েক্‌ তরা পুথোক্‌খরে। হাইবীব থা তরা নাউপুরীব অসীগী মক অজু ইপাগী পুক্‌-নুঙ্‌দ থা অনী চংন সাগৎলক্‌পনী মসীবু ইপাগী খুত্‌ত পুব থা অনা কৌই। হাইরীব অহৌব থা অনী ইপান সজীক্‌ ফুজুন হাইবদী চা-থক তুন মচা যুগত্‌লক্‌পবু সজীফু হাইন খংনখী অজুদগী মতম্‌ খর কান্‌নন মচা-মরু অজু লেন্‌জুন লৈ হাইবগী মজুবু কালেন্‌ হাইন মীঙ্‌গৌখী। হাইবীব সজীফু, কালেন্‌ হাইরীব থা অনী অসী ইপাগী খুত্‌ত পুরক্‌প থা অনীনী।

সজীফু, কালেন্‌গী মতুঙ্‌ থা অহুম, স্থবদ পলেমগী পীবুক্‌নুঙ্‌দ কুম্‌তম্‌লে হাইবদী ত্রাইবং মীতম্‌ লাক্‌প হৌখরে। ইপাদগী ইমাদ ই অজু ঙাসীল্‌লবগী রাহন্‌ লৌজুন ইঙা থা হাইন কৌখরে। ইঙা থাদ কুম্‌দম্‌খীব অজু মরীস্থব থাদ কুম্‌থাইরে হাইবদী মীতম্‌ অজু চাউখত্‌লক্‌লে, ই অজু ঙাললে হাইজুন

ইঙা থা কৌথরে। মঙাস্থুব থাদ মীতম্ অদু থরাই মীহুন্, চোঙ্‌লে, চম্না থানলে হাইবগী ৱাহন্‌দগী থরাল্ হাইন কৌনখী। তরুক্‌স্থুব থা অসীদ মীতম্, অদুগী পল্, অম লান্‌থোক্‌ই নরাগী মীতম্, মপুঙ্, ফারে নরা অম ওইরে লাঙ্‌ফম্, অম লান্‌থোক্‌লে হাইবগী ৱাহন্‌দ লাঙ্‌পল্ হাইন কৌনখী। তরেত্‌স্থুব থা অসীদ তাইবঙ্‌লোম্‌দ মাই ওল্‌লক্‌লে হাইবগী ৱাহন্‌দ মেরা হাইন কৌথরে। নীপাল্-স্থুব থাদ নরা অদুগী মসা অদু হীগী মওঙ্‌গুম্‌ই হাইদুন হীয়াঙ্‌কৈ কৌনখী। মাপল্‌স্থুব থাদ নরা অদু নীঙ্-মাঙ্ পোত্‌পা চারে মান্‌নরে হাইদুন পোইন্থু হাইন কৌনখী। তরাস্থুব থা অসীদ নরাগী মীতম্ অদু থেক্‌চীল্‌লী, চীঙ্‌সীল্‌লী হাইদুন ৱাক্‌চীঙ্ হাইন কৌনখী। তরামাথোইস্থুব থাদ মীতম্ অদু অমুক্ তীঙ্‌থোরক্‌তুন থোক্‌নবগী নুমীত্ য়েঙ্‌তুন ফাইদুন লৈ হাইদুন ফাইরেন্ কৌনখী। তরানী-থোইস্থুব থা অসীদদী নরা অদু লম্ অহাঙ্‌বদ তারক্‌লে (অঙাঙ্ পোক্‌লে) হাইদুন লম্‌তা হাইন কৌনখী। অস্থুম্‌ন থা তরানীথোইগী মমীঙ্ থোন্‌খী।

খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্ অমস্থু তাঙ্‌কক্

খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্ (MORPHEME)

খোন্‌জেল গী খুজীঙ (Phoneme) গী ৱাফম্ মথক্‌ত নৈনখরে। নীঙ্‌সীঙ্‌ব যাই খোন্‌জেলগী খুজীঙ্ হাইবদী খোন্‌জেন্‌গী খ বাইদগী পীক্‌থব সরুক্ মচেত্ অদুবুনী। মদুগী মগুত্‌সীন্‌ব অয়েক্‌প খুদম্ অদুবু মযেক্ কৌথরে।

খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্ হাইবসীদী য়ারা অমগী খোন্‌থোক্‌কী খ্‌বাইদগী পীক্‌থব খুজীঙ্ অদুবু খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্ কৌই। মদুদী :—

মখোই—ম+খোই খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্ অনী লৈ।
মখোইগী—ম+খোই+গী খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্ অহুম্ লৈ।

ঐ, নং, মা—হাইবসী খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্ অমম্‌মম্‌ত লৈনৈ। অস্থুম্‌ন য়ারা অনদ খোন্-থোক্‌কী খুজীঙ্ অমত্‌ত লৈব য়াই, ময়াম্ লৈবস্থু য়াই। সম্‌ন হাইরবদ থোক্‌লীব খোন্‌থোক্ অদুগী খ বাইদগী পীক্‌ল পীক্‌লব খুজীঙ্ অদুত্‌বু লৌগনী।

খোন্‌থোক্‌কী তাঙ্‌কক্ (SYLLABLE)

খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্‌দগী থয় পোথত্‌প খুজীঙ্ নত্‌তব তাঙ্‌কক্ হাইবদী খোন্‌থোক্‌কী তাঙ্‌কক্ অদুবু খোন্‌থোক্‌কী তাঙ্‌কক্ (Syllable) কৌই। মদুদী মখোইদুগী হাইবসীদ মখোই+দুগী হাইব তাঙ্‌কক্ অনীদ মরৈ।

মতাঙ্ অসীদ নীঙ্‌সীঙ্‌ব যাবদী (১) খোন্‌জেল্‌গী খুজীঙ্ হাইব অম, (২) খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্ হাইব অম অদুগ (৩) খোন্‌থোক্‌কী তাঙ্‌কক্ হাইব অম অহুম্ অসীগী থেত্‌নবসী য়েঙ্‌সী :—

(১) খোন্‌জেল গী খুজীঙ্‌—মখোইতগী—ম + খ + ও + ই + দ + উ + গ + ই :
মসীদ খোন্‌জেল্‌গী খ্‌বাইদগী পীক্‌প খুজীঙ্‌ নীপাল্‌ লৈ

(২) খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্‌—মখোইদুগী—ম + খোই + 'দু + গী ,
মসীদ খোন্‌থোক্‌কী খুজীঙ্‌ মরী লৈ।

(৩) খোন্‌থোক্‌কী তাঙ্‌কক্‌—মখোইদুগী—মখোই + 'দুগী ;
মসীদ খোন্‌থোক্‌কী তাঙ্‌কক্‌ অনী লৈ।

ইনুঙ্‌য়েক্‌ অমসুং খুনুঙ্‌য়েক্‌কী খোন্‌থোক্‌

মীতৈ ইনুঙ য়েক্‌ (Vowel)—ꯑ, ꯏ, ꯎ

খোন্‌থোক্‌ ময়েক্‌—ꯑꯥ, ꯑꯦ, ꯑꯩ, ꯑꯣ, ꯑꯧ, ꯑꯪ ;

খোন্‌থোক্‌ ময়েক্‌সীঙ অসী 'ꯑ' ইয়েক্‌ত খোন্‌থোক্‌ তানব চৈতপ তপ্‌সীন্‌তুন সেমবনী মখোই অসী ইয়েক্‌কী মসীঙ্‌গী মনুঙ্‌ চনদে। অতুন ইনুঙ্‌য়েক্‌ অহুমতনী।


ইনুঙ্‌য়েক্‌ অসী নীঙসাগী ইচেল্‌ তীঙ্‌ন হাইদোক্‌প ময়মন হাইদোক্‌প মতম্‌দ মুন্‌ন তাবগী মথৌ তাই। খোন্‌জেল্‌ অসী য়াম্‌ন সান্‌ন অমদা নাউন হাইব যাই। মখোই অসী হাইদোক্‌প মতমদ লৈগী ফীবম্‌, চীন্‌বান গী মওঙ মুন্‌ন নৈনব মথৌ তাই।

(ক) লৈগী সকক্‌—
(১) লৈতোন্‌ (২) লৈয়াই (৩) লৈখোঙ্‌, লৈ বাঙ্‌খৎপ অমসুং নেমথবনী মওঙ্‌।

(খ) চীন্‌বান্‌গী মওঙ্‌—
(১) চীন্‌বান্‌ খুজীন্‌ব (২) চীন্‌বান্‌ কাব (৩) চীন্‌বান্‌ যামন কাব (৪) চীনবান্‌ কোইন লৈব।

চীনবান্‌ কোইদব — ꯏ, ꯑꯦ, ꯑ, ꯑꯥ ,
চীনবান কোহব — ꯎ, ꯑꯣ, ꯑꯧ

'লৈ' অমসু চৈনবানগী মওং




(১) লৈ রাড্‌খ-প চৈনবান, খুজীন্‌ব—ই, উ →
(CLOSE)

(২) লৈ খাদ খর নম্থব চৈন বান, খব কাব—e, o →
(HALF CLOSE)

(৩) লৈ খাদ খর হেন্‌ন নম্থব—ɛ, ʌ, ɔ →
(HALF OPEN)

(৪) লৈ কয় কাড় দব চৈনবান, হেন্‌ন ফন্‌ব—a →
(OPEN)

[illegible]—



꯱। [illegible]—Wine pipe.
꯲। [illegible]—Gullet.
꯳। [illegible]—Vocal chord
꯴। [illegible]—Epiglottis
꯵। [illegible]—Larynx.
꯶। [illegible]—Uvula.
꯷। [illegible]—Soft palate.
꯸। [illegible]—Palate.
꯹। [illegible]— Alveola.
꯱꯰। [illegible]—Teeth.
꯱꯱। [illegible]—Lips.
꯱꯲। [illegible]—Tips of tongue.
꯱꯳। [illegible]—Middle of tongue.
꯱꯴। [illegible]—Back of tongue.
꯱꯵। [illegible]—Nayal cavity.

[illegible]—꯵ [illegible]

[illegible]—꯱꯵ [illegible]

[illegible]—꯸ [illegible]

[illegible]—꯲ [illegible]

[illegible]—꯱꯰ [illegible]

[illegible]—꯱꯱ [illegible]

[illegible] ॥

—□—

চাইদুন লৈরীব মীতৈ ময়েক্সীঙ.

তাঙ. ১৩।৩।৫৮—১৫।২।৫৯ ইংগী মীতৈ ময়েক্ পুথোক্নবগী ফম্থীব মীফমসীঙ.দ অথং-অহৈসীঙ.ন পুথোক.নরক.প ময়েঙ.সীঙ. অচুদগী সক.মান.নদব ময়েক.মথৈ খন.গত.তুন পুথোক.চব।

ক খ গ ঘ ঙ চ ছ জ ঝ ঞ ট ঠ ড ঢ ণ ত থ দ ধ ন প ফ ব ভ ম য র ল ৱ শ ষ স হ ক্ষ

অ আ ই ঈ উ ঊ ঋ ৠ ঌ ৡ এ ঐ ও ঔ অং অঃ

১ ২ ৩ ৪ ৫ ৬ ৭ ৮ ৯ ১০

ইয়েক্কী ৱায়েল্ মপুদী
মীতৈলোন.ন ওইখী

লোনন ইমানী, ময়েক.ন ইপানী
অসেঙ.ব ইপাদী ইমাতন থংব ঙম্ই।

বংগালা ময়েক.ত লৈব ময়েক. খুদীঙ.মক.কী মীতৈ ময়েক.তসু সেম.-সাত্নন লোইনমক পুথোক.লম.ব অসীথক.তনসু মযাম.সী মীগী মতৌ তম.বনী, মীখুত. চংলে হাইব অচু মসান তাক.চবে। কাইনথংদ No. 1/2/78-SS/E dt. 16-4-1980 দা ময়েক. কুন.তরেত.পু মীতৈ ময়েক. ওইন সরকারন সক.থংখী লোইনন সরকারগী মহৈ লোইসঙ.সীঙ.দ তকক.সুব ৱূলাস.তগী তম.ব হৌহন.খরে। হৌজীক. ফাউবদ সরকারগী ফীরেপ.ত অহোঙ.ব অমত.ত লৈতে।

(অনীশুব তাঙ্কক্)

(২) ৱাপোকুলোন্ থীলেল্

(ETYMOLOGY)

য়ারাগী মরম্দ নৈনব—

য়ারাগী মরম্দ নৈনব :—মথক্ত খোনথোক, মচেৎ, মচেৎকী মহুৎসীনব খুদম, অহু ময়েক্নী হাইথরে। হাইরীব খোনথোক, মচেৎ, মাচৎসীঙ অহু পুনসীনবদ মহুগী ৱাহনথোক, লৈরবদী মহুবু য়ারা কৌই। অহুগ ৱাহনথোক্ লৈতববদী মহুবু যাৱা কৌদে।


মহুদী :—ফ+জ+ব=ফজব ; মসী ৱাহনথোক, লৈ অহুন য়ারা অমনী।
ম+ফ+ক্=মফক্ ; মসী ৱাহনথোক, লৈতে অহুন য়ারা নত্তে।

ৱাহনথোক, লৈতবগী মরমদ লোনচত্ পথাপন নৈনদে।

য়ারাবু ৱাহৈ হাইন খংনব চুম্দে, মরম্দী ৱাহৈ হাইবসী 'ৱা' অহু মহৈ য়াৎলব হাইবদী ৱাহনথোক্ মপুঙ ফারব হাইবনী। ৱাহনথোক্পু মপুঙ ফারবদী মহুবু ৱাহৈ পবেঙ কৌই। যাৱা সমগৎ, সাগৎপগী থীলেল অহুবু ৱাপোকলোন থীলেল কৌই।

য়ারাগী কাঙ্লুপ্

(GROUP OF WORDS)



অসেঙ্ব য়াম্না— মসান হান্নদগী লৈজরক্লব, করীগুম্বা তপ্সীন্ব অমদী নপ্সীন নবা য়াউদবা য়ারা অদুবু অসেঙ্ব য়ারা কৌই। মতুদী :—

মী, সা, তুরেন্ অসীনচাওবা।

অসেম্বা য়ারা :—বাতপ্, চৈতপ্ অমদী রাতীননচুন অনৌবা য়ারা অমা থোকহনবা, সেম্বা অদুবু অসেম্বা য়ারা কৌই। মতুদী :—


ম-খুৎ- মখুৎ, লম্+অতোঙ্বা=লম্তোঙ্—লমদোঙ্, নীঙ্থৌগী মচা=নীঙ্থৌমচা অসীনচাওবা।

রাতপ্ (AFFIX)

(১) রাতপ্ :—য়ারা অমগী মমাঙ্দ নত্তরগা মতুঙ্দ করাগুম্বা খরা তপ্সীন্-নপ্সীননচুন সেম্বা য়ারা অদুবু রা অদ য়ারাদ তপ্সীনলী হাইদুনা মহুবু রাতপ্ কৌই। মতুদী :—

ন-খুৎ = নখুৎ, লাই-লেন — লাইলেন লাইরেন।

রাতপ্কী মখল্
(KIND OF AFFIX)



মাঙ্তপ্ খরা :— (PREFIX--য়ারাগী মাঙ্দ তপ্প)

অ-কম্বা = অকম্বা ;	অ-থাবা = অথাবা ;	অ-যাবপ = অযাবপ ;
ই-য়ুম্ = ইয়ুম্ ;	ই-মাই = ইমাই ;	ই-খোম্বা ইখোম্বা ;
ন-খোঙ্ = নখোঙ্ ,	ন-য়ুম = নয়ুম ;	ন-চাক্ = নচাক্ .
ম-কোই = মকোই :	ম-য়ুম্ - ময়ুম্ ;	ম-তুঙ্ = মতুঙ্ ;

তুঙ্তপ্ খরা :—(SUFFIX—তুঙ্দ তপ্প)

(ক) রারুতপ্ খরা— মরু— Root রারুগী মতুঙ্দ তপ্প।

কদব, গদব, লব অমস্ন রব তপ.প :

কদব—চত.কদব, থত.কদব, পত.কদব, মত.কদব, সাত.কদব ;
গদব—কাগদব, থাগদব, চম.গদব, রাইগদব, হ.নুগদব ;
লব—কম.লব, থাম.লব, তল.লব, মাল.লব, হাল.লব ;
রব—উরব, কারব, চারব, তারব, ফারব ;

রাতপ. অনী থোন.ব—

লকদব, লমলব, রমলব :

লক.কদব—কম.লক.কদব, থম.লক.কদব, তাল.লক.কদব, হল.লক.কদব ;
রক.কদব—কারক.কদব, চারক.কদব, পারক.কদব, হারক.কদব ;
লম.লব—কাল.লম.লব, চত.লম.লব, পাল.লম.লব, হল.লম.লব ;

রা-তুঙ.তপ. খর—(SUFFIX)

লেন-বেন. :—চাক.লেন., উন.লেন., ফৌলেন.-ফৌবেন., লাইলেন.-লাইবেন., নীঙ.থৌলেন. নীংথৌরেন. ।

গুম.ব-গুম.ব :—ঐহাক.কুম.ব-ঐগুম.ব, মহাক.কুম.ব=মাগুম.ব, নহাক.কুম.ব-নংগুম.ব, নখোই গুম.ব,
মখোইগুম ব ।

লক.-রক. :—অনুক.লক.-অনীরক., অহুম লক-মহীরক., তরুক.লক-তরেৎ.লক., নীপাল.লক.-তরারক ।

খোন.তীন.নব
(COMBINATION OF LETTERS)

(১) খোন.তীন.নব :—

খুদোঙ.চাব যেঙ.তন খোন.থোক. তেন.সীন.নব, বনান. চুঙ.সীন.নবগ খোন.থোক. তেন.সীন.ন হাইববু খোন.তীন.নব কৌই । মতৌ :—মখোই+অতু=মখোইতু মখোইদো ।

খোন.তীন.নবগী মখল্
(COMBINATION OF LETTERS)

(১) ঈপুঙ.য়েক. মসেল তীন.নব
(Combination of Vowels)
অনী+অতু অনীতু

(২) থুনুঙ.য়েক.ক তীন.নব
(Joining of Consonent)
রা+মচেৎ রাচেৎ ।

ইনুঙ.য়েক্‌ মসেল্‌ তীন.নব খর
(COMBINATION OF VOWELS)

মচা + অহু = মচাহু—মচাদো ;   তাদ + অহন. তাদহন — তাধন .
মখোই + অহু = মখোইহু — মখোইদো ;   মখোই + অনী মখোইনী — মবানী ;
ইনাউ + অতোম্‌ব - ইনাউতোম্‌ব—ইনাউতোন .   ঐখোই + অনী — ঐখোইনী — ইবানী ;

ইনুঙ.যেক্‌ অনী তীন নবদ অকোন.বগী 'অ' অসী মাঙ.খী।

ইমাই + ইবুঙ.ঙো ইমাইবুঙ.ঙো ,   ইনে + ইবেম্‌ম ইনেবেম.ম— ইনেম.ম ;
ইচে + ইবেম.ম = ইচেবেম.ম — ইচেম্‌ম ,   খুরা + ইবুঙ.ঙো - খুরাইবুঙ.ঙো—খুবাইঙো ,
ইপল্‌ + ইবুঙ.ঙো - ইপলবুঙ.ঙো —ইপল ঙো ;   চাউব + ইবুঙ.ঙো - চাউবুঙ.ঙো— চাউঙো ,

মরী-মতা খংনবগী মতাঙ.দ অকোন.ব যাবাগী মকোক্‌হংব ই অদু মাঙ.ই।

খত.ন + ই খত.নৈ .   ফুন. + ই = ফুনৈ :   কাইন + ই কাইনৈ .
ওইজ + ই ওইজৈ ,   ঙম.জ + ই — ঙমজৈ ;   পাম.জ + ই পামৈ
পেন.জ + ই — পেন.জৈ ;   চাজ + ই = চাজৈ ;   হাইজ + ই - হাইজৈ।

অহান.ব য়ারাগী অরোইব খোন.থোক্‌ত য়াউব 'অ' অহুগ অকোন.ব যাবাগী অচৌব হু অনীতুন শেনপ ওল.লী।

রা + অচৌব = রাজাউ ;   উ + অচৌব - উজাউ ;   লৈ + অপাক্‌প লৈপাক ,
চীঙ. + অচৌব = চীঙ.জাউ ;   মী + অচৌব = মীজাউ ;   পাত. + অচৌব — পাত.চাউ ;
ফী + অসাঙ.ব = ফীসাঙ. ;   চু + অসাঙ.ব = চুসাঙ. ;   ম + অকংব উক

ইনুঙ.যেক. খরদী খোন.থোক. মুঙ.ভাইব যেঙ.দুন তীন.সানৈ।

খুনুঙ.য়েক্‌ক তীন.নব খর
(COMBINATION OF CONSONANT)

ফী + মতোন. - ফীতোন.—ফীদোন. ;   লু + মতোল. = লুতোল. ;
খুত. + মতুম. = খুত.তুম.—খুদুম ;   নৌ + মতোল. = নৌতোল ;
চীঙ. + মতোল. = চীঙ.তোল.—চীঙদোল. ;   উ + মতোল. = উতোল. ;
য়োত. + মখোক. = য়োত.খোক.—য়োখোক. ;   যোত. + মপাক. = য়োত.পাক. ;
খোঙ. + মখুল. = খোঙ.খুল.—খোঙ.গুল. ;   খোঙ. + মপাক. = খোঙ.পাক।

অকোনব যারাগী 'ম' অসী মাঙ.লগ খোন্‌থোক. শেন.সীল.লী।

খুন্ + তাঙ.ব = খুন্তাঙ.ব—খুনদাঙ.ব ;   লন্ + তানব = লন্তানব—লনদান্ ব ;

য়ুম্ + তাঙ.ব = য়ুম্তাঙ.ব—য়ুমদাঙ.ব ;   লন. + তান.ব = লন.তান.ব—লন.দান্.ব ।

ন, ম, গী মথাদ লাক্.প 'ত' গী খোন.থোক. 'দ' ওন.থোক্ই, ত অহুম্ থম্নবদী রাহন.থোক ফজন নৈ, দ ওন.থরবদী রাহন.থোক. মাঙ.ই অত্তবু চত্.নবদী অহুম. চত্.নৈ।

থ৩. + চব = থত্.চব - (থচচব) ;   হাত. + চব = হাত.চব—(হাচচব) ;

কত. + চব = কত্.চব - (কচচব) ;   লাত. + চব = লাত্.চব—(লাচচব) ;

চত. + চব = চত.চব = (চচচব) ;   হুত. + চব - হুত্.চব—(হুচচব) ।

ত নত্.তরগ 'ত' গী মথাদ 'চ' লাকলবদী ত গী মহুত্.ত চ ওন ব মওঙ্ অসী সংস্কৃত.কী মতৌ তম্নবনী ওন.ফম থোক্.তে।

থক. + সান.ব = থক.চান্.ব ;   ফম + সীন.ব - ফমজীন.ব ;

থাই + সীন.ব = থাইজীন্.ব ;   ফক. + সীন.ব = ফক্চীন্.ব ;

সু + সীন.ব - সুজীন.ব ,   সম. + সীন.ব = সমজীন.ব ;

সীন.ব হাইব রাতপ.কী 'স' অসী 'চ' নত্.তরগ 'জ' ওন.হুন চীন.সীন.নৈ।

শানতীননব অসী সংস্কৃত্.কুমন অকন্.নব পান্.দম্ অমন পুন.হুন থমব হমাদে, শোনথোন্.কী খুদোঙচাব যেংহুন সেমহ। চত্নবীবু লোন.চত্. পথাপ.ন নন্.হুন মান পাম্.ব মতুঙ্ ইনন হোঙ্.দোক প ডোমদে শাহনহ্ অসিরাইদসু নৈরে।

রাতীন.নব (COMPOUND WORD)

৩। রাতীন.নব :—

য়াবা মসেল রাহন.থোক, কাইহন.দন চান-চানব যেঙ্.হুন চানসীন্.নগ নত্.তরগ চানব রাহন, নৈব য়ারা অমন মতুত্ সান.হুন তেন.সীনন হাইব অত্তবু রাতীন্.নব কৌই।

মহুদী :— চিঙ্.দ নৈব লী - চিঙ্.মী, জাত্.তগী তাবব - জাত্.হুব।

রাতীননবদ রাহন.থোক, কাইহনদব হাইবদী য়াবা অনী নত্.তরগ অনীদগী হেন.ব মথোয় পুনন তীন্.সনরুন য়াবা অমত্.ত ওইহল্.লীব অদদ পুল্.লীব য়াবাসিঙ, অদুন ফোঙ্.দোকলীব রাহন.সিঙ, অহুগ অমত্.ত ওইরীব য়ারা অহুগ রাহন. চান্.নব ওইগদবনী হাইবনি।

খুদম. ওইন হাইরবদ :—উপাক্.কী থোঙ উপাক্.থোঙ., রাহন চানরে রাতীননব য়ারে।

মসাদ —'থোঙ.উপাক.' হাইরবদী রাহন. চান্দরে য়াদে হাইবনী।

মহুদী :—উপাক.থোঙ. = উপাক্.ন সাব থোঙ (উপাক.কী থোঙ.)

থোঙ.উপাক. = থোঙ. অত্তগী উপাক.।

নীঙ.সীঙ.জব :—

১। খোন্তীন্.নব হাইবদী ময়েক. মসেল. তীন.সীন.নবনী ; মহুদী :—অনী + অহু অনীহু।

২। রাতীন্নব হাইবসীন য়ারা মসেল পুন্সীন.নবনী ; মহুদী : -ইমা অমসুং ইপা - ইমা ইপা।

রাতীন্‌নবগী মখল্‌

(KIND OF COMPOUND WORD)

(১) হোঙ্‌দব য়ারাগ তীন্‌নব
Adverbical Compound
চাব খুদীঙ্‌ ; ঙম্‌ব মখৈ

(২) নাক্‌য়েত্‌ মরুওইব
Compilative Compound
ইমা-ইপা ; খম্‌ব-থোইবী

(৩) অপান্‌নব অমবু তাক্‌প
Determinative Compound
নীঙ্‌থৌমচা, জাত্‌তাব

(৪) মতীক্‌ ময়াই খংনবগ তীন্‌নব
Appositional Compound
অভাঙ্‌ব থমবাল্‌, লম্‌ফাঙ

(৫) মসীঙ খংনবগ তীন্‌নব
Numarical Comp.
চাতবেত্‌, চহুম্‌

(৬) তোঙানব অমবু খংনব
Relative Compound
চেক্‌লাউবী, উতুবী।

(১) হোঙ্‌দব য়ারাগ তীন্‌নব রাতীন্‌ : (Adverbical Compound)

পক্‌নরীব য়ারা অনী অতুগী মতুংদ হোঙব লৈতব যারা অম য়াউব রাতীন্‌, অতবু হোঙ দব য়ারাগ তীন্‌নব রাতীন্‌ কৌই। মতুদী :— চহী-খুদীঙ্‌, ঙম্‌ব-মখৈ।

খুদম্‌ খর :—

পুঙ্‌জা পুঙ্‌জা খুদীঙ্‌গী	=	পুঙ্‌জা খুদীঙ ;
থোখোক্‌ থোখোক্‌ খুদীঙ্‌গী	=	থোখোক্‌ খুদীঙ ;
হেক উরীব মখৈ		উবী-মখৈ ;
হেক্‌ সীরব ফাউব		সীর ফাউব ;
হীঙ তুন লৈরীব ফাউব		হীঙ লী ফাউব

(২) নাক্‌য়েত্‌ মরুওইব রাতীন্‌ :—(Compilative Compound)

পক্‌নরীব য়ারা অনী অতুমক্‌ চাঙ্‌ মান্‌নন মরু ওইব রাতীন্‌, অতবু নাক্‌-য়েত্‌ মরুওইব রাতীন্‌ কৌই। মতুদা :—ইমা অমসুং ইপা = ইমা-ইপা ; খম্‌ব অমসুং নোঙ্‌বান = খম্‌ব-নোঙ্‌বান।

খুদম্‌ খর :—

তুপা অমসুং তুপী = তুপা-তুপী ;	লাব অমসুং অমোম = লাব-অমোম ;
মচা অমসুং মসু = মচা-মসু ;	কৌ অমসুং চেঙ্‌ = কৌ-চেঙ্‌ ;
লৈসাবী অমসুং পাখং = লৈসা-পাখং ;	হোঙ্‌ব অমসুং হোঙ্‌বী = হোঙব-হোঙ্‌বী।

(৩) অপাননব অমবু তাক্প রাতীন.:— (Determinative Compound)

পক.নরীব য়ারা অনীছন অপান নব অমবু তাক.প রাতীন, অদুবু অপান.নব অমবু তাক.প রাতীন্ কৌই। মতুদী —চীঙ.দ লৈব মী—চীঙ.মী, যুমগী মপু—যুম্বু।

খুদম্ খর :— ঙাবু ফারীব মী=ঙাফাব, তম্দ লৈব মী—তমমা, যুম বু সাব মী যুমসাব, জাত.তগী তাবব=জাত-তাব; সন.গী সং সনসং, সন.গীদমক.ত সঙ, সন সং, যুম গী মপু যুম.বু, লৌগী মপু লৌপু, ঘীগী মথী=ঘীথী, সংগোম.গী মপাল—সংগোমমপান্।

(৪) মতীক্ ময়াই তাক.পগ তীন.নব রাতীন.:— (Appositional Compound)

মতীঙ.-ময়াই তাক.প য়ারা অমগ তীন.নব রাতীন, অদুবু মতীক্ ময়াই তাক.পগ তীন.নব রাতীন কৌই। মতুদী :—থম.বান, মান.ব মাইথোঙ.=মাইথোঙ.-থম.বাল্।

খুদম. খর :— চোইন চোইন তারব সম লাঙ. = চোইজাইনব সম লাঙ

মোত.লব মনজুনরব ফী = মন.জুনব ফী,

চোইন-চোইন তাববী লৈরাঙ. = চোইজাইনবী লৈবাঙ

খোঙগুললব্ত তারবী লেরাঙ. = খোঙ.গুল লব্কী লেরাঙ,

ফেবা থকত তোঙ লীব উচেক্ = ফৈরাথক্কী উচেক।

( ) মসীঙ.থংনব য়ারাগ তীন.নব রাতীন.:— (Numerical Compound)

মসীঙ খ নব যারা অমগ তীননব রাতীন অদুবু মসীঙ.থংনবগ তীন্নব রাতীন্ কৌই। মতুদী :— ও...-তরেত ন সাব খুত তবেত, খুত,

খুদম খর — চাম চাম থীব মঙা=চামঙা, মী মঙাগী খোঙ চত—মঙাখোঙ.চত., মরোল্ মরোল অতুম—মরোল অতুম; নুমীত, মসীঙ. তরেত, নুমীত তরেত, মী মপোত, তরেত—মীপোত তরেত, পানা মসীঙ তরেত=পানা তরেত, থাঙ.জ মসীঙ. তরেত, থাঙ জ তরেত, মচ ল, মাপল ফাঙ ব লোঙ, লোঙ সা মাপল।

(৬) তোঙানব অমবু থংনব রাতীন — (Relative Compound)

পকনবীব যারা অনীমককী রাহন লৌদন অপোপ.প অমবু থংনব রাতীন অদুবু তোঙানব অমবু থংনব রাতীন কৌই, মতুদী :—উদ তুব (হব্প) উচেক্ উতুবী।

খুদম্ খর:—উদ তাঙ.তুন হৌব পাব.বী=উতাঙবী, ঙা লাক.প উচেক.—ঙারাক.পী, চীঙ. মনুঙ.দ হুত.প চীঙনুঙ.হুত., লৈপাক্ ময়াম্ কনথব লৈকীন.থবী, খোঙ. ঙাক.প লাই=খোঙাকন., চেক্ চেক খোঙ ব উচেক্ চেক্লাউবী, অতোঙ ব লম—লমতোঙ—লম দোঙ্; অমুব লাই—লাইমু, কাচীনদ লৈব লাই=কাচীন্ লাই; মখোঙ নেম্ব হৈনৌ=হৈনৌ খাঙ নেম বী।

য়ায়াগী মখল,
(PARTS OF SPEECH)

(১) মীঙ.তাব (Noun)
(২) মীঙ হুত. (Pronoun)
(৩) মতীক্ ময়াই তাক্প (Adjective)
(৪) থোৌতাক্ (Verb)
(৫) থোৌঙ. তাক্প (Adverb)
(৬) রাতাই (Preposition)
(৭) রাপুন (Conjunction)
(৮) মুঙ ফোঁঙ. (Interjection)

(১) মীঙ.তাঙ. = Noun বিসেশ্য- সংজ্ঞা :

করীগুম্ব মমীঙ. অমবু তাক.প য়ায়া অদুবু (মীঙ.বু তাক্প) মীঙ.তাক. কৌই ;

মতুদী :— ইবোহল্, সংগোম্, লোক.তাক. অচৌব পাতে নি।

(২) মীঙ.হুত. = Pronoun = সর্বনাম :

মীঙ.তাক. অমগী মওত সনদুনা চৈং নন্নীব য়ায়া অদুবু (মীঙ.নাক্ক মহুত সিনব) মীঙ.হুত. কৌই : মতুদী :— ঐ, নং, মা, মখোই অসীনচীঙ.ব।

(৩) মতীক.-ময়াই তাক.প — Adjective = বিসেসন :

করীগুম্ব মীঙ.তাক. অমগী মতীক.-ময়াই (ফৈ-যত্তবে, ফত্তবী-ফনদে) তাক্না য়ায়া অদুবু মতীক.-ময়াই তাক.প য়ায়া কৌই ; মতুদী — ফজব, অথাব, অঙনব অসীনচীঙ.ব।

(৪) থোৌতাক. = Verb = ক্রীয়া :

করীগুম্ব অম তৌই-তৌদে, থই-থইদে হায়িব ৱা. অদুবু তাক.প য়ায়া অদুবু (থোৌদু নাক.প) থোৌতাক. কৌই :

মতুদী :— ঐ চাক. চাই, নং চত্তে, মা হন্নলক.লে অসীনচীঙ.ব।

(৫) থোৌঙ. তাক্প Adverb = ক্রীয়া বীসেসন :

করীগুম্ব থোৌতাক. অদুন তৌই তৌদে, থই থইদে হায়িব অদুগী থইব-থইদবনচীঙ.বগী তৌরিব থৌ অদুগী মওং. তাক.প য়ায়া অদুবু থোৌঙ. তাক.প য়ায়া কৌই :

মতুদী : — তপ্.না-তপ্.না চত্.লী, থুন চেন্খরে, তোম্ব চাক. হাউন চারী।

(৬) রাতাই Preposition = সম্বন্ধবোধক. :

করীগুম্ব য়ায়া অনীগী মরী তাক্নবা তাইর্মীনন্নরীব (রায়বু তাইনীনরীব) য়ায়া অদুবু রাতাই কৌই ;

মতুদী তোম্ব য়ুমগী মাচীনদ লোত্.লী, পুখরী মপানদ লৈ সাং.লী।

(৭) ৱাপুন্‌ = Conjunction = সমুচ্চয় বোধক :

করীগুম্ব য়ারাগ য়ারাগ নত্‌তরগ ৱাহৈ পরেঙ্গ ৱাহৈ পরেঙ্গ অনীবু পুন্‌সীন্‌নবীব (ৱা অনীবু পুন্‌সীল্‌লীব) ৱাহৈ অদুবু ৱাপুন্‌ কৌই।

মতৃদী :—চাউব অমসুং তোম্ব চত্‌লী, য়াইম চত্‌খরে অদুগ তোমব লাকলে অসীনচীঙ্‌ব।

(৮) মুঙ্‌ফোঙ = Interjection = বিস্ময়াদিবোধক :

করীগুমব পুক্‌নীঙ্‌গী ইহুল্‌ মুঙ্‌গী ৱা অদুবু হৱাউন, ঙকন, অমদী কঁনা ফোঙ্‌দোক্‌লীব য়াম্না অদুবু (মুঙ্‌গী ৱা ফোঙ্‌দোক্‌প) মুঙ্‌ফোঙ্‌ কৌই। মতৃদী :—ওঃ ইহে ! ওহো ! অদুনীদনা !

(১) মীঙ্‌তাক্‌ :—

মীঙ্‌তাক্‌কী মখল্‌
KIND OF NOUN


(১) অখাননব মীঙ্‌, Proper Noun — ইবোচা, তমফাল
(২) কাঙ্‌লুপ্‌কী মমিঙ্‌, Common Noun — তুরেন, অঙাঙ্‌
(৩) ৱাখল্‌ন সেম্বব মীঙ্‌, Abstract Noun — খেঁজাল, অকনব
(৪) মপৈ-সংগুগী মমীঙ্‌, Collective Noun — মপৈ সংগ।
(৫) মচাক্‌ মচলগী মীঙ্‌, Material Noun — সংগোম্‌, চুহী, ইসিঙ্‌

(২) মীঙ্‌হুত্‌ :


মীঙ্‌হুত্‌কী মখল্‌
KIND OF PRONOUN

(১) মহুৎ, Personal Pro. — ঐ, নং, মা
 - অহানব মী, 1st Person — ঐ, ঐহাক্‌
 - অনীবা মী, 2nd Person — নং, নহাক্‌
 - অহোপ্‌প মী, 3rd Person — মা, মহাক্‌
(২) অবেপ্‌প তাক্‌প, Demonstrative Pro. — মসী, অদু, মদুমক্‌
(৩) অবেপ্‌প খদব, Indefinit Pro. — খব, কনানো অম
(৪) ৱাহং খংনব, Interrogative Pro — করী, কনানো ?
(৫) মরী খংনব, Relative Pro. — নখোইবু, মাবু


(৩) মতীক্‌ ময়াই তাকপ :



(৪) থৌ তাক্‌ :- -



(৫) থোৌওঙ তাকপ :--



মীঙ্.তাক্কী পা-পী
GENDER

মীঙ্.তাক্ অদু মুপানী 'পা' নী, মুপীনী 'পী' নী নত্.তরগ পা-পী অপুন্বনী অমদী পা-পী থাইদে হাইব তাক্.প অদুবু মীঙ্.তাক্.কী পা-পী হাইন কৌই। মতুদী :— চাউব হাইবসী মুপানী 'পা' নী, চাউবী হাইবসী মুপীনী 'পী' নী ; অঙাঙ্ হাইবসী পা-পী অপুন্বনী, ফী হাইবসী পা-পী থাইদে।

মীঙ্.তাক্.কী পা-পী (Gender)

(১)	(২)	(৩)	(৪)
পা (মুপা)	পী (মুপী)	পা-পী অপুনব	পা-পী থাইদব
Masculin Gender	Feminine Gender	Neuter Gender	Common Gender
চাউব, যেমবা	চাউবী, য়েমবী	অঙাঙ্., অঙল	ফী, লাইরীক্

পা-পীগী পুঙ্.বা :—

থরাই পানব কাঙ্.বুগীদী পা-পীগী পুঙ্.বা লৈ। অতৈ থরাই পান্দবসীঙ্.গীদী পা-পীগী পুঙ্.বা থাইদে।

পা	—	পী	পা	—	পী
চাউব	—	চাউবী	তোনব	—	তেম্মবী
সনাসাব	—	সনাসাবী	মাইব	—	মাইবী
হাউনুব	—	হাউনুবী	থোইব	—	থোইবী/থোইনু
অতোম্ব	—	অতোম্বী	হোঙ্.ব	—	হোঙ্.বী
অমুব	—	অমুবী	কারুব	—	কারুবী
লাইসব	—	লাইসবী	য়েম্বা	—	য়েম্বী
ইচানুপা	—	ইচানুপী	চৌঙ্.নুপা	—	চৌঙ্.নুপী

চৈতপ, য়াউদব নত্.তরগ আতোপ্.ন লোমব পা থংনব থম্লী বা, পী তপ মীনতুন পা সেম্ই

পা	—	পী	পা	—	পী
ইপা	—	ইমা	মবুঙ	—	মচে
ইপল	—	ইমহান্	ইমান	—	ইনে
ইয়ামব	—	ইচে	ইনাউ	—	ইচং
খম্ব	—	খমনু	পুরেনব	—	পুরেমবী

মীঙ্.গো-থাগো অমদী মরী-মতাসীঙ্.গীদী থাক্ মাননব য়েঙ্.তুন পুঙ্.বা সেম্ই। পুঙ্.বা অসী মতৈ-মনাউ তাব য়াউবগী বাংলী মতৈ-মনাউগী থাকম্ লৈতে।

পা	—	পী	পা	—	পী
সনলাব		সন অমোম	খুনু লাব	—	খুনু অমোম
চুই লাব	—	চুই অমোম,	চোঙা লাব	—	চোঙা অমোম,
কৈ লাব	-	কৈ অমোম,	য়েন লাব		য়েন অমোম,
সন লাম্‌চা	—	সন হাতম,	য়েম্‌বা	-	য়েম্‌বী

সা-উচবুসিংগীদা পা থংনবদা লাব , পী থংনবদা অমোম, তপ্‌তুন পুড্‌বা সমই। করীগুম্‌বদা লাম্‌চাগীদা হাতম্‌, য়েম্‌বাগীদা য়েম্‌বী হাইনসু পুডবা সেম্‌ই।

পা		পী	পা	পী
অনাথবী লাব	—	(তরাথনী অমোম)	টৈবেোম লাব	(টৈবেোম অমোম,)
যোঙচাব লাব		(যোঙ্‌চাব্‌ অমোম)	ংগে লাব	(মং অমোম)

উপাল্‌-পাল্‌সিংগীদা মইক যানব কাঙ্‌বুসিং নগী পা পী থাহ। মং হনদমাখন লাব হ হংগ মহৈ যান্‌বগীখন অমোম হাইজন পা-পীগী পুড্‌বা সেম হ। অদুবু অনো- হাকসিদা কয় চঙনদে।

পোত্‌-চৈ, থরাই পান্‌দবসিংগীদা পা-পীগী পুডবা থাইদে।

মীঙ্‌তাক্‌ অমসুং মীঙ্‌হুত্‌কী মসাং
(NUMBER)

লোন থবগী মতে তমজন মীহৈলোন্‌গী মিঙ্‌থাক্‌ অমসু মিঙ্‌ং্‌ [illegible] অম [illegible] অম অমদগী হেল্‌লংদা মথাম ন হাইজন চত্‌নবী। [illegible] মবম্‌ অনি অনা থংনব অম মযম চৎদে, অনদা হেল্‌লবদা মযাম চ্‌ই

মীংতাক অমসু মাঙ্‌হুংকা মসিং (Number)

অম থংনব Singular Number	অনী থংনব (পোপা) Dual Number	মযাম থংনব Plural Number
অথাঙ অম, এ্‌ন	অঙাঙ অনা, ইবানি, এখোইন	তঃদ মহ নম অগাঙসিং, এপাই মান, নখোইসিং

মীঙতাককী মসিং :—

অম থংনব	অনা থংনব/পোপা	মযাম্‌ থংনব
মী অম	মী অনী	ম ময়াম /মীসিং,
যেনবা অম	যেন্‌বা অনী	য়েন বা ময়াম,/য়েন্‌বাসীঙ
লাইরীক্‌ অম	লাইরীক অনা	লাইরীক ময়াম,/লাইরীক্‌সিঙ,

মীঙ.লুত.কী মসীঙ. :—

অম থংনব	অনী থংনব/পোপা	ময়াম থংনবা
ঐ	ঐখোইনী/ইবানী	ঐখোই ময়াম/ঐখোইসীঙ.
নং	নখোইনী/নবানী	নখোই ময়াম/নখোইসীঙ.
মা	মখোইনী/মবানী	মখোই ময়াম/মখোইসীঙ.
ইতোম্ত	ইবানীত	ঐখোই ময়াম্ত

মী অনী হাইবদ কনানসু ময়াম্ ওইন থন্দে, ঐখোইনী, ইবানী, নখোইনী, মবানী হাইবসী পোপাগী মওঙ.নী অদুন অনী থংনব অম লৈফম্ থোক্ই। অসুম্ন মীঙ.তাক্ অমসুং মীঙ.লুত.কী মসীঙ. অসী অহুম্ সুই।

না-পু তাক্প
CASE

মীঙ.তাক্ নত.্রগ মীঙ.লুত.কী মরী ঐননী, মাননী মখোইবুনী হাইবনচীঙ.ব না-পু অদু থোতাক্ নত.তবগ অতোপ.প য়ারা অমগ মরী লৈনব তাক.প অদুবু মীঙ.তাক্ অমদী মীঙ.লুত.কী না-পু তাক্প কৌই।

মতৃদী —মপান(না) মচাবু সীঙ.নবগীদমক. চৈন(না) ফুই।


কনান যুবনো ? মপাননী ; কনাবুনো ফুখীববু ? মচাবুনী ; করীগী ফুখীবনো ? সীঙ.নবগীদমক. ; করীনা যুখীবা ? চৈন ফুখীবনা। অসুম্ন না-পু তাক ই।

না-পু তাক.পগী মখল্ :—

(১)	থোবুগী মরী	ন/না	Nominative Case	চাউবন(না) হাই।
(২)	থোগী মরী	বু/পু	Objective Case	তোমববু ফুই।
(৩)	খুত.লাইগী মরী	ন-না	Instrumental Case	থাঙ.ন থবী খোক ই।
(৪)	ইসাগী (ওইবগী) মরী	গী-দমক	Dative Case	ইনাউগীদমক. থাক.ই।
(৫)	লোথোক.পগী মরী	দগী-তগী	Ablative Case	চেঙ.খুদগী লোথোক.পনী।
(৬)	মীতৃগী মরী	গী-কী	Possassive Case	মাগী/মহাক.কী পোত.নী।
(৭)	মফম্গী মরী	দা-তা	Locative Case	ইশুঙ.দ(দা) মী লৈ।

থোতাক.কী মতম.
TENSE

চুম্নগী মতম্ হাইরবদী অযুক., নুঙ.থীল্, মুমীদাঙ.গী রাফম্ লাক.ই। থোতাক.কী মতম্ হাইবসীদী তৌরীব থবক. অদু হৌজীক. হৌজীক. তৌরী, তৌব লোইথবে, কোনুন নত.্রগ তুঙ.দ তৌগনী হাইব অদু তাক.ই।



মতম্গী মওঙ্. তাক.প :—

মতম্	ইচম্ চম্ব	মপুঙ. ফাদরীব	মপুঙ. ফারব
হৌজীক্. ওইরীব মতম,	ঐ চত.লী	ঐ চত.তুন লৈরী	ঐ চত.লে
হৌথরব মতম,	ঐ চত.লে	ঐ চত্.লম.ই	ঐ চত.খী
তুঙ.দ ওইরক্কদব মতম,	ঐ চত.কনী	ঐ চত.খীগনী	ঐ চত্.প ডম.খীনী

(৩) ৱাহৈ কোলোই থীলেল্

(SYNTEX)

য়াৱা ময়াম্. প্ৰেঙ, লেঙ.সীনদুন ৱাহন্থোক্ মপুঙ. ফাহন্নগ ৱাহৈ পৱেঙ্. সেম্.ই। ৱাহৈ পৱেঙ্. সেম্.বগী মৱম্.দ নৈনব থীলেল অদুবু ৱাহৈ কোলোই থীলেল, কৌই।

ৱায়া চবুন্ অমসু মথাপোনব ৱারেঙ : The Phrases and Clauses :

কৰীগুম্.ব ৱাহন মচেত, অমদী নৈব মতুন মপুঙ ফাব ৱাহন্থোক.তী লৈতব য়াৱা চবুন্ অমন য়াৱা মখল. অমগুম, থবক. তৌরবদী মদুবু য়াৱা চবুন্ কৌই।

মতুদী :—মুল.লব উহৈ অম কেল.লে।

য়ারা চবুন.গী মখল.
(KIND OF PHRASES)

(১)	(২)	(৩)
মীঙ.তাক্কী থবক. তৌব	মতীক্ ময়াই তাকপগী থবক্ তৌব	থৌওঙ. তাক্পগী থবক্ তৌব
Noun Phrase	Adjective Phrase	Adverb Phrase
পুক.চেল. সেঙ.ব হাইবসী	মহাক.ন ইরমব লাইরীক.	তপ.ন-তপ.ন চীক.ন
অফব মীগী সাজত.নী।	অদু অসীনী।	চত.লীবসী কনানো ?

(১) মীঙ.তাক.কী থবক. তৌব : (Noun Phrase) :

য়ারা চবুন্ অদুন ৱাহৈ পরেঙ. অমদ মীঙ.তাক্ অমগুম্ সীজীন্নরবদী মদুবু মীঙ.তাক.কী থবক. তৌব য়ারা চবুন কৌই। মতুদী :—অচুমব ভাঙ.বসী মীওইবগী য়াইফবনী।

মুপাদুগী মসক.-মতৌ সাওঙ.-সাদা ঐ লোইন থংই।

লম.জেল্ থোইব অভাঙ.দ মনা অসী পীবীয়ু।

(২) মতীক.-ময়াই তাক্পগী থবক. তৌব : (Adjective Phrase) :

য়ারা চবুন্ অদুন ৱাহৈ পরেঙ. অমদ মীঙ.তাক্ অমগী মতীক.-ময়াই তাক.পগী থবক. তৌরবদী মদুবু মতীক.-ময়াই তাক.পগী থবক. তৌব য়ারা চবুন্ কৌই।

মতুদী :—মতম্ কুইন মাঙ.লুরব লুই অদু অসীনী।

মহাক.ন নীত্তৌগী তোঙ.লীব সাইকল্ অদু অসীনী।

ফজ-ফজব, মচু-মচুগী লৈরাঙ.সীঙ. লৈকোনদ সাত.লী।

(৩) থৌওঙ. তাক্পগী থবক. তৌব : (Adverb Phrase) :

য়ারা চবুন্ অদুন ৱাহৈ পরেঙ. অমদ থৌতাক অদুন তৌরীব থবক. অদুগী থৌওঙ. তাক.পগী থবক্ তৌরবদী মদুবু থৌওঙ. তাক.পগী থবক. তৌব য়ারা চবুন্ কৌই।

মতুদী :—লুখোইন লাঙ.গোল্ চীঙ.গী চীঙথকত কাখত.লমই।

হীদাক. অসী পুঙ. অহুম. অহুম্ কান্নরগ পীজবীয়ু।

মালঙ.বন তপ.ন-তপ.ন লীরী-লীরী সীত.লক.লে।


মখাপোন্ব ৱারেঙ.
(CLAUSE)

মখাপোনব ৱারেঙ. :—কৱীগুমব মপুঙ, ফাব ৱারেঙ, অম ফোঙ.দোক.পদ ৱাহৈ পরেঙ, অমদগী হেনন পুন্সীন্নহুন ফোঙ.দোক.লবদী মহুদ য়াউরীব ৱাহৈ পরেঙ.সীঙ, অদুবু মখাপোন্ব ৱাহৈ পরেঙ, কৌই।

মহুদী :—ঐখোইদ ঙরাঙ, লাকলম্ই হাইব মুপা অদু অসীনী।

(তেঙ.বাঙ.ব) (মকওইব)

মখাপোন্ব ৱারেঙ. (Clause)



(:) মীঙ.তাক.কী থবক, তৌব :— (Noun Clause)

মখাপোন.ব বারেঙ, অদুবু কৱীগুম্ব মীঙ.তাক. অমগুম্ লৈরবদী মদুবু মীঙ.তাক্কী থবক, তৌব কৌই। মদুদা :—মীবু অমাঙ.বনী হাইব ৱাফমসী গানধীন যারম্দে।

যাইম হোজাইদ চত.খীব অদু নং খংহৌবরা ?

নহাক্ন হাইবীব লাইরীক, অদু ঐন সোইদন পীগনী।

(২) মতীক.-ময়াই তাক.পগী থবক তৌব :— (Adjective Clause)

মখাপোনব ৱারেঙ অদুন কৱীগুমব মীঙ.তাক. অমগী মতীক.-ময়াই তাক পগী থবক, তৌরবদী মদুবু মতীক.-ময়াই তাক.পগী থবক, তৌব হাইন খংনৈ।

মদুদী :—নহাক.ন ফজে হাইব ফী অদু পাম্ই।

থবক.কী মবম্দ ফজন খংলব মী অমতং পাম্ই।

মচান্ ইকাই কাইরে হাইব লুই অদু লাক.লে।

(৩) থৌওঙ্. তাক্পগী থবক. তৌব :— (Adverb Clause)

মথাপোন্ব ৱারেঙ. অতুন করীগুম্ব থৌতাক. অমগী তৌরীব থৌওঙ. অতু তাক্পগী থবক. তৌরবদী মতুবু থৌওঙ. তাক.পগী থবক. তৌব কৌই।

মতুদী :—মহাক. লাই য়েক.প হৈতে হাইরবদী নহাক. থর তম্বীরম্মু।

নংন মসীবু পাম্ই হাইরব ফাউবদ ঐ করীস্থ পাম.দে।

মান নংবু নুঙ.সীদে হাইরবদী ঐ মহাক.পু কৌনীঙ.দে।

য়ারা চবুন্ অমদী মথাপোন্ব ৱারেঙ. অনীমক.সী য়ারা মখল থুদীঙ.মক.কী ওইন লৈব য়াই অতুবু ক.কী অতুম. অসীন মপুঙ. ওই অতুন অতৈগী মরম.দদী নৈনদরে।

ৱাহৈ পরেঙ.
(SENTENCE)

ৱাহৈ :—ৱা—য়ারা ; হৈ=ৱাতগী মহৈ : হাইবদী ৱাহন মপুঙ. ফারব হাইবনী। ৱাহন মপুঙ. ফারবদ' মতুবু ৱারেঙ. নত.তবগ ৱাহৈ পরেঙ. কৌই। অতুম. ওইতুনস্থ অয়াম.বন ৱাহৈগী ৱাহন-থোক.তী নৈনদন ৱাহৈ হাইবগী ৱাহন অসী য়ারা (word) ওইন লৌনৈ, ৱাহৈ পরেঙ. ওইন লৌনদে। অমুক্স্থ ৱারেঙ. হাইরগ ইংগরেজীগী Prose হাইবগুম্ লৌনবস্থ য়াউরী। অতুনদী ৱাহৈ নত.তবগ ৱারেঙ. হাইবগী মতুত.ত ৱাহৈ পরেঙ. হাইন হৈবন থুদোঙ. চারে।

ৱাহৈ পরেঙ. (Sentence) :—য়ারাসীঙ. অতু পরেঙ. লেঙ.সীনবদ মপুঙ.ফাব ৱাহন.থোক লেববদী মতুবু ৱাহৈ পরেঙ. কৌই। ৱাহন. মপুঙ ফাদরবদী ৱাহৈ পরেঙ. কৌদে।

মতুদী :—

(১) চাউব চাক. চাই। (ৱাহন. মপুঙ. ফাই) ৱাহৈ পরেঙ. অমনী।

(২) চাউব চাক. য়াম্ন হাউন · (ৱাহন. মপুঙ. ফাদে) ৱাহৈ পরেঙ. অম ওইদে।

(৩) তোম.ব নোক.ই। (ৱাহন. মপুঙ. ফাই) ৱাহৈ পরেঙ. অমনী।

অস্থম.ন তেন.ব সাঙবদ চত.তে, ৱাহন.বু মপুঙ. ফারবদী ৱাহৈ পরেঙ. অম কৌবে, ফন সাঙ.তুনস্থ ৱাহন.বু মপুঙ. ফাদরবদী ৱাহৈ পরেঙ. ওইদে।

ৱাহৈ পরেঙ. অমদ য়াম.দরবদ থৌবু (Subject) অম অতুগ থৌপাঙ. (Predicate) হাইব অমগ অনী লৈতব য়াদে। থৌপাঙ. হাইবসীদ য়াম.দরবদ থৌতাক. (Verb) অমদী য়াউদব য়াদে।

মতৃদী :—

থৌবু=Subject		থোপাঙ. =Predicate			
+ থৌবু		+	থো	+	থৌতাক.
× ইবোহল্	।		×		চত লী।
× য়াইম	।	×	কবোক্	×	চারী।
ঐগী ইনাউন্নুপা য়াইম	।	থুম্লব	কবোক্	হাউন	চারী।
ফজরব লৈ অম	।	অরাঙ.গী	লৈকোন্দ	তঙাঙ. তঙাঙ.	সাত.লী।

ৱাহৈ পরেঙ.গী মথং মনাউ :— (Sequence of Sentence)


১। থৌবু=Subject   ২। থো=Object   ৩। থৌতাক. - Verb

থৌবু + থো+থৌতাক.

অসুম্না মকোক.ত থৌবু, ময়াইদ থো, অরোইবদ থৌতাক. লৈগনী। চাউথোক.হনগে হায়ববসু মনাক. মনাক.ত চাউথোক.হনব য়ারা হাপ.চিঁনহুন সেম্হই, অদুগ পীক থহনগে হাইরবসু থৌবু+থৌতাক অনীত লৈব যাই। তারবদ থৌবু অমদী থৌতাক. অনী অসীদগী ত্রাথবদা যাদে

ৱাহৈ পরেঙ.গী মথল.

(KIND OF SENTENCE)



অচম্‌ব ৱাহৈ পরেঙ
Simple Sentence

(১) করীগুম্‌ব অম ফোঙদোক্‌প
Assertive Sentence
চাউব লাইরীক্ পাবী।

(২) ৱাহং হংব ৱাহৈ পরেঙ
Interrogative
নহাক করা তৌবী?

(৩) থৌদাব ৱাহৈ পরেঙ
Imperative
নহাক্ কৈথেল চৎলু।

(৪) থংব-লাউব ৱাহৈ পরেঙ
Exclamatory
অহো! মাঙলেদন!

(ক) অপোব মীৎযেঙদ ৱাহৈ পরেঙ অসী কাঙলুপ অনী থোক্‌ই :—

(১) অওইব হাইব ৱাহৈ পরেঙ :—ইচম চম্‌ন ওইহুন চুমহুন লৈজব অওইব অমগী মরম্‌দ হাইব ৱাহৈ পরেঙ অদুবু অওইব হাইব ৱাহৈ পরেঙ কৌই।

মতুদা :- চাউব চাক চাই। ৎমীৎন নোঙপোক্‌তগী থোক্‌ই।

(২) নৎত ওইদব হাইব ৱাহৈ পরেঙ :—করীগুম্‌ব নৎতব ওইদব অমগী মরম্‌দ হাইব ৱাহৈ পরেঙ অদুবু নৎত-ওইদব ৱাহৈ পরেঙ কৌই।

মতুদা :—ভুবেন্‌না হংগৎন চেনদে। ৎমীৎ নোঙচুপলোম্‌দগী থোরক্‌তে।

(খ) ফাঁবমগী মতুঙ ইনন ৱাহৈ পরেঙগী মখল্ অহুম মুই :—

(১) অসমব ৱাহৈ পরেঙ :—করীগুমব তাইসীনন্নব যেতসীননব যাউদব ইচম চমব ৱাহৈ পরেঙ অদুবু অচম ব ৱাহৈ পরেঙ কৌই।

মতুদী :—থোইব অফব অঙাঙনী। নহাক অচমব মী নৎতে।

(২) তাইসীন্নব ৱাহৈ পরেঙ :—করীগুমব ৱাহৈ পরেঙ অনী নৎতরগ অনীদগী হেন্‌বব্ বাপুন অমন তাইসীন্‌হুন অচোব ৱাহৈ পরেঙ অম সেমব অদুবু তাইসীনন্নব ৱাহৈ পরেঙ কৌই।

মতুদা :—অহানব কাঙবু চাব লোইরে অদুগ অকোনব কাঙবু চাগদবগী থোৱাঙ তৌবী।

(৩) য়েতসীননব ৱাহৈ পরেঙ :—করীগুমব মথাপোনব ৱারেঙ অমগ অতোপপ অম নৎতবগ অমদগী হেনব তেঙবাঙব ৱারেঙগ য়েতসীননহুন মসা অমৎত ওইব অসাঙব ৱাহৈ পরেঙ অম সেম্‌লবদী মদুবু য়েতসীননব ৱাহৈ পরেঙ কৌই।

মতুদী :—তোম্‌ব চাক্ চারগ সকুল (স্কুল) কাখীবনী হাইবসী ঐ যজন থংই।

(গ) অচম্‌ব ৱরেঙ অসী মখল্ মবী মুই :—

(১) করীগুম্‌ব অম চম্‌ন ফোঙদোক্‌প ৱাহৈ পরেঙ।

মতুদী :—কালেন্ থাদ য়াম্‌ন সাই।

(২) করীগুম্ব ৱাহং অম হংব ৱাহৈ পরেঙ্‌।
মহুদী :—নহাক্‌ কদাইদ চত্‌লীবনো ?

(৩) করীগুম্ব অম থৌদাব ৱাহৈ পরেঙ্‌।
মহুদী :—নহাক্‌ লাইরীক্‌ কন্‌ন পাউ।

(৪) করীগুম্‌ব থংব লাউব ৱাহৈ পরেঙ্‌।
মহুদী :—এঃ করীনো তৌরীসীদী !

ৱারেঙ্‌গী ৱাঙাঙ্‌
(VOICE)

করীগুম্ব য়ারা থর পরেঙ্‌ লেঙ্‌সীন্‌বদ ৱাহন্‌ মপুঙ্‌ ফারবদী মহুবু ৱাহৈ পরেঙ্‌ কৌই হাইখ্রে। ৱারেঙ্‌গী ৱাঙাঙ্‌ হাইবসীস্থু অহুগুমব ৱাহৈ পরেঙ্‌ ঙাক্‌তনী। হাইরীব ৱাহৈ পরেঙ্‌ অহুগী ৱাঙাঙ্‌ অহু থৌবু অহুন মরু ওইন পাঙ্‌থোকই, থৌ অহুন মরুওইন পাঙ্‌থোক্‌ই নত্‌তরগ থৌতাক্‌ অহুন মরুওইন পাঙ্‌থোক্‌ই হাইব থংনব ৱারেঙ্‌ অহুবু ৱারেঙ্‌গী ৱাঙাঙ্‌ কৌই।

ৱারেঙ্‌গী ৱাঙাঙ্‌ (Voice)

(১)	(২)	(৩)
থৌবুন মরু ওইব ৱাঙাঙ্‌ (Active Voice)	থৌন মরুওইব ৱাঙাঙ্‌ (Passive Voice)	থৌতাক্‌ন মরুওইব ৱাঙাঙ্‌ (Quasi Passive Voice) (Impersonal Voice)
অঙাঙ্‌ন সংগোম্‌ হৈদোক্‌লে।	সংগোম্‌ হৈদোক্‌লে।	হৈদোক্‌লে, হৈদোব্‌লে (সংগোমদো)।

(১) থৌবুন মরু ওইব ৱাঙাঙ্‌ :— (Active Voice)

করীগুম্‌ব ৱারেঙ্‌ (ৱাহৈ পরেঙ্‌) অমগী ফোঙ্‌দোকপ ৱাঙাঙ্‌ অহু থৌবু অহুন মরু ওইব্রবদী মহুবু থৌবুন মরু ওইব ৱাঙাঙ্‌ কৌই।

মহুদী :—পুলীস্‌ন হুরান্‌ব ফারে।
ওঝান পরীথাগী ফল্‌ লাউথোক্‌ই।
ঐন থা উই।
ইনাউ সংগোম্‌ থক্‌ই।
ঐ চাক্‌ য়াম্‌ন লাম্‌লে।

(২) থৌন মরুওইব রাঙাঙ :— (Passive Voice)

করীগুম্ব রাঙাঙ, অমগী ফোঙদোক্লীব রাঙাঙ্ অদু থৌ অদুন মরুওইন, মপুঙ ওইন ফোঙ-দোক্লবদী মদুবু থৌন মরুওইব রাঙাঙ কৌই।

মতুদী :—হুরানব ফারে। হুরানবদুনী পুলীসন ফারীবদো।
চাঙয়েঙগী পাউ লাউথোক্লে। চাঙয়েঙগী পাউদুনী লাউথোক্লীবসে।
থা উই। থা অদুনী ঐন উরীব।
সংগোম্ থক্ই। সংগোম্দুনী থক্লীবসে।
চাক্ য়াম্ন লাম্লে। চাক্তুনী য়াম্ন লাম্লীবসে।

(৩) থৌতাক্ন মরুওইব রাঙাঙ :— (Quasi Passive Voice)

করীগুমব রারেঙ অমগী ফোঙদোক্লীব রাঙাঙ, অদু থৌতাক্ অদুন মরুওইন ফোঙদোকলবদী মদুবু থৌতাক্ন মরু ওইব রাঙাঙ কৌই।

মতুদী :—ফাবে ফারে (হুবান্বদো)।
ভাইখো ভাইহাক্ত ভাইখো।
ফুদং তুন তোক্লরনী।
হৈদোক্কনীকো! হৈদোক্লরনী পুবীবদো।
খংলে খংলে, রাখন্ তারে।

থৌবু অদুন মপুঙ ওইগদব মতাঙদ থৌবুন মরুওইব রারেঙ, সীজীননগনী, থৌ অদুন মপুঙ ওইরব থৌবু অদু পনদরব ফাউব য়ারব মতাঙ, লাক্পদ থৌন মরুওইব রাঙাঙ, সীজীননৈ, অদুগ তৌরীস, ওইরাব অদুন মপুঙ লেপ্লব থৌবু অদু নাকোইনন লৈখরব থৌ, য়াউদব মতাঙ, লাকপদ থৌতাক্ন মরুওইব রাঙাঙ, সীজীনৈ। চন্নফম্ লৈতবদ ওনথোক্-ওনসীন্ তৌদুন লোন্ সেম্লবদী লোনদা অদু ফজহনদে. মরম অসীন মসা মসাগী মতাঙ, লাক্প-লাকপদ থৌবুন মপুঙ ওইরে, থৌন মইবে নত্তবগ থৌতাক্ অদুনবু মপুঙ ওইরে হাইবদু সীজানননগনী।

পাউদম্ব রারেঙ

(DIRECT AND INDIRECT SPEECH)

মীন হাইরক্প রাপাউ অদুবু অতোপ্প অমদ পাউদম্বগী রারেঙ, অদুবু পাউদম্ব রারেঙ কৌই।

মতুদী :—(১) চুম্দরীঙ হাইদুন পাউদম্ব :—চাউবন 'ঐ চত্কনী' হাংঅমই।
(২) কোইন হাইদুন পাউদম্ব :—চাউবন মহাক্ চত্কনী হাইন হাইরম্ই।

পাউদম্ব বারেঙ,—(Direct & Indirect Speech)

(১) চুম্দরীঙ, পাউদম্ব — Direct Speech — তোম্বন 'ঐ নারে' হাইরম্ই।

(২) কোইন পাউদম্ব — Indirect Speech — তোম্বন মহাক্ নারে হাইন হাইরম্ই।

(১) চুম.দবীঙ, পাউদম.ব :— (Direct Speech)

কনাগুম্ব মী অমন হাইরক্প বাপাউ অদু ইকাই কাইদন চুম.দরীঙ. পাউ তম.ববু চুম.দরীঙ. পাউদম.ব কৌই।

মতুদী :—চাউবন 'ঐ স.কুল্ (স্কুল্) চত.কনী' হাইরম.ই।
ইবোহল্ন 'ঐগী চাঙ য়েঙ. কুইদরে' হাইরম.ই।
তোম.বন থোইবদ 'নং চত.লো' হাইরম.ই।
ওঝান ঐভোন.দ 'নংগী নমীঙ. করী কৌই' হংই।
থোইবন 'ঐহাক্. ইবুক্. ফৈ' হাইরম.ই।

(২) কোইন পাউদম্ব :— (Indirect Speech)

কনাগুম্ব মী অমন হাইরক্প বাপাউ অদু কোইথোক্ন পাউ তম্ববু কোইন পাউদমব বারেঙ. কৌই।

মতুদী :—চাউবন মহাক. স.কুল্ (স্কুল্) চত.কনী হাইন হাইরম.ই।
ইবোহল ন মহাক্কী চাঙ.য়েঙ. (পরীখা) কুইদরে হাইন হাইরম.ই।
তোম.বন থোইবদ মহাক. চত.লো হাইন হাইবম ই।
ওঝান ঐভোনদ ঐগী ইমীঙ. করী কৌই হাইন হংই।
থোইবন মহাক. মবুক. ফৈ হাইন হাইরম.ই।

বারেঙ. ওইন ইবদ মীতৈলোন্.গী থৌভাক্ (Verb) অসী বাহৈপরেং.গী অয়োইব মমৈদ থম.ই। ইংগরেজীগী মতৌ তম.তুন—চাউবন হাই "ঐ স.কুল. (স্কুল.) চত.কনী)" হাইন ইরগ কোইন পাউদম.ব বারেঙ.দ—চাউবন হাই মতুদী 'মহাক্ স.কুল. (স্কুল.) চত.কনী' হাইতুন ইব অদু লাল.লী, মথক্কী অসুমন ইগনী।

কোইন পাউদম.বদ ওনথোক.পদ চুম.দরীঙ. পাউদম.লীব অদুগী মীঙ.তুত. অদুগী মীতুত. (Person) অদু ঐহাকপুনী, মহাক.পুনী নত.তরগ মথোইবুনী হাইব অদু মুন্.ন থংব তাই, মতু হেক্ক. ওন.নথীবদ ওন.ন-তৈনম লান.ন চত.খী।

ৱাহৈ পরেঙ,গী ৱাহন্‌লোন,
(MEANING OF SENTENCE)

(১) মসান তাজব ৱাহন্
Simple Meaning
তোম্‌ব চাক্ চারী।

(২) ৱাহন, মান্‌নব
Synonyms of Sentence
মহাক্ কন,দব নত,তে
মহাক্ কল,লী
} ৱাহন, মান,নৈ

(৩) তোঙান্‌ব ৱাহন্‌লৈব
Difference between sentences
তল, য়াম্‌ন হৌই (মসীঙ, য়াম্‌ন)
তল য়া৹ম্‌ন হৌই (অতাগী য়া৹ম্‌ন)

(৪) অতোপ,প ৱাহন্ লৈব
Ironical Meaning
চাঙ,য়েঙ,দী হয়েঙ,নী লাইরীক্‌তী পারম্লু
(পাউ হাইবনী)

(১) মসান তাজব ৱাহন্ :— (Simple Meaning)

ৱাহৈ পরেঙ্ অদুগী ৱাহন,থোক্ অদু ইচম, চম,ন মসাগী হাইরীব অদুদ অদুম্ ৱাহন, তাজব (অতোপ,প ৱাহন, লৈতব) অদুবু মসান তাজব ৱাহন, কৌই।

মতুদী :—ঐ চত,লী। ইমা কৈথেল্ কাই।
থোইব চত,খীবদু ঐ উহৌই। মহাক্ ম্লাম,ন ফৈ।
চাউব য়োৱক,পদ তোম,বদী চত,খীরম,লে।

(২) ৱাহন্ মাননব : — (Synonyms of Sentence)

করীগুম্,ব ৱাহৈ পরেঙ, অনীগী পরেঙ, লেঙ,সীন্‌নবগী ৱায়েঙ, অদু মাননদব অতগ মাননদব ৱারেং, অনী অদুগী ৱাহন্‌থোক,তী মান,নব অদুবু ৱাহন্ মান,নব কৌই।

মতুদী :— { মহাক্ য়াম,নদী লাইরৈ অদুবু মবুক,চেল,দী সেঙ,ই।
মহাক, য়াম,ন লাইবব পুক,চেল, সেঙ,ব অমনী।

থবক, কন,ন নোম্‌মু নত,তরবদী পৈসা ফংলোই।
থবক্ কন,ন নোম,দরবদী পৈসা ফংলোই।

চাউব য়াম,ন কন,দব নত,তে। চাউব য়াম,ন কল,লী।

মরৈবাক,পু নুঙ,সীদব কনা লৈবগে?
মী থুদাঙ,মক, মরৈবাক,পু নুঙ,সী।

(৩) তোঙান্ব ৱাহন্ লৈব :— (Difference Between Sentences)

ৱাহৈ পরেঙ্, মসা অমত্তন তোঙান্, তোঙান্ব ৱাহন্থোক্ লৈব অদুবু তোঙান্ব ৱাহন্ লৈব ৱাহৈ পরেঙ্ কৌই। মসীমক্তী খোন্থোক্ অযাঙ্বদ হাইরগ ৱাহন থোক্ অম লৈব অদুগ খোন্থোক্ লুম্থন হাইরগ ৱাহন্থোক্ অতোপ্প অম লৈবনী।

মতুদী :—তল্ য়াম্ন হৌই। (অয়াঙ্ব) মসীঙ্ য়াম্ন;
তল্ য়া·ম্ন হৌই। (অকম ব) আতাগী য়া·ম ন;
নহাক্ অসী খন্জীল্লু। (অযাঙ্ব) উদনব খন্জীন্ব,
নহাক্ অসী খ·ন্জীল্লু। (অকম্ব) খ·ন্গত লু,
মফম্ অসীদ কৈ অম লৈ। (অযাঙ্ব) কৈ কৌব সা;
মফম্ অসীদ কৈ· অম লৈ। (অকম্ব) ফৌ-চেঙ্ থম্নব কৈ·।

(৪) অতোপ্প ৱাহন্ লৈব :— (Ironical Meaning)

ৱাহৈ পরেঙ্ অদুদ হাইবন অম হাইরগ মতুগী ৱাহন্থোক্ন অতোপ্প অমবু খংহন্ব অদুবু অতোপ্প ৱাহন্ লৈব কৌই।

মতুদী —ইবুঙ্ঙো চাঙ্যেঙ্দী হয়েঙ্নী, লাইরীক্তী পারুম্ম।
(চাঙ্য়েঙ হয়েঙ নী লাইরীক্ পাউ হাইবগী ৱাহন নী।)
চাক তু সংবাই-সংবাই চাউ থবক্তী তৌরুম্ম।
(চাক্ চাবগী মতীক্ থবক্ তৌ হাইবনী।)
মহাক্ তীন সীন্বদী হৈ, খাইদোক্পদী হৈতে।
(লৌসীন্বদী পাম্ই পীথোক্নীঙ্দে হাইবনী।)

ৱারা মসক্ তাক্প
(PARSING)

ৱাহৈ পরেঙ্. অমদ য়াউরীব ৱারাসীঙ্ অদুগী মসক্ মওঙ্, লৈনরীব মবী অমদী সীজীননফম্নচীঙ্ব তাক্প অদুবু ৱাহৈ মসক্ তাক্প কৌই। মতুদী :—

(ক) চাউব চাক্ চাই।

চাউব :—চাউব হাইব ৱারাসী মীঙ্ তাক্নী, পা খংনবনা, মসীঙ্ অম খঙ্নবনী, থোবুনী, চাই হাইব থৌতাক্ অসীগী থোবুনী।

চাক্ :—মসী মীঙ্তাক্নী, কাঙ লুপ, খংনব মীঙ্ তাক্নী, পা-পী থাইদব থৌতাক্নী, অম খংনবনী, থো ওইব ৱারানী, চাই হাইব থৌতাক্ অসীগী থোনী।

চাই :— থৌতাক নী, থো ৱাউব থৌতাক নী, চম্ন ওইরীব থৌতাক্নী, চাউব হাইব থোবু অসীগী থৌতাক্নী।

(খ) কল্লব চাউবন ঙৌরব চাক্ হাউন চাই।

কল্লব :—মসী মতীক্-ময়াই তাক্প য়ারানী, চাউব হাইব থৌবু ওইরীব মীঙ.তাক, অসীগী মতীক্-ময়াই তাক্প য়ারানী।

হাউন :— থৌওঙ, তাক্প য়ারানী, ইচম্ চম্ব থৌওঙ, তাক্প য়ারানী, চাই হাইব থৌতাক্ অসীগী চাবগী থৌওঙ, তাক্প য়ারানী।

(গ) মহাক চাক্ চারে অদুগ মপান থোক্খরে।

মহাক :—মীঙ.হুত, খংনব য়ারানী, মীহুত, খংনব মীঙ.হুত.নী, থৌবুনী, থোক.খরে হাইব থৌতাক্ অসীগী থৌবুনী।

অদুগ :— রাপুননী, মহাক, চাক, চারে হাইব রাহৈ পরেঙ, অসীগ মপান্ থোক্খরে হাইব রাহৈ পরেঙ, অসীগ অনীবু পুন্সানব রাপুন্ অমনী।

লেপ.তাক্ খুদম্
(PUNCTUATION MARKS)

লেপ.তাক, খুদমসীঙ, :—

*১ ।	চৈথৈ	।	মপুঙ.ফান লেপ.প খুদম্
২ ।	মচেৎ লেপ.প	,	খ.রাইদগী তেনন লেপ.প খুদম্
৩ ।	তাঙ.কক, লেপ.প	;	তংখাই লেপ.প খুদম্
৪ ।	তাঙ.কক, মপুঙ, লেপ.প	:	মতম্ খর হেন্ন লেপ.প
৫ ।	তেন্সীনব তাক.প	'	মাঙ.দ ময়েক, খর লৈরে তাক.প
৬ ।	হংব খংনব	?	হংব খংনব খুদম্
৭ ।	অঙক.প খংনব	!	অঙক.প ফোংদোক.প খুদম্
৮ ।	রাপুন্ খুদম্	-	তাংসীননব রাতাইগী খুদম
৯ ।	মরী তাক.প	—	মরী তাক.প খুদম
১০ ।	সনদোক.প মরী তাক.প	:—	সন্দোক.প তাক.প খুদম্
১১ ।	অপাননব তাক.প	" "	অপান্নন হাইখিব অমবু তাক.সীনব
১২ ।	কোৎসীনব	( )	তোঙান.ন কোৎসীন.হুন থম্ব
১৩ ।	মান.নব খুদম্	:-	মাঙ-তুঙ, অনাহু মান.নরে তাক.প
১৪ ।	চৈথল্ খুদম্	/	মরক, খন.হুন থম্ব খুদম্।

* মথক.কী। (চৈথৈ) অসী মীতৈগী ওইব রাহৈ পরেঙ, মপুঙ, ফাব মতম্দ লেপ.নব তাক.প খুদম্নী। ইংগরেজীগী (.) ফুল্সতোপ,, হীন্দীওম্ব লোন.গী পুরন্বীরাম, মীতৈলোন.গীন ॥ চৈথৈ অসীনী।

অতৈ খুদম.সীঙ, অসীদী International Symbols তাক.তনী। অকক.নব লোন্ অমত.তগী নত.তে। অদুন কনানসু কনাদগী রাইব নত.তে। অদুন মীতৈ লোন্দসু খুদম.সীঙ, অসী সীজীন্নগনী।

পান্থৈ-পান্দম্ অমস্থু পান্থৈ-পাউরো

১। পানথৈ-পান্দম :—

কবীগুনব ৱাহন্থোক্ ফজব য়াৱা চবুন্ অমন নাকোইনন অতোপ্প বাফম্ অম পানদম্ লাক্তুন ৱাহন্ অন ফজন পীব অতুবু পানথৈ-পান্দম্ লাক্তুন ঙাঙ্ব হাইন খংনৈ।

মতুদ। 'খুৎ কনব'—হাইবসী খুৎ অতু পাইবদ কন্বগী ৱাফম্ নংতে সাগৈ চাউবগী ৱাফম্নী।

'কাঙ্খ থাঙ'—হাইরীবসী কাঙ্থোল্ মখাদ লৈব থাঙ্ হাইব নত্তে সীজীন্নদরব কান্-নদরব শাইবনী।

পান্থৈ-পানদম্ খব :—

অকন্বন অচুম্ব সক্প — অকনবন অসোন্বগী ৱা ঙাবঁদব (নমহৎপ)
অকুত্পদ লৈত্তৌব — ফত্তবদ হেন্ন ফৎহন্দব
অংগাঙ্বদ লৈথোন্ব — অফবদ হেন্ন ফংন্ব
অঙম তান্ব — ঙম্লবোইদব ফাউবদ [illegible]
অঙাঙ ঙন্ব — হাত তোবপ
অঙাঙ্ উন্ব — অঙাঙ্ পোকপ
অঙাঙ্ন মৈ কঁদব — পোত্কী মতীক্ খংদবন কঁদব
অমেত্পদ জাত্ তাব — কর্নিস্ত নত্তবদ ইকাইখুমনব [illegible]
অনুবত্ত হৌব নোঙ্ — মতম্ চাদবন [illegible] কোংদব
অবৈ অবা চাব — মর্নন্ থুপ্প/লে লা [illegible]
ইমু-নাইমু তানব'ই. তানব — বুদৎনব/যাল্থংনব
বাঙ্লম্ চেন্ব — সীন্থোঙ্ খ দব
কাঙ্ কোঙ্ চাইব — পুম্চাহ চাইথোক্প
কোক্ত খুত্ হাপ্প — উপাই লৈতব
খু• থাব — মথবত্ত খং নব হৌব
খুৎ থা.ব/খুত্ তত্প — উপাই লৈংতুন [illegible]
খুৎ লেঙ্ব — পাংপাইদ [illegible]
খুৎ সাংব — হুবান্ব
ঙক্ কন ব'ঙক্ হাইগৎ — মী উসীত্তব/সক্ হাইগৎপ
ঙবাঙ [illegible]গী ঙাখা — য়ামন নৌরীব
ঙাখান ঙানেন্ হৌব — মতীক্-মপা চাদবন তৌবদ মওঙ্ [illegible]দব
চৈ কাব — ফগাৎলকপ
চৈ চাব — চৈগ্য ফংব
জাত্ তাব — মসাগী ফুরুপ্তগী অমদ ওন্থরব
মাই কন্ব/মাই থাব — ইবাই খংদব

মাই থকপ — ফাঙ্‌ব
মীত্‌ য়াম্‌ব — নুপী অউ অউ পাম্‌ব
মত্‌ কবাম্‌ব — ওম্‌বগী চাঙ্‌দগী হেন্‌না পাম্‌ব
লৈদ ভু হৌব — মতম্‌ কুইনা চা থক্‌তরব
সান সোক্‌প — সান চীক্‌প।

২। পান্‌থৈ-পাউরৌ :—

কবীগুমব যাৱা চবুন, ন-তবগ বাহি পরেঙ্, অমন হাইবন অম হাইলগা মাগী রাহন থোক অদুন তোঙান্‌ব অমবু খংনব যজব পাউতাক্‌, অমগুম্‌ ফোঙ্‌দোবপ অদুবু পানথৈ-পাউরৌ হাইনা খংনৈ।

মতুদী :—'অহন্‌গী মথান চফু মেল্‌লী'—হাইবসী চফু হকাইবদ অহন্‌গী মথাদুন মেন্‌বগী রাফম নত্‌তে অহনন হাইব ইন্‌বন অফবনা (অকাইব অহোব লৈতে) হাইবনী।

পান্‌থৈ-পাউরব খরঃ-

অডাঙ্‌দা নীঙ্‌থাদ খংই — পীক্‌লীহেগী মগঙ্‌ য়েঙ্‌লগ ভুঙ্‌গী খংব
অডাঙ্‌ন মৈ থাব চাক্‌ংববা — ফং তবরু তৌবরদী অডাঙ্‌ অহল খাইদ— মহৈ অদুম্‌ ফততে
অচাক্‌প মেদ হকং লসীন্‌ব — অস্‌উবত হেন্‌গত্‌হন্‌ব
হনম্‌ ব- লগ মাইবা চহ — যাদনবসু হনন হন্‌ন তোন্‌নরবদী যাহ
ইখাক্‌ লান্‌থোক্‌গ মিখুং লান্‌থোক্‌ই — অফব তৌববদা অফব মহৈ ফংহ
ইসান খাক চব লাঙ্‌দ ইসা পুজব — ইসান ফং্‌তব তৌজবগী মহৈ ইসন ফংজব
হহ চ্‌ মঙ্‌দ্‌দ ডান মর্থা থাইব উব — যাম্‌ন সাঙ্‌ব
কাপগা লেক্‌গ মচান মনাউনী — অমুক্‌ খ্‌ব অমুক্‌ নুংহব তৌনসানা
কলাক্‌ মাচদ চাঙ তাব — মেক্‌লবগী মমাচদ হকাহব নংব
কৈ মচা যোকলগা চাউলগা মপু চাগে তৌব — সেম্‌বীরক পবু হাংকে তৌব
কৈ নাত্রন চেল্‌লগা সওম্‌ ওকনব — খন ফগাদন তৌবগা হনন ফত নব
কৈ লৈব মযম্‌দ দুর্মত্‌ তাব — খুদোঙথব মফন্‌দ হিঙ্‌নুব
কৈগী মপান্‌ নাপান তাঙ
নাগীগী মপান্‌ কৈন হাঙ্‌ — অমন অংগী মতেঙ লইনব
কৈন তোকপ পোকপ হৌনবরা -- মানবন মান্‌নব মচা পোকই
কৈন্সু বীব মথাস্তু লৈব — মতৈদী ফংনাঙ্‌ব থবক্‌ তৌবদ কীব
কোবযু যোলোগ তুম্‌বা লেপ্‌প — অযবরু মাঙহলগ ফত তবরু থন্নদ হো নব
খাঙ্‌ব কল্‌লগ ফমেন্‌ ফমই — অৱা অনা খাঙলবদী অফব ফংই
খুজাই মপু যাদোপ্‌ তাব — অব্‌ন্‌বন ওন্‌বত্‌লক্‌ন অযাব নংব
খুমু খোঙ্‌বগুম্‌ পান্‌ব — কনা লৈজদনবগুন পানব
খুন্নুন মথোঙ্‌দ কন্‌ব — মগুম্‌দ কন্‌ব

খুবাক্‌ মযীদগী চৌব — কবীসু লৈতবদগী হৌব
খুজীন্‌দ তুম্‌ যুব/কাঙ্‌খদ লীন্‌ চংব — য়াম্‌ন মুঙাইতব/পুক্‌নীঙ ইচীঙ্‌ চীঙ্‌নহন্‌ব
খুরক্কী ইন লাই সাব — মসাগী মীন ফত্তনব তৌব
খোই মহুম্মদ চৈন থীন্‌ব — মহু চাউবদ খত্‌নব হৌব
খোঙ চোৎলগ চিন্‌ চোত্‌লী — নোম্‌জমন্‌গী মহৈ ফংব
ঙাপক্রম্‌ মমৈদ খুজীন্‌ন সীক্‌প — যাম্নরোইদব মতম্‌দ ঋন্‌নব হোৎনব
চথু কাইরগ ব্রাক্‌ন হৱাউই — ইমুঙ্‌ মনুঙ্‌ কাইনরগ মীতোপ্‌ন হৱাউই
চযুদী মী মুত্তে উয়ান্‌দী মী মুত্‌লী — যেন্‌সাঙ্‌ হাউন চাগন্‌ব মীদী লাইর নংই
চনাঙ্‌ য়েঙ্‌হুন চখোম্‌ তান্‌সীলগু — তুঙ্‌গী মওঙ্‌ য়েঙ্‌লগ থবক্‌ তৌ
চেঙ্‌ পুরগ চেঙ্‌ সীঙ্‌, ফৌ পুরগ ফৌ সীঙ্‌ — তৌরুব থবক্‌কী চানব লমন্‌ সীঙ্‌ব
চেঙ্‌পোত্‌ত মাইরেন্‌ তোপ্‌প — নাতৈ চানদব, মপা চানদব
তরঙ্‌দ যুম্‌সাব লৈনাঙ্‌ন পনথীঙ্‌ব — থবক্‌ তৌবদ চেক্‌সীন্‌দব
তাঙখং অম যুরবদী তাঙ্‌খং অমন হন্‌দোবই — মপা চানবন থবক্‌ ঙম্‌ই
তুঙ্‌সাঙ্‌ সীৎতন উনা লেঙ্‌ব হৌনবনা — মরম্‌ লৈতুন মীন ঙাঙ্‌নবনী
তাতোন্‌ন রাঙ্‌লবদী ক্রাক্‌ন ফম্‌দেক্‌ই — নাপল্‌ বারবদী অঙম্‌ব অমন নমথৈ
তৌদোঙ্‌ ফদী যোঙ্‌ সেবা — মতাং তৌব, মওঙ তাদব
তৌদোঙ্‌ তুমীন্‌ লৈবন চফু ঙম্‌ই — তুমীন্‌ লৈসীন্‌নরগা খুদোঙ্‌চাব লৌব।

—৲—

বনান্গী কাংলোন্
(SPELLING)

লোন খুদিংমক্কী মসা-মসাগী ওইব লোঙান্-তোঙানব মতীক্-মঁগাল্, তোঙাম-তোঙানব বনান্গী অকক্নব পান্দম্ লৈনৈ। মতৌ অসিগুম্বন মহৈলোন্গী মশাংদা মসাগী অকক্নব চংনবা পান্দম লৈ। মতম্, কুইনা বংগলা, নাগরী অমদী রোমান্ মযেক্সিং থক্তা লেনদুনা, মখোইশিংবু হৈংদুনা মকুওইনা বংগলা মযেক্পু তৌজিক্, ফাংলবদা ইসাগী ওইনা সাজানবদুনা মাগী চত্নবীবু হৈনদুনা লাবপ্না মরম্ ওইদুনা মীতৈলোন্গী বনান্গী মতাংদা অতোপ্পা লোন্গী চংনবী, মাগী মযেক্সিংগী সাজীন্নবগী মশং লোইননা মাগী খোন্থোক্নচিংব মযাম, পুর্সীলনাক্কনা চমম নন্নব, ইভাউ-ভাউইনব কয়া হেক্ হেক্ লাক্লে। মতৌ অসুম্ লোন মতৈলোন্গী বনান্, অসী অকক্নব পান্দম্ লৈতব লোন্ অম ওইদুনা ওইহল্লে। মসী এখোইগী লাইরিক খরনী।

মতৌসিন বনান্, হায়রিবসী মীলান্-লোন্দুগী মসা মসান তাজব অকক্নব পান্দম লৈজে। মসিদা মা খরা শন্নরদুনা মীকুম্ কয়া তৌদুনা চত্নব, অম ওইনা লোন নমগদব নত্তে। অতানবদা মসাগী লোন্গী লৈতনব চংনবী লোইননা মসাগী মযেক্না তাজব অচু পুথোক্ফদবনী। মতুংদা খোন্থোক লেপ্থরক্পা, লোমথরব্পা লোইননা অনৌবা খোন্থোক্, লাক্পগী রাকম নাক্চেক্নবা থমগদবনী। মসিদা হৈনদনব, হৈক্চনব। অমদা অহৌ-তাই কয়া পুন্সিন্দুনবা মীবোন্ অমদী মাগী মযেক ত পুন্ফম্, ফিবমথেক্ থনবা নতুনবা মতৈলোন্গী অচুম্বা বনান্গী পান্দম, লাক্সিন্নব ওইহৌরক্তে। হৌজিক্দা অমদী ইযেক্ত পুন্ফম্ ওইরবদা অচুম্বা বনান পুথোক্পা ঙম্মই।

মতাং অসিদা যাম্না নুংশিবা অমনা মীতৈলোন্গী মযেক্না তাজব অচুম্বা বনান্ পুথোক্পা মতমদা হাল্না শং-তোংদা থোক্তুনা লাক্লবা এ এনা খংলবব, তম্লবব মীগী চত্নবা অড়ংগ মান্নদে হাইদুনা নোল্লী হেরব হাইবীব অমনা। এন হাল্না খংলুরবা অসী মীগীনী, মীতৈলোন্গী মতাংদা অমনী অনী অসা তোঙান্, তোঙাল্লী হায়রগসি। খন্থব ঙমদব অসী লাইরিক্ থীবনী।

বংগলা মযেক্, মসাং, যাম্হু অচৌবু এখোইগী হযেক্কী চান্নবা মখৈ লৌখৎলুনা বনান্ হৈরগাই। মখোইগী মযেক্না বনান্ ইরাবনা হায়দুনসু মখোইগী অরৈবা মযেক্ খুদীংমরপু লোইনমক্ সাজীন্নবা কোইথী থীগদবা নত্তে। এখোইখোইগা মদা পরিক্ষা হায়বাসি পরীখ্য হাইনা অহুম্ পাই, গাড়ী হাইবসিসু গারী হাইনা অহুম্ পাই, ঢোল্ হাইবসিসু ধোল হাইনা অহুম্ পাই, টোপী হাইবা অসীসু তোপী হাইনা অহুম্ পাই, ছাটিন্ হাইবসিসু সাটিন্ হাইনা অহুম্ পাই, শন্ হাইবসিসু সন্ হাইনা অহুম্ পাই—অসুম্না বনান্ যারীবা অসিদা মখোই তাদবা মীগী মযেক্ মযাম্, ঙাইহক্কী কনা খন্নবা লৈবগে! মসিনা অথেংবদা পোত্লুম্ হেনগত্হল্লী। ঙাইদুনা সজীন্নবা হাইবসি এগী লৌজরবা, সন্নবা যাওরবা মশাং খঙ্দবা ঙাইদুনা সজীন্নগদবনী এগী লৈন লৈন, সন্নবা যাওরবা মকুদা কনাগী মীগী লন্সোংপা ওইগনী করগী শ, ষ, স, ছ হাইদুনা ববমবা মযেক্পু করম্বা বনানদা সাজীন্নগদগে হাইবা অড়ং মক্কংসিনা সংস্কৃত (সংস্কৃত) লোন্গী লৈজবনা এখোইগীদী 'স' থক্তবু লৌবগা লোইনা বনান্ ইরগদ্রে। ছাটিন্ হাইনা

ইবীব বনান্ অচুগী অচুম্বব খোনথোক্‌তৌ সাতীন্ হাইবনী, 'যন্' হাইন ইরীব বনান্ অচুগী অচুম্‌ব খোন্‌থোক্‌তৌ সন্ হাইবনী, খোরী অমদী কোক্‌লোম্‌দ সাকু পীদুন খোনথোক্ পাগদব নত্‌তে। মীগী হ্রস্ব-দীর্ঘ হায়ব অচু খোনথোক্ অতেন্‌ব অসাঙ্‌ব হাইবনী খোনথোক্ অয়াঙ্‌-অকুম্ হাইব নত্‌তে। ঐখোইন অযাঙ্‌-অকুম্ ওইন নমতুন সীজীন্নবনী। অমরোম্‌দ মসীঙদী যাম্‌হই হাইববু বংগলা ময়েকন মীতৈলোনগী অয়াঙ্‌-অকুম্‌গী বনান্ ইবদ অকুমব খোন্‌থোক্ ইব য়াদব কথা য়াউরা। মচু ব্লাবেঙ্‌ন তাক্‌কনী, অচুবু য়াদবসু লৈ।

খুদম্ :—খোন থোক্ অযাঙ্‌ব—কমব, চাব, পানব, ঙম্ব, পাব,
তল্ য়াম্‌ন হৌই (মসীঙ্ য়াম্‌ন);
মকম্ অসীদ কৈ অম লৈ (কৈ হাইব সা অচু)।

খোন্‌থোক্ অকুম্বব— কম্ব, চাব, পানব, ঙম্ব, পাব
[illegible]
তল্ যা·ম্‌ন হৌই (আতাগী যা·মন);
[illegible]
মকম্ অসীদ কৈ· অম লে (ফো-চেঙ্ থম্‌নব কৈ·)।
[illegible]

মথক্‌কী বংগলা ময়েক্‌ন ইরীব অকুম্‌-অয়াঙ্‌গী বনান্ অনীমক্ চপ্ মান্নৈ। কপ্‌শুম্‌ব খেন্নব খুদম্ অমত্‌তসু য়াওদে। বনান্ চপ্ মান্নব য়ারা অনীবু অমন খোন্‌থোক্ যাঙ্‌ন অমন খোনথোক লুমথন পাগনী হাইবসী পৃইব যাদব ব্লাফম্‌নী। মীতৈ ইয়েক্‌কাদী লুম্ (•) নমতুন খোন্‌থোক্ লুম্‌থন পানব খুদম্ হাপ্‌পী। মতাঙ অসী মথাগী অকুক্‌সুব পান্‌দম্‌গী খোন্‌থোক্ অযাঙ্‌-অকুমগী পুন্ সীজীন্‌নবসীদ য়েঙ্‌বীয়ু।

ময়েক্ শপ্‌সীন্‌নবীব মখৈ ফজব তেন্‌ব মওং অসী সংস্‌কীবাত (সংস্কৃত) লোন্‌গী লৈতেঙ্‌নী, মতুগী ওননবদ তপ্‌সীন্নদরীবমখৈ অচুম্বব পৃহবন মীতৈলোনগী চত্‌নবীনী। মথাগী অতম্‌সুব পান্‌দম্‌দ য়েঙ্‌বীয়ু।

যাম্‌ন মরুওইব অমন মীতৈলোনগী বনান্ ইবম্‌দাহদ মীতৈ ময়েক্ অসী করম্‌ব মখল্‌গী ময়েক্‌নো হাইবদী খোন্‌থোক্‌কী তাঙ্‌কক্ নাইব (সীলেবীক্) ওইব ময়েকলা নত্‌তরগ খোন্‌থোক্‌কী তাঙ্‌কক্ নাইদব (আলফাবেতীক্) ওইব ময়েক্‌লা হাইবদু হান্‌ন খংদোক্‌পীব তাই লোইনন খোন্‌থোক্‌লোন্ (ফোনোলোজী) গী ব্লাফম্ থবদী থংবীব তাই। ব্লাফম্ অসী লাইবাক্ অসীগী খোন্‌থোক্‌লোন্‌গী মতাঙ্‌দ নৈনজখবে।

চৈতপ্‌কী মতাঙ্‌দ বংগলা অমদী নাগরী ময়েক্ অনী অসী মতম্‌গী মঙাল্ ফংদবগুম্ হাইবদী মীয়োন্‌দ হাইরগ সাইন্‌তীফীক্ ওইদবগুম্‌ব মওং লৈ; মতুদা—চৈতপ্‌ন হান্‌ন ইরগ মপুঙ্ ময়েক্‌ন কোন্‌ন ইব; সংতপ্‌ন মাঙ থারগ যুম মপুঙ্‌ন তুঙ্‌দ থম্‌ব মওং অসীনী। খুদম্ ওইন হাইজরবদ 'কি, কে, কৈ, কো, কৌ' মসীদ নাগরী ময়েক্‌কীদী 'কি' থক্‌শনী। মখোইন খোন্‌থোক্ হাহদোকপ মতম্‌দদা মপুঙ্ ময়েক্‌ন হানন হাইরগ হান্‌ন ইরীব চৈতপ্ অসীন কোন্‌ন খোন্‌থোক্ তৌই। মসী কোক্‌নব উপাই লৈজদ্দুন য়াব অমতং 'গী' 'হ্র'-কাবগী মতুত্‌সীন্‌ব ওইন 'কী' 'ঈ'-কার ওইন লাইরীক্,

অসীদ সীজীন্নজবনী। মসী অসাঙ্.ব অমদী অরুম্ব খোন্থোক্কী মওং নত.চদে ইচম্, চম্.ব অয়াঙ্.ব খোন্.থোক্.নী হাইন লৌবীনব হাইজরী। মীতৈ ইয়েক্কী চৈতপ.সীঙ্.দী মপুঙ্ ময়েক্.কী মথক্-মখা অমদী তুঙ্.দ তপ্.প ঙাক্তনী মাঙ.দ হান্নন তপ.প অমত্.ত য়াউদে কর়ীগুম্ব য়াউরমল্লবদী মতু ঐখোয়গী নত.তে থংবীগনী।

রোমান ময়েক্.ত খ, ঘ, ঙ, চ, ঝ, থ, ধ, ভ লোইনন ঐ, ঔ : নচীঙ্.বগী মযেক্ লৈতে অতুবু খোন-থোক্ তাননব মথংসীত্.ন KH, GH, NG, CH, JH, TH, DH, BH লোইনন EI, OU ; হাইতুন সেম্ই অতুম্, ওইতুনস্নু মখোইসীঙ্ অসী মখোইগী ময়েক্কী সীঙ্.দ চন্.দে। অসীগুম্ন বংগলা ময়েক্সীঙ্, অতু কনাগ কনাগ মান্.নৈ হাইবত্র থীবত নত্.তন মখোইগী মযেক্ অরৈবমখৈ অতুগী ঐখোইন কোইথী থীতুন মান্নব ময়েক্ ময়াম্ পংপু পুথোক্কদব নত.তে হাইব কাউবীদনব নীঙ্.সাঙ্.জর়ী। মবম্দী ঐখোইগীস্নু 'ꯑ' (অ) ইয়েক্ অসীদ চৈতপ্ কয়া তপ.সীন্.তুন অতৈ খোন্.থোক্ তাননব মযেক্ কয়া সেম্.লী অতুবু মখোইতু ইয়েক্কী সীঙ্.দ চন্.দে। মসীগী মথক্.ত ট, ঠ, ড, ঢ, ণ গী বনান্ খুদোঙ্.মক্ ত, থ, দ, ধ, ন, না মহুত্ সীন্নব য়াই। অস্নুম্ন মহুত্ সীননব লৈন লৈন অমদী মথৌ লৈতন ক্ষ, ড়, ঢ়, য় হাইব অনৌব ময়েক্ পুথোক্নব করীগী হোত্.নগনী। ঐখোইগী ইযেক্পু বংগলা মযেক্কী মখা পোনববা ! মীগী মতৌ তম্.বদ ইকাইনবগী মহুত্.ত লেম্ব ওইন লৌনবসী থাদোক্প মতম্ ওইরে।

সন্.পত্.ন হাইজরবদ বনান্.গী মতাঙ্.দ লোন্ অতুন মসাগী ময়েক্.কী অসেঙ্.ব মসক্ অতু তাক্.ই, অতুগ মসাগী ময়েক্ অসেঙ্.ব অতুন লোন্ অতুগী মাঙ্.খরব খোন্.থোক্ পুথোক্.তুন ৱাহন্.থোক্ মপুঙ্ ফাহল্.লী। মতাঙ্, অসীৱাইদ খোন্.থোক্.লোন্ (ফোনোলোজী) গী ৱাফম্ নৈনদরবদী মপুঙ্ ইফা ফাদে। মথাদ বনান্.গী পান্.দম্ খর পীজবীবসী য়েঙ্.বীয়ু :—

১। আ-কার ([illegible]) সীজীন্নবগী পান্দম্ ঃ—

বংগলা মযেক্কী বনান্ :—কনবা, কাননবা, চাবা, থাইব, তম্বা।

খোন্.থোক্ তৌবন :— কনব, কাননব, চাব, থাইব, তমব।

আ-কারগী খোনথোক্ লৈরোইদব মতাঙ্.দ আ-কার তপ.লোই। চম্বগী খুদম্ হাসন্.ত তপ্.লদগী খোনখোক্ য়াদতুন আ-কার তপ.পনী। 'কনব' হাইব অসী করম্.ন পাগনী তুম্.বগী বনান্ ইবদ আ-কার হাপ.লবদী 'তুম্বা' ইসীঙ্ থক্.নব তুম্.বা তারে। চম্.বগী খুদম্ (হাসন্.ত) গী মথৌ লৈরবদী তপ.কনী। মহাক্ য়াউদে হাইতুন পাবদ খুদোঙ চানবনী হাইতুন আ-কার তপ.সীল্লবদী অনী থোক্.ন লাগ্লে। অতুন বংগলা ময়েক্.ন বনান্ ইবদ চম্.বগী খুদম্ মতাঙ্ চান্ তপ.কনী অতুগ আ-কারগী খোন্.থোক্ লৈতব য়াদব মতাঙ্ থক্.তদ আ-কার তপ.কনী।

২। চম্বগী খুদম্ (হাসন্.ত) ([illegible]) সীজীন্.নবগী পান্.দম্ ঃ—

মীতৈ ইয়েক্.কীদী মপুঙ্ ময়েক্.ক চম্.ব থংনব লোন্.স্নুম্ ইয়েক্.ক মসক্ থেত্.নৈ। অতুন বংগলা ময়েক্.ন বনান্ ইবদ চম্বগী খুদম্ (হাসন্.ত) তপ্.কনী। মরম্দী চম্.বগী খুদম্ হাপ্.তব ময়েক্পু চনব হেক্.ত থংনব অসী মীতৈলোন্.দ চত্.নদে।

খুদম্ :—চম্.বগী খুদম্ তপ.তব—চাক, ময়েক, মতম, চেনসীলল্কপ, কনব (কনবা)।

চম্.বগী খুদম্ তপ্.প— চাক্, ময়েক্, মতম্, চেনসীল্লক্.প, কন্ব।

মরক্তু অমদী মমৈদ চৈতপ্, যাওদব ময়েক্ লৈরবদী মতুবু চমব খংনগনী হাইব পান্দম্ অছু মীগীনী। এ|খাক্গীদী চমবগী খুদম নং্তরগ লোনস্থম, য়াউদনবদী কর্ গুমব ময়েক্ অতুবু চম্ব খংনদে। মতাঙ্ অমাংবাহদ মীতৈ ইয়েবন অন্তোপ্প লোন্গী বনান্, ইবদ খুদোঙ্চাদব খর লৈ। মতুদা মীতৈ ইযেককীদী লোনস্থম, ইযেক্ নীপালংক্ংনী অতুন লোনস্থম্ নীপাল্, অমীন চমব কোননদব মতাঙ্ লাক্ই। মতাঙ্ অতুদ চানব মপুঙ্ ময়েক্, অতুন অতুম্, চম্ব ওইগনী তৌবতদী লোনস্থম, নাপাল, অতুন চমব যাদব লোন্ অতু মাতৈলোন অসেঙ্ব নত্তে খংবীগনী। বংগলা ময়েক্ন ইববদা চন্বগী খুদম্, (হাসনত) তপ সীললগ হেক্ত য়ারে। অস্থুমন চম্ব খংনগদব ময়েক্ অতুদ চম্বগী খুদম্, (হাসনত) তপ্পীব তাই।

৩। ময়েক্ তপ্সীন্নবগী পান্দম্ ঃ—

(ক) খোন্থোক কা কাঙ্কক্ (Syllable) অমত্তগী মন্নুঙ্দ লৈব খোন্থোক্, ওইববদী ময়েক্ তপ্সীন্নব যাই। মীতৈ ময়েক্ন ইরবদী ময়েক্ অর্ন অত তপ্সীন্নবীবর্ন খংনদব অপুন্ ইযেক্ হাইব লৈত অম ময়েক্ অনীগী মখাদ চীঙ্ই। অপুন্ ইয়েক্ অর্দা কোন্ন পুসা কেক্পনী হান নগা নত্তে হাংহুন যেত পম্ব লো অত্তবু মসী পাবদ খুদোঙ চানব হাপ্প বর পমব খুদম অমন খন্বাগনী। অমবোমদ খললগর্দ খোন থোক্, খন পানবদী অপুন্ ইয়েক্ চিঙ্দবরপ মসান অম খোংথোক্, তীন্-সীন্জরকই। অকোপ্প পানদম্ অমন ময়েক্ অতু পরেঙ্ ওইন ইথবদ মমাঙ্ থব ময়েব অতুদ চনবগী খুদম (হাসন্ত) তপ্লবদী মতুঙ্ থংব ময়েক্ অতুগ তপ্নবে খংগনী, খোন থোক্সু পান্নবগী খোন্থোক অতুম্ লৈজে। (মখাগী পান্দম্ তরাস্থবদ য়েঙ্বীয়)।

খুদম্ ঃ—(১) কাক্, খাই, স্কুল ; বীদ্ধান।

(২) [illegible]

(৩) ক্রাক্, খ্রাই, সকুল্, বীদ্রান্।

(খ) খোন্থোক্কী কাঙ্কক্ (Syllable) তোঙান-তোঙান্লবদী ময়েক্ তপ্সীন্নব যাদে।

খুদম ঃ—হম্ফাল, ফমবাল্, বোন্থোঙ, কান্নব।

[illegible]

বংগলা মকওইন সংস্কীবত্ (সংস্কৃত) কীদা ময়েক্ পংকপ্ত তপ সীন্নৈ। তপ্সীননবীব ময়েক্ অতুগী অহান্ব ময়েক্ অতু লোন্স্থম্ (হসন্ত) ওই। মীতৈ ইযেক্কীদা লোন্স্থম্গ নপুঙ্ ময়েক্ক তপ্সীন্নব যাদে। লোন্স্থম্ অতুন মরম্ ওইদুন খোন্থোক্কা তাঙ্কক্ অতুম তোঙান্হল্লী। অতুন খোন্থোক্কী তাঙ্কক্ পুন্দববদী ময়েক্ তপ্সীন্নব যাদে।

৪। 'ঙ' ([illegible]) অমস্তু 'ং' ([illegible]) সীজীন্নবগী পান্দম্

বংগলা ময়েক্কী বনান ঃ— বোংবা, ইমুং, চুমথাং, চীঙ, অমস্থুং

মীতৈ ইয়েক্কী বনান্ ঃ— বোঙ্ব, ইমুঙ্, চুম্থাঙ্, চীঙ্, অমস্থুঙ্ ;

[illegible]

'ঙ,' হাইবসী 'ঙ' গী লোন.সুমম্নী চৈতপ, নত.তে। (ং) হাইবসীদী মুঙ, হাইব চৈতপ, অদুনী। মীতৈ ময়েক.তা ময়েক, অমদ চৈতপ, অমদগী হেন্‌ন তপ.সীনব যাদে। মতাঙ, অসীদ চৈতপ, অমগী মতুঙ.দ লাক.প (ং) খুদীঙ.মক 'ঙ,' ওইন ইগনী। অতৈ মতাঙ.দদী হাইবদী চৈতপ, অনী সুদরবদী (ং) ঙাক.ত ওইন তপ.কনী। নীঙ.সীঙ.বীগদব অমন (ঙ—ং) অনী অসী খোন্থোক, অয়াঙ,-অকুম্গী রাফম্ লৈতে। ময়েক.ত খোন.থোক, অয়াঙ,-অকুম্ খাইব লৈতে। খোন থোক, লুমথন পানবগীদমক.ংদী (.) লুম্ নত.তরগ করীনো খুদম, অম থম্গনী। মীতৈ ময়েক.কীদী (.) লুম্ সীজীন.নগনী।

৫। ই-কার 'ি' (ꯁꯦꯡ) উ-কার 'ু' (ꯁꯦꯡ) সীজীন.নবগী পান.দম. ঃ

বংগলা ইয়েক.কী বনান,—অনি,   মি,   মী,   মকু,   মক ;
মীতৈ ময়েক.কী বনান, —অনী,   মী,   মী.,   মকু,   মকু. ;
ꯑꯅꯤ, ꯃꯤ, ꯃꯤ., ꯃꯀꯨ, ꯃꯀꯨ. ॥

মীতৈ ইয়েক.কী চৈতপ.ত ঈ-কার (ী) অমদী উ-কার (ু) লৈতে ; ই-কার—উ-কার ওমক, লৈ। মসী অতেল,-অসাঙ অমদী অয়াঙ,-অকুন.গী রাফম, লৈতে। অদুন ঈ-কার ইজরবসু ড-কার ইজবরসু ইচম, চম্ব চৈতপ.নী। লাইরীক, অসীগী বনান, খুদীঙ.মক.ত ঈ-কার হরীবসী ই-কার শুমবনী অদুবু চৈতপ.ন হান.ন ইবসী যাম.ন মওং তাদব অমনী খন.দুন ঈ-কার ঙাক.ত ইজবনী। মসীন খোন.-থোক, অয়াঙ ব নত ওরগ অকম.বনী খন.বীদনব হাইজরী।

৬। খোন্থোক্ অয়াঙ,-অকুম্গী পান.দম. ঃ—

খোন.থোক, অয়াঙ.ব :—হাইব (হায়ব),   মি (মী),   ইসীঙ. (ঈসৈঙ)
ꯍꯥꯏꯕ,   ꯃꯤ,   ꯏꯁꯤꯡ
খোন.থোক, অকম.ব ঃ— হাই.ব/(হায়.ব),   (মি.)/মী.,   ই.সীঙ./(ঈ.সীঙ.)
ꯍꯥꯏ.ꯕ,   ꯃ.ꯤ,   ꯏ.ꯁꯤꯡ

বংগলা ময়েক.ত অয়াঙ,-অকুমগী খোনথোক, লৈতে, অতেল-অসাঙ.দী লে হাইজখরে। অতেল-অসাঙ খাইরীব অসীসু মখোইগী ইনুঙ.য়েক, (স্বর ময়েক,) থক.তনী খুনুঙ যেক, (ব্যঞ্জন, ময়েক,) তদী থাইব লৈতে ; অদুবু ঐখোইগী মীতৈলোন, অসীদী খোন.থোক্ য়াঙ.ব অমদী লুম্থবগী মতুঙ, হনন রাহনথোক তোঙান.ন লৈব অয়াঙ,-অকুম, খাইদব য়াদব লোন, অম ওইবনীন মীগী অতেল-অসাঙ, ফাওব খাহদব খুনুঙ.য়েক.সীঙ, (ব্যঞ্জন) অদুবসু ঐখোইন অয়াঙ,-অকুম্ খাইদোক.লগ বনান, ইব চত.নবী। মংাঙ অসী-রাইদনী চমম্নহল.লীব। অমগী বনান.গ অমগী বনান.গ ইমান, মান.নদব মপু লীঙ.ব ওম.দব অমগুম, লৈরীব অসী ইবোল, অমদী ইয়েক্.পু ওলান.নবদগী থোক.পনী হাইজনীঙ.ই।

মসী কোক.ননব য়াম.ন লাইব উপাইদী বংগলা ময়েক.নবু ইরবসু খোন.থোক, লুম.থন পাগদব মতাঙ, মতাঙ দ (.) লুম, হাইজুন ময়েক, অদুগী য়েত.থংবদ মখা ওইরপ.ন নম.লগ লোইরে। লুম, নম.ব অদুন খোন.থোক, লুম.থন পাব অদুগ লুম্ নম্দবন খোন.থোক, য়াঙ.ন পারগ লোইরবনী। মসী মীতৈ ইয়েক.কী হান্‌ন লৈজরম্ব চত.নবীনী। য়াম্‌দরবদ কবীগুম.ব খুদম, খরদী সীজীন্‌নদব য়াদবনী।

মথাগী খুদম্সীঙ, সীজীননরীবসী য়েঙ.বীয়ু :

অয়াঙ.ব খোনথোক. (/)	ময়াইওইব খোন্থোক (—)	অরুমব খোন্থোক্ (•)
কা´মব (নীঙ.সা কামব)	কাম্ব (পোঙ.খত.প)	কা.মব (লু-নানদব)
চা´ব (ইসীঙ.দ ঙা চাব)	চাব (ইচা-চাথোক্প)	চা.ব (চাক্ চাব)
মপা´ন্ (মপান্ সাত.প)	মপান (পুখী মপান)	ম.পান্ (মউ)

মীতৈ লোন.দ ময়াই ওইব খোন্থোক, অম লৈজরবস্তু মপুঙ, ওইনদী খোনথোক, অয়াঙ.ব অমগ অরুম্ব অমগ অনী অসীন মপুঙ.নী থংনগনী।

৭। মীতৈলোন.গী বনান. ইবদ শ, য, স, ছ গী মহুত.ত 'স' খক্ত সীজীন.নগনী।

ময়াম্ন ইনব বনান.   মসাগী অচুম্ব বনান্

যন., শগোল্, ছাটিন., সনা,   —   সন., সগোল., সাত্তীন., সনা :

'ষ' অসী কোক.ত সাফু পীতুন খোন.থোক, থোক্প (মুর্ধ´ন্য বর্ণ) ময়েক্নী। 'স' হাইব অসীন লৈন য়াদ চম্ন থেঙ.তুন ঙাঙ.ব (দন্ত্য বর্ণ) ময়েক্নী অতুন 'যন.' হাইন ইব লাল.লী সন, হাইন ইগদবনী। অতুগীস্তু মথক্ত মীতৈ ইয়েক.কীদী স খক্তস্ত লৈব মবমন সন হাইন বনান্ ইগনী।

শ, ছ অসী ঙোদ সাফু পীতুন খোন্থোক্ পীব (তালব্য) ময়েক্সীঙ.নী। শগোল., ছাটিন হাইন বনান, ইবদ ঙোদ সাফু পীরবদী খোন.থোক্ তাদে। অসীগীস্তু মথক্ত ছাটিন, গী 'ট' হাইব ময়েক্ অসী (মুর্ধ´ন্য বর্ণ) কোক.ত সাফু পীব খোন.থোক্নী। মীরোন.দ হাইরগ বর্ণ গী উচ্চারণ স্থান, ফাওব থংদব করমব অসাব 'সংস্কৃত' কী 'পণ্ডীত' ন যন্, শগোল্, ছাটিন্ হাইতুন পুথোক্পীরীব বনান.নো! নত.তবগ স্তুঙ.সীব সাতুন মীতৈলোন, অসা সেম.গত.পীবগী মহুত.ত সেমদোকপীগে থোরাঙ.বীবব! অতুন সন., সগোল্ (সাকোন.), সাতীন, হাইন বনান, ইগনী। সনা অসীদী মসাগী অচুম.ব বনান.নী।

৮। মীতৈলোন.গী বনান্ ইবদ ণ গী মহুত.ত ন, ক্ষ গী মহুত.ত খ, ক্ষ্ম গী মহুত.ত রী, ড় গী মহুত.ত র সীজীন.নগনী। অস্তুম্ন ট, ঠ, ড, ঢ, ণ গী মহুত.ত ত, থ, দ, ধ, ন সীজীন.নগনী। শ, য, ছ গী মহুত.ত স ওইন সীজীন.নগনী।

ঐথোইগীদী খোন.থোক.ফম.সী কোক.ত, ঙোদ, য়াদ, থোরীদ, চীন.বান.দ, লৈতোন.দ, লৈয়াইদ, লৈথোঙ.দ হাইবনচীঙ.বগী মরম.দ মপুঙ. ওইদে ইচম. চম.ন খোনথোক্ অয়াঙ ব অরুম্ব হাইব অতুতংদী য়াম.ন মরুওইন নৈনদব য়াদব লৈ হাইবসী কাউনদনব হন্ন হন্ন নীঙ.সীঙ.জরী।

৯। 'র'-(ꯔ) তপ.সীন্বগী পান.দম্ :—

মীতৈলোন.গী বনান, অমদী খোন.থোক.কী মতাঙ.দ 'র' অসী কোন.ন লাক.পনী হাইব অসী মথক.তসু খরদী পন.জখরে। বংগলা অমদী নাগরী ময়েক.কী মতৌ তমদুন মীতৈলোনগী বনান ইবদসু ময়েক, অমদ র-ফলা তপ.সীন.বসী যামন চত.নরে। মসী মীগী মতৌ তমবনী র-ফলা অসী য়ারীবমথৈ ময়েক, অমদ তপ.সীল.লোইদবনী। মীগী লোনগী বনান, ইবদ খোন.থোক, তাব য়াদব য়াওরব মতম্ অদুতদ র-ফলা তপ.কনী। খুদম, খর মথাদ পীজরী :—

মীঙোন.দগী মতৌ তম্ব বনান. :	মীতৈলোনগী অচুম্.ব বনান্ :
চৎথ্রে, চাথ্রে, উদ্রী, য়াথ্রে	চত.খবে, চাথরে, উদরী, য়াখরে ;
উৎলমদ্রি, লৈরমদ্রে, চৌব্রীখোঙ,	উত.লম.দরী, লৈরম.দরে, চৌবরীখোঙ্।
মীগী লোনগী বনান্ :	মীতৈলোন্দ ইগদব বনান. :
ব্রহ্মপুত্র, ট্রাইভেল্, দ্বীপ.,	বরমহপুতর (ব্রমহপুতর), ত.রাইভেল (ত্রাইভেল.),
ভুবদর্শন., অষ্ট্রেলীয়া	স.কীরীপ., ভুরদরসন., অস.তরেলীয়া।

১০। অপুন. ইয়েক্ (—) অমসু চম্ব খংনব খুদম্ (.) 'হাসন.ত' তপ.পগী পান.দম. :—

মতাঙ অসী মথক্কী পান্দম্ অদুম্, সুবগসু মরী লৈবৈ।

মীতৈ ইয়েককী ময়েক অনী তপ.নরে খোন্থোক্ তীন্সীন.নবে খংনব ময়েক, অনী অদুগী মথাদ অপুন. ইয়েক্ হাইদুনা লৈই অম চীঙই হাইজখরে।

মতুদী :—ꯈꯔꯥꯡ, ꯆꯣꯕꯔꯤꯈꯣꯡ, ꯕꯤꯗꯌꯥꯂꯏ

খ্রাঙ., চৌব্রীখোঙ., বীদ্যালই

ময়েক তপ.সীন.জরোই হাইরবদা—ꯈ꯭ꯔꯥꯡ, ꯆꯣꯕ꯭ꯔꯤꯈꯣꯡ, ꯕꯤꯗ꯭ꯌꯥꯂꯏ

খ.রাঙ., চৌবরীখোঙ., বীদ.যালই

চম্বগী খুদম্ এখোইন হাসন্ত হাইনব খুদম্ অসী সংস.কীরীত. (সংস্কৃত) কী হান.ন লৈব খুদমনী। মসী বংগলা অমদী হীন.দী (হিন্দী) লোন.দ সীজীন্নদে। অদুম ওইনমক্ বংগলা ময়েক.ন মীতৈলোন, ইব মতম্দদী চম্ব খংনগদব মতাঙ্ খুদীঙ.মকত হাপ.প তাই। মসী হাপ.তরবদী খোন.থোক্ মুণ্ডাইতদুন আ-কারনচীঙ্ব কয়া অম হাপ.চীললী। মতু মওং ইতা তাদে।

হৌজীক্ বংগলা অমদী নাগরী ময়েক কী 'তাইপ, রাইতর' সাবদ ময়েক, তপ.সীন.নবগী খুদোঙ চাদব মকওইন ময়েক, তপ.নবদ মথক্কী মথাদ অম য়ান.থব ময়াম, অম সাব তারক.পদ খুদোঙ চাদব ময়াম্ অম লাক.পদগী ঙসাইগী হাসন.ত হাইব অদুগুম্ব খুদম্ অম তপ.সীন্গে থল্লীব ময়েক, অনীতুগী অহান ঀ ময়েক.ত তপ.সীল.লগ ময়েক, অনী অদু তপ.সীন.নরে খংনব অনৌব পান.দম, অম পুথোরক.ই। খুদম, অসী হাসন.তগদী মান.নৈ অদুবু সংস.কীরীত. (সংস্কৃত.) কী হান.ন সীজীন.নরম্বগী মওংদী নত্তে।

মতুদী :—বীদ.বান. (বিদ্বান.), সনধী (সন্ধি), স.কুল (স্কুল), খ.বাই (খ্বাই) পানদম্ অসী ময়ামগী ওইন অনৌবনী হাইব যাই। অমগী অমগী মতৌ তম্বনী হাইদব য়াই। অদুন মীতৈ ইয়েক্ হবদসু অপুন

ইযেক্‌ অসী অনৌবনী হানন লৈবমদে হাইদুনা ৱায়েত্‌ তৌবস্থু লৈরী। হাইবদী মীতৈ ইয়েক্ন ইবগী বনান্দ মযেক্‌, তপ্‌সীননবগী মতাঙ্‌, লাব্‌পদ মমাঙ্‌, থংব ময়েক্‌ত চম্‌বগী খুদম্‌, হাপ্‌প অসী চত্‌নবদ হেন্ন খুদোঙ্‌ চাগদব মাল্‌লী। মসীগীস্থু মথক্‌ত মীতৈগী লোনস্থুম্‌ নীপাল্‌, অসীন মীয়োনগী বনান্‌, ইবদ কোননদব মপুঙ্‌, ময়েক্‌ন চম্‌বগুম্‌, সীজীন্‌নব তারক্‌প মতাঙ্‌সীঙ্‌দ খুদম অসী হাপ্‌পদ খুদোঙ্‌ যাম্ন চাই। মীয়োনগী বনান্‌স্থু ওইবনীন মখোইগী চত্‌নবী মতেক অম ইন্‌বীবদ মীগী মতৌ তম্‌ব কৌদে খন্‌জৈ।

যাম্‌দববদ বংগালা ময়েক ন বনান্‌ ইব মতম্‌দ চম্‌ব থংনব মতাঙ্‌ খুদীঙ্‌দ খুদম অসী তপ্‌কনী লোইনন মযেক্‌ মথক্‌-মখা তপ্‌নদনব সীন্‌ব মতাঙ্‌সীঙ্‌দস্থু অনৌব পান দম অসী সাজানৈ।

লোন্‌গী খোন্‌থোক্‌ হাইব অসী লোন্‌-লোনগী খেত্‌নব খোন্‌থোক্‌ লৈনৈ। অমগী খোন্‌থোক্‌ অদুমক্‌ তানব কাচীন্‌ কোযা যৌসীন্‌ন কোহথীমব্‌তী থানদে। মীতৈ মচাসীঙ্‌দা মীগী খোন্‌থোক্‌ অদুমক্‌ য়েন্নব কাচীন-কোয়া খুঙ্‌ননব হোত নৈ। মাগীদী ইংগরেজী ভাঙ্‌বমক তদ যুরোপীযান্‌গী খোন্‌থোক্‌ক আমেরীকাগী খোন্‌থোক্‌ক লোইনন ভাবত্‌কী খোন্‌থোক্‌নচীঙ্‌বসী অমগ অমগ ইখেং খেত্‌নব কয়া লৈ। মীন খেত্‌নৈ হাইদুনস্থু ঐখোইস্থু খেত্‌নহন্‌সা হাইজব নত্‌চদে ঐগী লোন অমদী ইয়েক্নচীঙ্‌বন বনান্‌ তৌব যাব যেঙ দুন পুথোক্‌প মদুদ তাজরকপ অদু ঐখোইগী খোন্‌থোক্‌ ওইগনি হাইজবনী।

নোঙ্‌চুপ্‌লোম্‌গী লাইরীক্‌ ইব Aristotle (এরীস তোতল) হাইব অসী হানদা ভাঙ্‌বসীঙ 'অরসতু' হাইন বনান্‌ ই খোনথোক্‌স্থু হাইনৈ। অস্থুম্‌ন Socrates ঐখোইন (সোক্রেটীস্থ) সোকরেতীবসু হাইবসী মখোইন 'স্থকরাত্‌' হাইন অদুম্‌ বনান্‌ ই। মসী মীয়োন্‌দ হাইরগ (ইন্দীযান্‌ ট্র্যান) ইন্‌দীযান্‌ তীযুন্‌ হাইবদুনী। মীগী খোন্‌থোক্‌ অদু তানব অনৌব উচন্‌ পংথী থীবদী থরস্থ খন্‌নব যাব রাফম্‌ লৈ অদস্থু নত নন মাগ চান্‌নদে হাইদুন ঐখোইগী হান্‌নন উচন্‌ চান চন্‌সানখবব অদুবু ফুগাইদুন নম্‌দুন পান্‌সীন্‌ব অসী তোব্‌নবসী হাইজবনী। ঐগীসী মীচঙ্‌ খোম্‌জব নং্‌চদে, মীচঙ্‌ খোমব হাইবসীদী নোঙ্‌ম অমুক্‌ তাথীব নত্‌তবগ তেন্‌গত্‌লকপ য়াই অদুন অবেপ্‌প লৈতে মবম্‌ অসীন মসান তাজব অচুমব রাফম্‌ অদু হাইজবনী। অচুম্‌ব হাইব অসীদী ঙসী মীচঙ্‌ সোন্‌দুন মচেত্‌-মকাইগুম্‌ লৈহৌববস্থু মৈবু ফীন কুপ্‌তুন থমব য়াদবগুম্‌ নোঙ্‌ম নত্‌তরগ নোঙ্‌মদী মৈ মুত্‌তরা হাইবদু থংলবু। মচুগী খুদম্‌ কযা কয়া ঙসী ঐখোইন উরবনী।

ঐন ৱারৌবগুম্‌ পংপন্‌ পন্‌জবীব অসী মীতৈলোন্‌গী বনান্‌গী মতাঙ্‌দ থোব্‌লরদুন পন্‌জবনী। তেন্‌সীন্‌ন হাইজরবদ মীতৈলোনগী বনান্‌ মীতৈলোন্‌ অমদী মীতৈ ইযেক্‌ত সুম্‌কম্‌ ওহরগ সেম জগদবনী মীগী চত্‌নবী পুসীন্‌গদব নত্‌তে হাইবসী কাউনন্নুসী।

অচুম্‌বদ ফজব লৈ ······
মীগী মতৌ তম্‌বদী ফজব কৌদে, ইকাইনীঙাইনী
মদুন অহোইনন ইয়েক্‌ অমদী ইয়োন্‌বু মসক্‌ থীহল্লী।
মীতৈলোন্‌ অসী মীগী লোন্‌গী মখাপোন্নব লোন্‌ নত্‌তে হাইবসী কাউনন্নুসী।

—☆—